

খ্বম ইবোমচা

নুমিত্তি অসুম থেঙজীল্লকলি

সাহিত্য অকাদমি মনা ফংলবা

নুমিত্তি অসুম খেঙজীল্লক্রি


যূমলেম্বম ইবোমচা

নুমিত্তি অসুম থেঙজীল্লক্লি



পোক্লফম পব্লিকেসন্স
ইম্ফাল

Numitti Asum Thengjillakli
(A collection of short stories in Manipuri
by Yumlembam Ibomcha Singh)



অনীশুবা ফোঙবা ঃ ১৯৯৯
পোক্লফম পব্লিকেসন্স, ইম্ফাল
পাউনা বাজাব, ইম্ফাল - ৭৯৫ ০০১

মখুম ঃ
প্রেমানন্দ বোই অমসুং এ চিত্রেশ্বব শর্মনা যেকপা লাই অনীদগী কম্প্যুটব গ্রাফিক্সতা ওন্থোকপা।
কম্প্যুটব গ্রাফিক্স ঃ এস মনবমন, এম কুমাব
টাইপ সেত্তিং ঃ এম কুমাব, টি ঐচ অজিৎ
মনুংগী লামায শেম শাবা ঃ সুধীব নাউবোইবম
নম্বা ঃ পদ্মা প্রিন্টর্স, পাউনা বাজাব, ইম্ফাল ৭৯৫ ০০১

অহানবা ফোঙখিবা ঃ ১৯৯০, পি ব্রোজেন সিংহ (বাইটর্স ফোবম ইম্ফাল)

অনীশুবা খুৎনম অসিগী মনুং লামায় শেম শাবিবা শ্রীসুধীব নাউবোইবম, প্রুফ পাবিবা শ্রীএস ইবাবোত সিংহ মওং, পাংবিবা শ্রীসুধীব নাউবোইবম্বু অইবা অমসুং অফোঙবা অনীমক্কা তৌবিমল খঙবা ফোঙদোকচবি।

মমল ঃ লুপা ৬০

লমশাং

কয়াদা নুংশিনা কোনবিখিবা নঙনা

লাইরিক্তি ফোঙনীংই। বারীমচাগীসু। শৈরেংগীসু। বারীমচাগী লাইরিক অসি লমাবম বীরমণিনা ঈল্লকপদগী শামুরাইলাংপম গোপাল শর্ম্মানা ওক্লগা নমদুনা ফোঙহনবিবনি।

য়ুম্ব হোংদোক হোংজিন তৌবগা, ইশা লৈত্রিঙৈদা লমশাংগী য়ুম তেকখিবগা, ঈশিং ঈচাওগা, ইশানা ফরুংজাই ওইবগা ১৯৬৬-৬৭ তগী ১৯৮০-৮১ ফাওবদা ইখিবশিং অয়াম্বনা থিবা ফংদ্রে। মসিনা লাইরিক ফোঙনীংবগী নেশা অদু ফমা নীংথিনা হল্লুরবনি। বীরমণিনা ঐগী বারী মচা য়াওখিবা মেগাজিনশিং থিরগা পুবিরকই। ইয়াম্বা ডাঃ নোংমাইথেম তোম্বীনসু মাগীদা লৈবা মেগাজিনশিং থিরগা পীবিরকই। গোপাল শর্ম্মানা অনম্বা লাইরিক ওলহনবগী লুম্নবা পোৎলুম পুবি। শরতচান্দ থিয়াম্না হায়জরুবা নাইদনা প্রুফ পাবি অহীং অথেঙবা ফাওবা। অসুম্না ময়াম চঙদুনা ঈনবীবদগী লাইরিকসি লাইরিক ওইনা থোরকপনি। মরূপ-মপাংশিংনা তৌবিরিবসি খল্লুরগা শেংনা ইকসু ইকাই, নুংসু নুংঙাই। ইশাবু কত্তননি হায়বা ময়েক শেংনা খঙজবগা লোয়ননা মরূপ-মপাংশিংনা অসুম্না অসুম নুংশিবিদুনা লৈরবদি তম্না হিংবদা মায় পাকনি খল্লি।

য়াওরিবা বারীশিংসি 'সুনিতা অমসুং মেনকা', 'হোটেলসিগী বারী', 'অনৌবা খোঙউপ', 'মখোয়গী পীক্লবা য়ুম', 'শঙায়শেল', 'ওজা দিনচন্দ্রগী মঙ' নত্তনা অতৈদি "বাখল" "সাহিত্য" "ঋতু" দা ফোঙথ্রবশিংনি। প্রেসতা পীননবা শিনগৎপা মতমদা বারী খরগী বাহৈ-বাতা হোংদোকপা, পরেং অমা অনী লৌথোকপা নৎত্রগা হাপচিনবা তৌজখি। মসিগীদমক হান্না পাবিথ্রবশিংনা ঙাকপিগনি।

১৯৯০, ওক্টোবর ৩

য়ুমলেম্বম ইবোমচা

ঈশিং

অমসুং অতৈ বারী মচাশিং

সুনিতা অমসুং মেনকা/১
নোং ঙানখিদ্রবা অহীং/৪
লাকখিগদ্রা/৭
গাড়ী/১৩
নুমিত্তি অসুম থেঙজীল্লকলি/২১
ঈশিং/২৪
সহর/৩১
হোটেলসিগী বারী/৩৮
অনৌবা খোঙউপ/৪৪

সুনিতা অমসুং মেনকা

মীৎ উইশিল্লুবগী কান্নবা লৈতে।

মফি অমত্তা পক্তুবী নুপী অমা ঐগী মাঙদা হনগৎ হন্দা চৎলি। মহাক্কী ভৌববা হকচাং শীনবা থুংনা ঈথক ইপোম হৌরি। পাম্বোম। থবাক। খোয়দৌ। খোয়দৌ মথক। খোয়দৌ মখা। ফৈবাক ফৈরু। নীংদু নীংজোন। খুবোম খুরৈ। পূন্নমক। অকনবা নুংশিৎকী শউম মায়োক্লরিবা মবুক থল্লবা তুরেলগী ঈমায়গুম্লি। মহাক্কী চাইরবা শন্নাংনা অশীৎ অরাম্থাগী মতমদা শুক্লবা উমংদা উনা চবুন চবুন কেনবগুম হাই হুম্লি।

কোয়চৎ চৎপা নত্তে মহাক। থেক্লি, নোম্লি, জগোই শাবি।

মহাক্কী মমাযবু অমুক্তং ময়েক শেংনা উনবা ঐনা তোৎনরুই। করিনোসদি! ঐগী নুপী! সুনিতা!

ঐনা মহাক্কী মনাক্তা চঙশীল্লি অদুগা হংই,

সুনিতা, নঙনা ভৌবিবসি কাবনো?

মহাক্কা খুম্মকই,

ঐ মেনকানি। স্বর্গগী জগাইশাবীনি।

জগোই যেংলবা মনাম্না ঐবু চি থোক্লগা ঐগী ফমফমদা ফমতল্লি। ঐগী বাখল্লা লাম্না ন'দে - এগী সুনিতানা মামসিল কাম্না যৌ বাম্নবা। মহাক্কী অপাম্বা কবিনো। মহাকপু অসিংখক্কী জগোইশাবী অমা ওইনংব্রা ফি থোংদ্রবা মহাক্কী হকচাং ঐ নত্তবা মীগী মমাঙদা উংনীংব্রা। ঐ নত্তবা অতোপ্পা নুপাগা লোয়নবা পামদ্রা। হিপমিন্নগা পামব্রা।

এগী ফজববা হকচাং পাম্ন মা এইতনা উবদা কবি কাযবগে?

কবি হায়গা

অসুক ফজখ্রবা কচু অনী শাবান মসিবু নঙখক্তংনা উবগা মী কন্নানসু খঙদনা লোংশিন্দুনা খল্লগা মাচংনাখবা চুমব্রা?

মদ নত্তে। নঙ নুপানি।

মাগি। ঐ নুপানি নুপীসু মাদি

কবি হায়বা?

তন্দুনা ই । যুং। তবাখং তোস অসি ময়াগী মতাক নু ঙাইখ্রবা। অসিগুম্না নুঙাইবা যুমলৈ অমুক্তসু ফংজাখিদ। অদৌ কয়া কয়া ঐগী নুপাগা হিপামিন্নবদা ঐ চোবক্নবে ঙসিদি নঙ নীনাদোরা ফি চৌ থোকপা চংবতদা নুংশাস্বব চাউখৎলকই, ঈগী ঈচেল কাখৎলকই ফি খাঙবা ঐগী হকচাং নঙগী মাঙদা উহনবদা ইকাইদবদি নত্তে। ইকাইবদুগা লোয়নবা কবিনো হ দেবা নুংঙাইবা, খীবাংবা লাঙতক্লবা পুম্নমক হৌনদুনা ঐবু পুংনী নোংগা ইন্দু অমা ওইহল্লি। স্বর্গগী নুংঙাইবগুম্বা মনুংঙাই অমা ফংহল্লি। ঐগী নুপাগী মমাঙদা ফি লৌথোকপদি বাখবম মনুংদা ঈকুজবগী ফি লৌথোকপগা অমহা ওইনা লাম্বু ংশাংপা। নাপা লৈমিন্নবদা ঐসি চুম্নগী ইনজিন অমা ওইবদগী হেন্না মীদ ওইদ্রে। অদুবু মাগী মনাক্তদি অসুম লেঙদনা লৈবা তাই।

নুমিত্তুদা মহাক্কা ঐঙোন্দা বয়াগী মতৌক লাকওম ফাওমদনা কোনশিন্দুনা শ্রং শ্রং নৈবকশিবা। চয়াগী মতৌক ঈংখোলাংনা ঐবু চুপখিগা। মাযদা, চান্দা, হকচাংগী মফম

পূন্নমক্তা।

কবি খল্লিবনো?

মায থাংগভুনা যেংলুবদা মাঙদা লেপ্পুনা লৈবম্মি জগোইশাবী সুনিতা।

সুনিতা

নত্তে ঐ ভৈববীনি

মেনকাগী মতৌগুম শীংলি নাউবি পূন্নমক ঈহৌহন্দুনা জগোই শাবম্বী ঐগী সুনিতা ভৈরবী ওইনা লেপ্লবে।

হে নুপা, ঐনা নঙবু যোৎশীনবা ঙম্মি।

কবিনো হাযবিবদো সুনিতা?

ঐ দুগানি। সুনিতা নত্তে।

নহাক কবি পাম্বগে?

ঐগী অপাম্বা। মাগী অপান্নব অনৌবা লেবা য ঐবু পুর্নশির্নবিকো, পাম্মি পুর্নশিজবসু পাম্মি নাম্নোকপসু পাম্মি।

নঙ ঈভোন্দগী নাম্নোকপা পামব্রা?

বাহং অদু নশাদা হংজৌ।

হায়বিবসি কবিনো?

ঐগী নুপীগা ঐগা লোযনবিভেদা ঐগী পূক্নাংনা কয়া কযাবক মশা খপ্পুনা পাইখোক্লুই। মেনকাগা জগোই শাম্মিন্নকুই। হেলেনগা শগোল তোংমিন্নকুই। যমুনা তুবেন্দা মফি যাওদনা ঈবোযদুনা শান্নবিবী গোপীশিংগী মবক্তা ঈৎপুনা শান্নে। ইন্দুগী স্ত্রিপ টিজ যেংই। মসিবা সুনিতা নঙগী বাহং।

নাক্তা লৈবিবী সুনিতাদা যেংখোক্লুবদা মতাক্তি কবিসু নাংঙাযদনা ইশি-শিনা তুমদুনা লৈবম্মি ঐগী ওইদা।

ফমুংদগী তপ্না হৌগৎলগা তুম্বা যানবা টেব্লেটতু অমা অম্নক যোৎশীল্লি। ঈশিং গ্লাস অমা থকচীল্লি। পোকপা কুইদ্রিবা অঙাম্দু কপ্লবই। সুনিতা মাংকপ খোবক্লমানে, হংলকই

—— তুম্বা কবিমত্তা যাদ্রব্রা?

।। ১৯৭০, আগষ্ট ১৯।।

নোং ঙানখিদ্রবা অহীং

মাংকপা অমত্র ওইরবস পাত্তন পান অসি বাড়গোক পা ঙম্লবাদ ঐগী পুক্নীং মাংকুপ অদুমগী তং পাইববসু ঈংগদা খল্লি।

যু যোনবা মদা মন্দপ মপাং পুম্নমক চবাঙ চবাঙনবি। মখোযগী চবাঙনবা ৱাবী বাতাই অদুদা ঐহাক মাওশীনগে ফনা হোৎনবে। অদুবু হন্না হন্না মাযথীরে।

মাংদা উবিবা শক্তমশি অসি ঐগী খ্বাইদগী নক্লবা মীওইশিংগীনি। মখোযনা ঐঙোন্দা যেংলিবা মাংযেং অসি ঐ খাঙবা ঙমদে। ঐ মখোযদগী লাপথোকপা পামলে, অদুবু মসি ওইথোক্তবনি হায়রি।

'মদু কান্নদবানিদা। মসিনা পুম্নমক কাউথোকপা ঙমব্রা যেংঙু"

ফনা যাম্না হোৎনখ্রবনি। ঐগী ইথমদদি মহাক অমুক্তসু মায পাকপা ঙমখিদ্রি। অদু ওইরবসু এনা লৌশীন্দবা ঙমদে

"দুনিয়া অসিদি সি ওক্তনি

"ঐবু শক খঙবিদ্রব্রা?"

"মদুনদি শুকওই ওইবা যাবোই। হাযবদি, মাগী মফমদদি শেল অসি বাইদগী হেন্না হোঙই"

মীওইবগী পুন্সিবু শেলনা লৈবা ফংব্রা? পুন্সিগী মমল কযানো? যু লৌক্রী অমদা পুন্সি অমা চনব্রা?

"অমুক্কা লৌখিসি"

"মসিনিনে ঐখোযগী পুন্সিদি। শেন্দোং হাযববু নুংঙাইবিসিনি"

"ঐখোযগীদি চপ মান্নবে। অমাঙবা অতোংবা কবিসু খেন্নদ্রে"

"কবিসু খেন্নদে। কবিসু খেন্নদে

'সোমবু বাংবো? শেবেং অনম্ভ' থীবকডদনা

"ইমানা ঐখোযবু পোকপাবক্রিবসি কবিগীনো'

"হেবা মদুবু অলব্বা কবিতাগী রাবনে? নঙগী নুপীনা নঙগা নচা পোক্রি। মদু গুন্দনি।

"নঙগী নুপীসু নুপীনি। নঙগী ইমাসু নুপীনি। কবি পেন্নবো। নুপী পুন্নমক্কী পুকচেল চপ মান্নবনি। ইমা বচাদ শম্ম বচাদ মখোযগী অপাস্বা অনীবু চপ মান্নবনি। মান্নদ্রনে ইচেতোম্বী?

'থক্কদবা অদুম থকউ। বাবেম ঙাঙনু

কা অদুগী কাংচন্দা খাল্লিবা পোদোনগা মনাক্তা ইকং কংবা মায অমা উবা যংই। পোদোন মৈদিগী কাখৎলক্রিবা তেংগালিগী মকমদা মহাক নোক্রি। ওহোন্না খংঙমদ্রবা মীনোক অমা নোক্রি। মহাক্কা মৈবি অদুদা যেংলমদে। ঐঙোন্দা যেংবগুম তৌই। ঐদি মীৎ পাঙনীংদ্রে। তেংগালিবা অমুবা লেচিল্লা ঐগী কোক মনু দা অসুম পাইশিল্লকপগুম অমুকসু পাইথোকখিবগুম শান্নবা তৌবকই। মদুগী মকমদা অকাযবা থা অমা থোক্রি। থা নত্তে। নুপীনি। মহাক তপ্না তপ্না ঐগী নাক্তা চঙশীল্লকই। মহাক্কী ফুবিত্তু লৌথোক্তুনা চুং-ফিবাল চাদ্রবা থবাক্কী শকক্তু ঐগী মীত্রা উহল্লকই অদুগা খব হোনবগী খোঞ্জেলদা যাম্না লোম্না হাযবকই -

চৎলো থুনমক চৎলো। মসম অদুদদি মাৎকুপ অমত্তং ওহনবসু নহাক তাইবংপান অসিবু পুমকাউ কাউথোক পা ঙমগদা।

চহী কযা তৌখ্রবা মাগী শাবান্দু শাক্তুনা দৈ ফোনশি লাক্লো লাক্লো। মপু যাংবা

মাযথোঙদা ঈখৌলাংলবা মীৎযেং, কাংগাংলিবা চাঁনবান। ফি থোংদ্রবা হকচাংদা কারিবা ইপোম । থক্লবা থবাক নাপোমদা হৌবিবা ঈথক . . মদুদগী হম্লকপা ফোং ফোং শাবা নুংশাশ্নবনা য়েবদা ঐগী হকচাংগী শিংলিদা ফমজীন্দুনা লৈবম্বা ঈগী ঈচেলদু কল্লা চেনবা হৌগংলক্লম্মি।

ঐ হৌগত্তুনা চৎলম্মি। পাইনগুম। তুবেলগী ঈচেন্দা তাউথবগুম।

ইমুংগী কা মথু অদু মুশুক মুই। তপ্না তপ্না চঙশীন্দুনা কাঙখল হাইদোক্লগা ফমুংদা কাখৎলম্মি। মাগী হকচাংদগী ফি অদু লৌথোক্লদুনা ঐনা, মহাক্কী মমল লোইখ্রবা কযাৎশিং অমুক হন্না মমল লৈহনগে হোৎনখি। ও! মীৎকুপ অদু তশেংনমক, মীৎকুপ অদু তাইবংপান পুম্নমক পুমপঙ পঙথখি।

মহাক হিক হিক কপলকই।

নহাক কনানো

ঐ নঙবু পোব পা ইমানি

ঐনা মখোং খেৎলম্মি। ঐগী ইমানা মোমোন নোক্লদুনা ঐবু যেংলকই।

নহাক কনানো

ঐ নংগী নুপীনি।

ঐগী নুপীনা মোমোন নোক্লদুনা এঙোন্দা যেংলকই। মৈখেৎকী মৈবিদু মুৎখ্রে।

।। ১৯৬৯ ।।

লাকখিগদ্রা

খ্বাইবম্বন্দ কৈথেন তপ্না তপ্না উইথোখিদুনা তুমথখ্রে। তুমখুন থাম্লিবা চাক্রবা অহাং অসিদা ঐখোয় অনী চৎলি। অতুম্বনা চৎপগুম ঐখোয় চৎলি।

কংলা পার্কতা কনাসু ফম্লমদ্রে। ঐখোয় অনা চঙশীল্লাম্ম। হায়নবা তৌদনা নুঙগী ফম্বাক অমদা ফমথনবম্মি। ট্র্যাব বল্বশিংনা থল্লায় হাম্লবা মঙাল যেনখোক্লি। চোকথমনখিবনা ঐ মঙোন্দা যেংনীংলমদে। মহাক কবি তৌবিবগে হঙদে। আসাম রাইফল কংলা মনুংগী কাংশি যৈবকই। কযাবক যৌখিবনো খঙদে।

ঐগী মীৎ অনী অসুম তন্থবকই অসুম থন্থ্রকই। অদুদগী খবা খবা উইথোখি।

তুংদা বাজ ভবনগী মকা ফন্না চাউথোক্না বঙ্গালা উবা যংই। এনা লৈ লৈদুনা যেংই ইলেকট্রিকী মঙালতনা পমন নংলি। মশীং থীংমদ্রনা মীয়াম্না কক ফুক ঈগ্নবকই, লোয়ক্লেল হৌনা লাউ থোংলি। ফঙ ফজনবা লেশানীশিংগী মমাযশি দু থবাকগা মমি শাম্লম্মি মখোযগী মমীত্তা মঙাল যাওনমদে

লৈশাবী অমনা ঐঙোন্দা হাযবি,

- চৎসি

— কদাইদা

কদাইদনো অমা চৎসি

— কবির্গীনো

কেদৌর্নান? সুম লৈব্বগী কবি কান্নগনি?

— কিব্বত্রা

কিবা নত্তে, তন্ত্রে।

ঐনা মাঙান্দা মুন্না যেংই। মহাক্কী মমীত্তু চোকথবে। মাবু যেংলগা ঐ কপ্পীংলকপগুম

[illegible] লোক্পী [illegible] তৌই। মহাক্না হাযবকই,

[illegible]

[illegible]

[illegible] অশিবা মাল্লি। অশিবা মী অমনা যেংলক্লিবগুম থল্লি।

ইতোমতা হন্থনা যেংজর্দা্ম্ম, ঐসু অশিবা মাল্লব্রা?

মাগনা কন কব ইন্নবা লম্বা তমদা ঐখোয অনীসু চৎলম্মি। মহাক্না ঐগী খুদাং পাযদুনা চিংলি। অশিবা হোনবা গাডীশিন্দু হাথু হাথু গৌবম্মি। দকান পুন্নমক খোঙ লোল্লি। অশিবা হকচা খবা সোরোন মথায়দা তাদুনা লৈরি কন্নানো অমনা লাউবকই,

হাই তাই অদোমদা চৎখিগনু। সিফাইশিনা লাংগোই চনখ্রবনি।

ঐগী থবাক্কী মিঙ্গা দং দ ছনগৎলকই। নোংমৈ হৌনা হৌনা কাপ্লি। কদোমদনো নৈ পুমঙাঙ ভাঙনা চারকলি। মন্নবা মুববা মৈখুনা মতুম মতুম তাশীল্লদুনা উক উক লৈনা অতিযাদা হাইগৎখি। নীহাব মাযাগী শলাই খণ্ডদনা চেনবা লাক্লবি।

ঐগী লেংজুম পাগদুনা হংনাকই

— হন্মখিসিবা

কৈদৌসিগে

— চৎলসি

ঐখোয তুমিন তুমিন হৈগর্লে চৎপা হৌই।

কংলা পার্ক পুমচাক চংকই।

ঐগী খোঙ অনী পূমচোক চোকথৈ। কদাইদনো চৎলিবসি। য়ুমদা চৎকদ্রা। য়ুমদা হনজিল্লগা কবি তৌকগনি। চাক লৈবমগদ্রা। ইমুংদু ইমম মমলমগনি, ইচীক চীকলমগনি। কন্নানা খোঙ হাংদোকপিবক্কনি। ঐনা হৌদোকপদা কনাসু হৌগৎলকলোই। মখোয় পুন্নমক অশিবগুম তুম্নবমগনি। মফমদু ঐ হৈনদে। মীৎকুপ অমফাওবা লৈনিংদে। ঐ কদাইদা চৎকনি। ঐ চৎনীংই।

নুমিৎ চুপ্পা অমদি সোবোক্তা কোযচৎ চত্তুনা ঐ লেনখি। বাব সিমিত্রিদা চত্তুনা তুমলুই। লৈশাবী পাখঙ কযা তুমা তুমা ফমমিন্নহৌই। মখোযদা কিরূপ কিরূপ যেংলম্নগা কৈথেন তম্না লাকই। পাখঙগা লৈশাবীগা, নুপীগা নুপাগা ফোংনা লোয়নবদা কবিসু চিংননীংঙাই ওইদব্রা। লোন্না লোন্না লোযনবগা ফোংনা লোযনবগা কবম্বনা ফবগে। তৌনবিবা অসিবু চুম্নিববা লাল্লিববা। থাইনদগী অসুন্না অসুম তৌবকপ্রা। মসিবু মতম অসিনা পীবা মনাবা নত্ত্রগা মতমগী মফমদা ঐখোযনা তৌবিবা দান অমবা। অসুক যাম্না লাউলিবা মীযামসি +িগাদমকনো।

কেথেন।

মতম লেনবদি কৈথেন্দনা নুংঙাই। সিনেমা হোলদা থেৎলিবা লাইশিংদু যেং। কনানা অমা থেংনদুনা সিনেমা যেংহল্লাম্ম। হোল মনুংদা ঐ পেন্না তুমজবা ফংখি।

সিনেমা লোইরবা মতুংদা মখোযনা ঐবু হুন্দোক্পিনম্ম। হোল মনুংদগী হাদোবকখিবা মানামদুবু উবগা তুক্কচখি। মর্মাৎ লাউবপ তৌবী নুপী অমনা ঐঙোন্দা যেংলকখি। ঐ নোক্লীংখি। মহাক্না যেংলমলিবা কবিগীনো। মহাক লৈশাবীবা মযুম পাল্লবীবা।

ঐনা নোংমা পুখ্রি মপান্দা ঈকুজনিঙৈদা মযুম পাল্লবী নুপী অমনা লোন্না যেংদুনা লৈবমখি। মদু কবিগীনো? মযুম পাল্লবী নুপীনা যুম পান্দ্রবা পাখঙবু খোইদাববা।

সিনেমা হোলদগী কৈথেন পোৎলক্তা লৈবল্লে ঐ।

কৈথেন পোৎলক্তা কোযচৎ চৎলি। ঙাযোনফমদা চাউব চাউববা ঙা যোল্লি। নোয পেল্লবা ঙাশিংনা ঐগী মীৎযেং চিংশিল্লি। মযি নাল্লবা নাল্লবীশিংনা ঙাগী মমল হংবি।

অসুম চৎলকপদগী কদাইদনো ওহাক্তং লেপ্লিঙৈদা কনানো অমা মাঙদা চঙশীল্লকই,

– হলো কৈদৌবিবল্লিনা?

ঐ নুপাদুদা মুন্না যেংই। মহাক্না ইকং কংনা নোকলকই। মনাঙৈদা খঙলাখিবা মরূপ।

— কৈদৌবে কোইকা খাক্লবদি?

ঐনা ঐগী নাতোন সুমাঙ অমসুং খদাংদা নাঞ্জখি। খুত্তা যু যু লাউনা খেংই। ঐনা মক্কপুদা যেংলগা হাইযেং নোকই।

— চা থকউসিদনা।

হন্দক্তি ঐ গনদং হবাওই। বা গেণ্ডদনা পুকচেল চাউবা নুপাদুগী মতুং ইল্লম্মি।

হোটেল মন দা মফম মনা খওদনা শংলাঙদা লাওনবম্মি। মফম মনাং খওদনা লাউনৈ। চা খ্লাস অনী পুবক্লগা ঐখোযগী মাঙদা থম্লরে। ঐখোযগী নাক্তা ফমলিবশিংদু মমাঙদা কলি কবিনে খমদুনা যাম্না চাবি নোক খোঁবি। ঐ মখোযদা যেংনিংখি। লোন্না লোন্না যেংখি।

- বাবু চানবা

ঐ, পকচেন চাউবা নুপাদদা চাওতকনা যেংখি।

— কচোৗন অনী

মবাপ্প পক্কাংদা খ ংচাহ।

হোটেলদগী থাক্লগা মহাক্না ঐগী চকুপ মচে অমা পী অদুগা হায

— কবি চানি খারা বাম

ঐনা নাক্লগা ওব হাম। এহাক্না বিদাই তৌগনি কই,

মতুংদা অমুক উনর্সি।

— ফাবে।

খুং শোক্লল্গা চংখ্রে। হাযর্বাম্ম 'মতুংদা অমুক উনসি'। মসিদা ঐনা নোক্লীংলুবিবা কবিগীনো। মসিবু নোক্লীংফম থোকপা বাবা। মহাক্না ঐবু অমুক হন্না উনবা পামলমগদ্রা। মহাক্লম্বা কযানা ঐবু উনগা উনা উনা, উশিন্নদনা লৈথোক্লখিবা নৎত্রা। ঐনদি কনাগা উননীংবগে। ঐগী শিশ্রগ ইমাগা উনববদি নুংঙাইগদ্রা। শিবা হাযর্বসি কবিনো। মপুংফাবা। মুক্তি। নির্ব্বনা। নত্তে শিবা হাযর্বদি অমম্মা। মী মযাম্না চংলির্বসি শিবগী লম্বীদবা। ফজববী নপী মযাম নুপা মযাম মকা লাম্না নোক্লদুনা চংনবি। মখোয পুন্নমক অশিবগী লমদমদা যৌকগনি। অশিবগী লমদম হাযবা অমা লৈববা। লৈতে। শিববা মতুংদদি কবিসু লৈত্রে। কদাইদসু চংত্রে। অদুদি শিবা হায়বাস মুক্তিনি। মঙালনি।

গাডী গাডী

কনানো অমনা পাখংগা লাউবগা ঐবু খংবি চিংলকই। গাডীদুদগী চিংথোকপিবল্লগা

চৎখি। মমীত্তুনা খানা য়েংলম্মি।

ৱাংলবা দুকানশিংদা মৈ ঙান্না থাল্লি। নুপা-নুপীশিংনা মকা লাম্না নোক্লদুনা চৎনরি। কার অমা জ্ জ্ থৌজীল্লক্লগা ঐগী নাক্তা খংখাম থামলৈ। মচুম তানা কেরবী পূকনোয়বী অমগা মবুক কংথ্রবা নুপা অমগা কার মনুংদগী থোরকই। য়াম্না হরাওরবা নুংঙাইরবগী মতৌদা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌই। ঐসু নোক্লীংই। মবুক অনীদু উবদা। মীগী ঈনা মবুক পীক খল্লবা তীনফানা লেঙবা ঙনদবগুম মখোয় অনীসু লেঙঙম শাঙমদনা খজিক খজিক নোমদুনা চৎলি। য়েংবদা য়াম্না ত্বক্কচবা তীন মখল অমা ওইনা উরকই। মবুকশিংদু থাঙ অমনা হুৎতোক্লগা হাথরকপা ঈদু য়েংনিংলকখি। খাগী শেৎপা থানা অমনা ঐবু ইঙ্গোরকই

— হন্দোকউ হন্দোকউ।

ঐনা মীং শংদোক্তুনা য়েংএদু মথৌ চিল্লবা থানা বাসুনা উবিখিদ্রে।

— হয়েং অমুক ঊনিখিদ্রা

— কারগী

— খঙদে

— ঊনবসু য়াই। তম্বদি ঙন্না

— অসাইমখৈ তৃমিন লৈবদু করি খল্লিবনো

— নঙদি

— করিসু খন্দে। করিসু খন্নীংঙাই লৈতে।

— শিবসি নুংঙাইগদ্রা? নঙ শিনিংদ্রা?

— নঙ হায়য়ু।

শিবা। শিরগনা কৈদৌবা। হিংলগনা করি কান্নরিবা। শিগদবা মীনা অসুম হিংবগী কান্নবা করিনো। সুম হিংবনি। মীনা পোক্লকইবসিনা করিগীনো। করিগীনো হায়বা লৈতে। মরম করিমত্তা লৈতে। সুম পোক্লকপনি। পোক্লীংদুনা পোক্লকপা নত্তে। তাঞ্জা অমদগী ওইখিবনি। পোক্লক্লিবসিগী মরম করিমত্তা লৈতে। পোক্লক্লবা মতুংদা নঙনা করি করিনো খরা তৌই। মদুগীদমক নঙ পোক্ল কপদি নত্তে। তাইবংপান অসিদা করিসু লৈতে। পোকপা হায়বা অমগা শিবা হায়বা অমগা লৈ। মসিখক্তনি। পোকপা অমসুং শিবা। অনীমক্কী মরমসু করিমত্তা লৈতে।

— শিনিংব্রা হাযখিবা নৎত্রা? চুম্মি, ঐ হেক হেক শিনিংই। শিবদি ঙমদে। কবিগীনো?

— কবিগী শিনিংলিবনো?

— মদু খঙদে। নঙসু শিনিংব্রা?

— ঐদি ঐ পোক্লকপসিগী পঙশাউদা শাউনি ট।

– কনাদা? নঙগী নমা নপাদা?

মখোযদা শাউনীংনবা মবম লৈতে। মখোযসু পোক্লীংদুনা পোক্লকখিবা নত্তে। ঐসু পোক্লীংদুনা পোক্লকখিবা নত্তে। নঙবু কবি তৌগে হাযদুনা পোক্লকলিবনো? নঙনা পোক্লিংঙদা নত্ত নশানা পোক্লগে হাযনা খনখিবা নৈত্রা?

– চমগনবা শাইন্দুদি কবিগানো?

ইঙ্গ্লাসিসু কবি কাইরে খনবগে।

মদসু চমমনে

চাংবোলদে মৈ মুথত্নে। পু মম মমাখে

নম্বা থাসি পুংমম মমলে। কবিমতস উরে।

কদোমদা চংকনি।

কদোমদা চংকনি হায়দবা / কনম্মাইনা চংকনি হাযগদবা নৎত্রা?

নদাই যৌনি ঐখোই।

ঐখোযনা লৌনিংসি কদাইদনো?

কেখেন মনু দা ঙইগ নগনি।

গমণা লম্বাদা লাং থনবা

– ওইবম্বা যাই বলাওগগী যুম মনুংদা নৎত্রগা দুকান মনুংদা মৈ থাল্লকপ্রা যেংঙু।

– মদুনা ঐখোযগী লম্বী উবা ফংগদ্রা?

– মফমসিদা সুম লৈবগ মৈ ঙাম্লাবকপা ঙাইবাস।

মৈ ঙাল্লকখিগদ্রা?

– ঙাল্লকপ্রা যেংখ্রাস।

।।১৯৭২ এপ্রিল ১৮।।

গাড়ী

গাড়ী অসি ঙৈহাক্তুফাও খাম্বিখো হৌযবা যাবরোইদ্রা

যাদেদনসে, কযাবক শুরে নওঙনসু ঐনসু ঙৈহাক্তা খাম্বিগো হায়জৰিবা, কয়াবক্লো ঐখোয়নী পূন্না লাওগিবনা।

অদুদি ঝাসি হায়বমদ্রেদনা

কবিনো হায়বমগদৌরিবা ঝাবু

মদু খঙবা ঙমদে

ঝা কযা হায়বমদ্রবনি। অনংবমখৈ হায়বমগদেদনা কমদৌনি

কবিনো হায়বমগে খল্লিবদু

মদু খঙবা ঙমদে

কয়া লাপখোবক্কী ঐখোয়না লাক্লিবাসি, করা শাগৎলগা মানে

য়েংঙুদনা তুংদা অমুক্তং। মশেল-মবাং ওইনা উখ্রিবসে কয়াদা তামহৌরবনো

নুংশিদা . . .

খুংগং অমা লৈহৌবদো। ওহোক্লা ফজখ্রেদা। অয়ুক্কী নুমিৎনা হন্দোরকপদা লৌবুক্কী ফৌনানা লেঙ লেঙ চৎহৌবদু পুক্নীং কয়া নৌখ্রবা। অদুগুম্বা লৌবুক্তু অমুক উখিগদ্রা . . .

খুংগংদু নীংশীংলিবরা

ও য়াম্লা নুংশিবদো . . .

নুমিদাংবাইরমদা

উচেক শংগু শংগুনা লৌবুক লান্না পাইবদু কয়াদা নুংশিবা, মফমদুগী নুংশিৎনা কয়া ঈংখ্রবা . . .

হৌজিকপু কদাইদা চৎকদৌরিবনো

চৎলিসিঙায়দনা কনানা খঙগনি

ইহে

কেদৌয়ে

লাহোকখবে। হে দ্রাইভর্, ওহাক্তা . ওহাক্তা খাম্বিখো. অমুক্তা খাম্বিখো

ইহে হে লাহোকখ্রেদো।

অসুম্না কয়া অমা লাহোকখ্রর্নি

ঐদি চৎনীংলবক্তে

কদায়দা।

খায়নানী যুম মচাদদ.

. . . যুম মচা। ঙমখৈ

নাইদবা লমহাংদুগী চিদাইদা যাম্না এম্লা যুম মচা অমা ঐনা উখি। মদুদা ঐসু চৎনীংবগুম তৌখি। অদুবু গাড়ী অসিনা লাহোকুনা চৎখি। যুম মচাদু তাম্লা লৈহৌই। অদুদগীদি উখিদ্রে। গাড়ী মনুংসিদা তোংলিবা মী পুম্নমক অহানবদা যাম্না হরাওখি, য়াম্না হরাওনখি; মরমদি গাড়ীসিনা ঐখোয়বু সহরদা পুগনি, ঐখোয় পুম্নমক কোনুংদা রাজ-পাদনা লৈরুগনি . . .

ঙাইখো, নঙবু কদাইদগী লাকপনো

খঙদে

কদাইদগী গাডাসি তোংখৎলকই

মদুসু খঙদে। ঐনা তুম্নিঙৈদা করানো অমনা গাডাসিদা হাপচিনবগা ওইরমগদ্রা

কয়াদা ঙকখ্রবা। ঐসুনি। করানা শৈদৌইডে গাডাসিদা ঐবু তোংহল্লমলো ঐ খঙহৌদে।

ঐনা মীৎ পাঙথোবকপদা গাডাসিদা সুম লৈবন্নে

নঙসু তুম্লমববা

তুম্লম্মানে খল্লি

অতৈসিদি

নঙসু খঙদব্রা

খঙদে

অদুবু কযাদা ঙকখ্রবনো। মখেগী মসুম শিখি অসুম শিখি

ঙাইখো বা হাযবমগদবা লৈবে

হেক্তা গাডাসো হেক্তা গাডাবদা ... থোই

হো

কান্দে তোকও হেন্দোকখে

বা অমফাওবা হায়বল্লবোইদা

হাযবমদ্রেদনা

হায় বমদ্রে। হাযবমগে

নীংলিবদি কবিনো। কবিনো হাযবমগদৌনিববু। হাযবগনা কবি কান্নগদবনিদা। হাযদ্রগনা

কবি মাঙজবিবা

মঙলা তৌবিসিবু

কৈদৌবে

ভাব অমা তাদ্রে। কবিনো ঐগী খোযনা তৌবিসিরোয় কদাইদা চংলিবগো

কৈনো নঙনা ঙাওল্লিসিনা। মদুবু বানা

কবি যাওবি চাননবা

ঈশিং থৌবাংব্রা

খৌরাংই। য়ৌবা নাইরোইদব্রা? কয়া কুইনা গাড়ীসি তোংখিগদগে ঐখোয়বু

খঙদে। মদু হংগনু

ঐখোয়সু শিগদ্রা

শিবা। শিবা হায়বদি।

হিংদবা। হিংদবা হায়বদি। হিংদবা হায়দি

হিংবসি নুংঙাইব্রা শিবনা নুংঙাইব্রা

করিনো? তোকও তোকও। তোকও। খঙদে। করিমত্তা খঙদে।

. . . করিবু খঙলিবগে।

চৎলিবসি কদাইদনো হায়বসু খঙদে। কদাইদগী কৈদৌঙৈ গাড়ীসিদা তোংখৎলকখি হায়বসি ঐসু খঙদে, নহাকসু খঙদে। কনাসু খঙদে। ঐখোয় পুম্নমক্না হরাওখি সহরদা চৎলিবনি হায়দুনা। অদুবু সহর মদু কদাইদা লৈবগে

. . গাড়ী অসি লেপ্তনা চৎলি।

সহরগী বাদ্ কাউনখ্রে। নোংমসু খরনা হায়নখি — গাড়ী অসি নুমিৎনা থোরকফমদগী থোবা হৌরকপা ওইরমগনি।

. . অদুদি নুমিৎনা তাখিবা মফমদা

গাড়ী অসি থুংলুগদ্রা। অদুদি নুমিৎনা থোরকফমগা নুমিৎ তাফমগা অমত্তা ওইব্রা

কৈদৌবে তুমিন লৈরিবদি

কনিসু তৌদে। তপ্লে

য়েংনিংদ্রব্রা তাম্না তাম্না উনিবা য়ুম পরেং পরেংশিং অসি

য়েংনিংদ্রে, য়াম্না তম্বরে

ঐখোয় হৌজিক সহর য়ৌরক্লে

মসিরা সহর হায়বদু

ওইবা য়াই

লমহাঙগী মথংদা সহর। অদুদি গাড়ী খাম্লগদ্রা

অঙাংগী ব্রাহ্‌ং হংগনু

ও। লমহাঙগী মথংদা সহর

নত্তে, খুংগংগী মথংদা সহর

সহবগী মথংদদি

সহবগী মথংদা

সহবগী মথংদদি

কবি লৈবমগনি। লৌবুক্কী ঙমখৈদা চীং পবেং। অদুগা লম্পাক্কী ঙমখৈদা যুম মচাশিং, উপাল য়াপালশিংনা তুবেলগী তোর্ব্বান্দা। অদুদগী সহব। অদুদগীদি। অদুদগীদি গাডীসিনা থৌজানখিগদ্রা নুমিৎনা তাবা মফমদুদা

যেংঙু দলান অচৌ অচৌবশিং

লংলবা থাংমৈগী পবেং পবেং

সহব যৌবে

সহব যৌরে। গাডী

মনু অসি হলাও ময়াম্বগী খোজেলনা পোকখায়গদীরে। কবিগীনো মীযাম অসিনা অসুক লৈতাদ্রিবা। মখোয় পুন্নমক্কা চেল্লিবা গডী অসিদগী হেন্না যাঙনা চেনখৎনীংহ। কদাইদনো অমা মখোয় পুন্নমক্কা যাম্না লাপ্না যেংলি

ঈশিং লেবিরবা খব খনদ থকসি

ঈশিং লৈত্রে

খোঁবা ঙেদা


ঐদি চানী থক্কাংবা কযা পোক্তে

নও যাম্না তৃষ্ণাংনা উবে

পাক অসি যাম্না লৃমথবক্রে

ই থমত্রা

খবা খনা ঈংবওম তৌই



অদুদি কবি তৌগনি। গাডী অসি খাম্বস্ যাবোই। হো ড্রাইভর গাদাসি ওহাক্তংদি খাম্বগ্। হনুবীসি মশা যাম্না নু ঙাইত্রে। ঙহাক্তংদি খাম্বগ্

ঙাওবববা

কেদৌবগে

গাডীসি কৈদৌঙৈ খাম্দা যাংখ্রবগে ? কনাগী ড্রাইভবনো কবম্বা ড্রাইভবদনো নওনা

নঙগী ওঙ্গবরা। পাবনো শর্বাদ চাওদনা
গাড়ী খাম্লবব
কনপ্লা। কবগা গাড়ী খামগনি
ঐ। খায অসুম চৎখিবদা তারে
ঐ। খাযনা লাম্লবসি বনিংগনে।

লাকপা। চৎখিবা।

লাকপা। চৎখিবা গাড়ীগী [illegible]সিদা
[illegible] নঙগী উমদব্র
উপাই লৈতে
[illegible] চাবনোইদা
চানা [illegible] চাব্বা। নঙ খঙব্রা সহব অসি লাম্ভোরগা কবি লৈবমগনি
[illegible] সহব অমা লৈবসু মাই [illegible] গাড়ী
[illegible]
[illegible]
[illegible] অসুম [illegible]
[illegible]
[illegible] কযাদ [illegible]
[illegible]
[illegible], [illegible], অসিনা [illegible] খৎলক্লগা ঐদি হেন্না হেন্না কিশিল্লকই

থাযনগী খুংগংশিংদু

অমুক উবরোই সহবগী [illegible] দা সহব [illegible], সহব যৌবে শাগদুনা হবাওবম্বশিন্দ তুমিন্না লৈনখে। [illegible]

[illegible] সহবগী কাচিন [illegible] কসাদা মোৎব্রবা।
উকনা তুকচৈ
মসি অমোৎ অকাসগী মপোন।

সহব অসি লাম্ৱোকপনা ফবে

যাম্না থুনা

সহব অসিগী মথংদদি

সহবগী মথংদা

অতোপ্পা সহব অমা নংত্রগা পোকখাৰ্বিবা মৈগী চাং নংত্রগা মৈগী ঈপাক, মৈগী ঈথক হৌবিবা মেগী সমুদ্র

ঐদি কিবক্লে যাম্না কিবক্লে

কবিগা

গাচাসিনা থৌজীনখ্রবদি

কদাইদা

ঈথক চাউনা। হৌবিক মৈগী সমুদ্র মথক্তদা নংত্রগা মৈগী চা মনুংদা

করম্না

তাদ্রা মখোল অসিং লাওড [illegible]

কিকবগা কান্নবা লৈব্রা

ওম্ৱোকপনি। নও অসি কযাদা নাপল চাউখ্রবা

বা ভাংবগী কান্নবা লৈতে

বা খবা হাযবম্বনা চুমদ্রা

হাযবমদ্রবসু অমতানি। কবিনো হাযণদৌনিবা

নত্তে, বা খবদি হাযবমফম থোকই

বাবুদি যাম্না হাযবা

যাই। থা মযামগী নিল-খোংবনা পুংফুন ফুপ্লে। হৌজিক কবিনো নৌনা অমুক হাযগদবা

সহব লাম্ৱোবক্লবা

লাম্ৱোকত্রি

ঙহাক্তা তুমিন্না লৈসি। লাওবসি যাম্না হৈনদ্রে

অশেংবমক কযাদা

লৈতাখিদ্রবা নিল-খোংখ্রবা সহবগী মযায চবুক্লো। অদুবু ঐখোযদি অহল ওইবে। কবিমক্তসু হৈনিংদ্রে। যেংঙু মাগী মর্মীৎ অনীসি তপ্পা উইথখ্রে। ঐনা কবি তৌগনি। গাউী অসি

নোংলৈ নুংশিৎ তৌরিবা সমুদ্রগী ময়ায়দা চঙশীনখিবসু য়াই। অদুবু করি তৌরুগনি।

তুম্লব্রা? নঙবু তুম্লব্রা? কবিগীনো বা অমত্তা ঙাঙদ্রিবা

মহাক্না হায়রম্মি করিনো

খবা হায়য়ু। হৌজিক্তি মহাক বা ঙাঙদ্রে। মমীৎ অমুক হন্না পাঙথোরক্তে ঐগী হনুবী। ও। পূমলোই লোইরবা। কান্নদ্রবা খোঙচৎ। হৌজিক্তি করি তৌগনি

হৌজিক্তি করি তৌগনি।

সহব অসি লাম্লোক্লগা নোং নুংশিৎ অখাক অবাওনা থল্লবা সমুদ্রগী ময়ায়দা গাড়ীসি থোঙ্জীনখিবসু যাই। নৎত্রগা নাংথীরবা তম্পাক অমা, নৎত্রগা ফজববা চীংগী লমদম অমদা থু লুবসু যাই। নৎত্রগা মৈগী চাং মনুংদা। মদুদা কন্নাগী মাঙজে। ঐগীনা করি মাঙজে। মাওবা তোংবগী হিসাব কান্নদ্রে হৌজিক। ঐ মীৎ পাঙনাংদ্রে। হকচাং অসি পূমহীক হাকথনে। ঐ শঙলে হনুবীনা শিখিবগুম ঐসু শিবগনি। অদুবু ময়ামসিদা অমুক্তংদ হৌখিসবা - ঐখোয়বু কদাইদা চৎলিবনো

।। ১৯৭২।।

নুমিত্তি অসুম থেঙজীল্লকলি

নবিনো হৌজিক তৌগদনা। যূম পূন্নমক খোঙ লোলশিনখ্রে। অহাঁ সিনঙ কদাইদনো এনা লেনগদবা। সূপ্নগী অহা' অসিমত্তগী' বানি। অদুবু অহীং অমা হাযনসিসু পঙতেনে তেনবা মতমদি নত্তে। ঐনা মফমসিদা থুংলবদগী যুমথোঙ খুদোং চঙদুনা হাযজক্ববনি। কনামত্তনসু ঐগী ৱাদু মনাদা হাপ্লিদে। ঐনা অদুক যাম্ন' ঙাঙজ-শকচবদু হন্না ফাওনা য়েংথোক্লবক্তে। ঐসু লাক্লিবনি মফমসদা লৈনবগীদমক। অদুবু কদাইদনো ঐনা লৈগদৌবিবা। অহাঙবা লম মচেৎ অমফাওবা লৈখিদরে। লোইনমক খোপচিন্নখরে। কৈসু নত্তবদা দলাল চাউনা শাজিন্নে অদুগা অগৌ অচৌবা কা কযামকম কবিসু শীজিন্নদনা মিবাং থুহন্দুনা থম্মি। ঐনা হাযজনই,

— কদাইদনো ঙসি অহাং 'অসিমত্তদি লেঞ্জখিগে কৈদৌবগে। হযেং নোংঙানবা যাই ঙান্দবা যাই তন্না অদুম হনখিগদবনি

— কনানো? কৈনো? চৎলো চৎলো স্বাযদা লৈবমকা লৈতে।

অসুম্না যুম খুদোংদগী ওকশম পাযবগী লাক্কুনা ইহৌবকই। কনাগুম্বনা ঋা শুকণ্ডা ৬ ওাঙদনা থোংশিংদু গম গম থিংজনখি। যুম অমদা অহল অমখক্তংদি ঋা ঙাঙলকই,

– চুপ্নি হৌদ্রঙো। অহীংসিমগী নানি। ঐখোযসু অহীংসিমত্তগীনি। হযেং যৌবা [illegible] যৌদনা [illegible]। থনা হনখিগনবনি।

অদদি [illegible] অসিমা লৈনমিন্নবদা কযামুক কাযবগে? ঐদি নৌনা থুংলবনি ঐগীসু [illegible] কৈদৌবগে

[illegible] হৌদ্রঙো। যেংঙ্গুদনসে লমসিদা কদাইবাইদা খজিক্তং হাঙলিবগে

– অদু ওইরবসু অচৌবা কা মযাম অমা হাঙদুনা লৈরিবসিদি

– সিদি ঐ খোযনা শাজবনি কদাইদগী

অদুদি অনৌবা লাবপমখৈদি কমদৌবা

খঙদে, [illegible] বাদি ঐখোয সুমখদা খল্লুদে। খনফম থোকই হাযনসু নীংদে। [illegible] কানবোহি

কদাইদা [illegible] দৌবিবরো

খঙদে খঙদে নঙ থোক তৌকুচো

[illegible] কদাইদসু [illegible] থাবকপা নৎত্রা। ঐগী খক্তা পাযখিবা পাবমিসন [illegible] পৃক্লাংদা থৌনা অমা লাক্রদুনা [illegible] চঙলগা হাযকই

ঐগী [illegible] অমা [illegible] পীগদবনি

[illegible] যেংলকই। ঐনা খোন খবা কনখৎনা অমুক [illegible]

এনা [illegible]। ঐগী [illegible] অমা শোযদনা পীফম থোকই

[illegible] দোক্লুনা [illegible] হাযবকই,

– [illegible]

মফমসিদা [illegible] ঐগী সু বাইত লে

— কবন্না

– কবন্না হাযবনু মফমসিদা ঐ থুংলাবিবসিনি। অদুগী মথক্তা পাবমিসন অমসু যাওবি

— কৈদৌনবা পাবমিসন

— মফমসিদা লৈননবা অথবিতিনা পীবা

যাম্না শাথিনা কবেম্নবগী মীনোক অমা ফাকে যাক নোকাশম্লকুগা কবিমং ঊশিং থওইদনা হাযবকই

— চৎলো চৎলো কদাইদগী অঙাওবনে। হৌজিক্পু কনাগী অথবিতি।

ঐ ভাব তাদ্রে। অথবিতি হাযবা অমা লৈত্রব্রা। ঐ থাজবা ঙমদ্রদনা পাল্লক কোন অমদা চঙলগা তেলিফোন তৌবম্মি। ঐনা হন্না হন্না কৌই হলো হলো হলো। কনানসু কবিমত্তা খুম্লক্তে। অথবিতি লৈতে হাযবসি চুমলে। লৈবগবু সম অসি ঙসুম্না ওইগদ্রা। অথবিতি অমা লৈ মহাক্লা নিযম চুম্না লৈবাক পুনি হাযবগা খুদম অমত্তসু লেতে। অদুদ ঐ কবম্না লাকইবা। ঐনা খল্লম্মি — ঐসি অথবিতিনা খাবকপানি। মসি চুম্লমদ্রে। অচুম্বদি, কনিগুম্বা তাঞ্জা অমদগী ঐ মফমসিদা থুংলবানি। মাম্নি। ঙদুদ মখোয় লোইনমকসু তাঞ্জা অমদগী লাকপনি। মখোযনা হেন্না চাউনবগী মবম কনিসু লেতে। ঐগাসু জাগা অমা ফংফম থোকই। অদুবু থোঙ পুম্নমক্তি লোনশিনখ্রে। কবিনো ঙাঙদ্রা। থোঙ অমা হেক্তা কাওখাযবসিনা কবিনো তৌবিনসি, অতিযাসু নশক মশিং নামি ওকি নাদ খঙহৌদনা মাযগৈ পুম্নমক শুক শুনা মমশিল্লবনে। মং মবা লনচংনানী নুংশিসু ডপ দব শাৎচিল্লাক্ল। চেন্নবা লম্বী লেতে। চঙনবা যুম লৈতে। হকচাং দা চেনবা ঈ মহী মনাগ নম্নমক খ্রব খ্রক কশিল্লক্লে। অসিফাওনা তুমিন্না অসুম লৈবগদ্রা। মখোযনা এগী নাকল পীদ্রগা ঐনা তুমিন্না হেক্তা লৈবগদ্রা। থোঙ অমা কাওখাযবগা নমদুনা লৈফম থোকই। থোঙ অমত্তং ওইববসু কাওখাযবগা নমদুনা চঙবা ঙম্লবোইদা থোঙ অমত্তু ওইববসু কাওখাযবগা। থোঙ অমত্তং ওইববসু

।।১৯৭৪ মে ২৭।।

ঈশিং

ঈশিং অসি কদাইদা ফংগনি।

অসুক চাউখবা সহরগী অসিগা [illegible] ঈশিং [illegible] ওল্লবোইদ্রা? ঐবু কবিনো তৌগদবা।

[illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]। অস্তুব চল্লবা সহবগী নাল্লবা লৈমানখত্তুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লবোইগী নীংলবা বাংলবা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] চাউবনা সোবোকশিং অসিদা [illegible] [illegible] [illegible]। কুব কুক ইন্নু ইন্ননা মশীং থাঙমদ্রবা [illegible] [illegible] পাইনখি অসুক থুনা চৎলিবা ঐ অসি [illegible] [illegible] [illegible] নাকোংঙ শীংতা যৈবরসিদা কনা কনানো [illegible] [illegible] লোক খেবি। কবিনো তৌবিরসি। [illegible] [illegible] মাং [illegible] লংলবা মচু মচুগী মীপনা ফেৎ ফেৎ হাইবি। অব বা অসিনা [illegible] [illegible]।

ঈশিং। ঈশিং অসি ইফং ফংলবোইদ্রা।

সহব অসিগী প্রজাশিং অসি করম তৌবিবনো। মফম মবাঙ খঙদনা পঙলাঙদা লাঙনবি। মখোয অসি কবম্না হিংলিবনো। মৈশানা খ্রক খ্রক কংলবসিদা কনামত্তসু খৌবাংনবগী মতৌ উদে, খৌবাংদবগী মতৌসু নত্তে।

ঈশিং

ঈশিং কদাইদা ফংগনি

সেনচুরী ষ্টেন্দার্দ হোটেল

স্পিসিয়েল কেবিন অমদা ঐ ফম্লি।

— বাপু কনি

ঈশিং গ্লাস অমত্তং

— ঈশিং।। মদুবু ঐখোযগী মেন্যুদা যাওব্রা

— মেন্যুদাদি যাওদে

যাওব্রা তৌবিগদ্রা

মদুদি ওকায়ে

ওকচরে পমওক ওকচরে। খুৎশেমগী মইশিং অসিনা খৌবাংবসি কোকহনব সুকচম চঙদে। নযাবক থক্রবনি চা কফি স্কাস জুইস মখল কযা। অদুবু কেদৌঙৈদসু খোনা বসি বোক্কে। সহব অসি শানবা খুংলক্রবনি। ঈশিং গিবতদা। কদাইদা অমুক চৎকনি। বেষ্টবা অমখক্তংদি লৈনি

এপোল্লো-লুনাখোদ বেষ্টবা

কেবিন নম্বর বান।

নাক্তা কনানো অমা লৈপ্রে, নমাত্তুনা বাতং হংবগুম তৌই।

— ঈশিং

ঙৎরক্কী মনুংদা গ্লাস অমা মাঙদা থম্লে

— মসি কবিনো

— ঈশিংনি

— নত্তে, ঐনা হাযবদি মসি নত্তে

- মসি নত্তবা কবম্বা ঈশিংনো

ঈশিং মশব খঙদ্রব্রা

– খঙদে সি নত্তবা ঈশিংদি ঐখোয় খঙদে

ববিনো তৌবিবসি'বা। কদাইদা ফংগনি। যেস অমদি ঐনা হুন্দোক্লম্মি থার্দ ক্লাস হোস্টেল অমা ঐ চঙলমদবে।

হেক চঙখিবগা মেনেজর।

কবিনো বাবু

ঈশি খবদং পাথকউ

মনেজর অদুনা ফাব ফাক লোইদুনা নাঙবকত্ত

চৎ।) কদাইদগী হাপওবনো / হুজিনপু কপাইদগী। ঈশি লো/ ঈশিং সুকলৈ নেতে।

চংখো। এগাসিদা • ই ত্তম্বা অপঙবা চত্তেদে।

খাদ য়াসি। ৩৩ নখোমন্দি বদাইদগী ঈশি মশক খঙগনি

নর্ই বাশি দু পজোন্দা যাম্ন চো য • হোই।

কবনো চাগদবাম।

(… আসি ৮। ি দ•। চর্ই পচো কলানো অ••। কীবকই

অমুক্তা ডাই খো লো নিপা অমুঙ। ঢাইখো

তঃ।। যে খোকীখবদা মশক নত্তী ফচববা নপী অমা উবকত্ত

কবি খিবনো

অশি। পিু ঈশি খবদ পাথবাউ তমা

ঈশি।

প .নীপ বপ চবম ক প

নুপী অদুনা ঐবু খৎ হুনা িবাম্ম কেপা কা অমদা ঐবু ফমহল্লগা ফজববা গ্লাস অমা পুথোবদুনা লোনশিল্লবই

মসি বাব না

নঙনা খীবাচিনদু

— নত্তে সি নত্তে ঐনা খৌবাংলিবদি

— নঙনা খৌবাংলিবদি কবিনো

— ঈশিং

- সি ঈশিং নৎত্রবরা

— নত্তে

নুপীদুনা ঐঙোন্দা উশিত্তবগা লোয়ননা করেম্নবা মীনোক অমা নোকশিল্লকই

— চৎলো অঙাওবা

অদুদগী থোঙদু লোলশিনখ্রে।

কবিনো তৌগদবা।

চমন্নদুনা লেপ্লিঙৈদা জ্ঞান যাম্না তাবমগদবা মানবা হেন্দুলমেন অমা লাক্লা লাকই, ঐনা হংই,

করিগুম্বা অমত্তা হায়জগনা

করি ওইবিবনো

সংবসিদা ঈশিং কদাইদা ফংগদগে

নুপাদু ঐঙোন্দা ঙসি হোৎহাক নংলম্লগা বাবিতম্না পাউন্নুম অমত্তসু পীবগদনা চংখ্রে। অম্বী চংলম্বা অমনা চঙশিল্লকপা ঐঙোন্দা হংই

করি হংবিবনো

ঈশিং

- লাকপিয়ু

মহাক্কী মতুং ইল্লম্বা। কা অমদা ফমহল্লগা থ্লাস অমা পুথোরকই।

মসি কবিনো

- ঈশিং হায়বিবদা

- সিদি নত্তে

থকচিনবিয়ু। খৌবাংবা কোক্কনি

ঙাকপিগনি

কা অদুদগী থোরক্লুনা অমুক চৎপা হোবে

ঈশিং

ঈশিং খরদং পীথকউ। খৌরাংবনা কংলে।

কনানো অমা মাঙদা চৎলি। নহানি। ঐনা লাউই

— অমুক্তা ঙাইবিখো

নহাদু লেপ্তুনা ঙাইরি।

— সহরসিদা ঈশিং কদাইদা ফংগদগে

— এঃ ঈশিংগী ঈশিং ঙাক্তনি। চঙডুনা হোটেল অমদা হেক্তা

— ফংদ্রে। মখোয়না পীবা ঈশিংনি হাযবদু নত্তে ঐনা থিজরিবসি

— ফংলোইদবা ঈশিংদুদি করিগী খৌরাংলুরিবা। অফংবদু থকচিল্লু

কবিনো তৌগদ্রা!

সহর অসিগী মী মানদবা, শক্তা অমা ওইনা তৌবা অমনা তান্নরক্কুনা হংই,

— করি থিদিবনো

— ঈশিং খবদং থিজবনি

— ঈশিং! ফংলরোইবু! কুইখ্রবা রানি মদু। অদুমকপু অসিদা অমুক্তংদি হংবিরু

মহাক্না তাকপা য়ুম অদুদা প্রপ প্রপ চঙশীল্লুই। কনানো অমা ফমদুনা লৈরম্মি। অহলনি। মাগী মশক্তুসু সহব অসিগী মীশিংদগী পৃংতোপ তোপ্পগুম তৌই। ঐবু হেক উবদা

— ঙাইখো, চঙশীল্লকখিনু। করিনো, করি পাম্মি

— চানবিদুনা ঈশিং খরদংদি পীবিয়ু

— করি? ঈশিং? লাউ মল্লোরউ

ঐ মনাক্তা চঙশীন্দুনা ফম্মি। তপ্না হংলকই,

— ঈশিং থিবরা নঙবু

— সহর অসি শীনবা খুনো থিরুরবনি। কাইনথংদা অসিদা লাকচরিবসিনি

— করিগীনো নঙনা ঈশিং থিরিবদি

— খৌরাংবনা কংলে

— তশেংনা খৌবাংলবরা

— লৈবরদি খবদং

— কদাইদগী ঐগীদা লৈগদগেনে। ঈশিং পীবা ঙম্বা মী ওইববদি ঐ অসুম্না লেগদবা? সহবসিদা ঈশিং থিবা হেক ফংলবোই। সুকফংবু ফংলগোইদা। সহব অসি শেমগৎপদা পাৎ তুবেল পুন্নমক লৈবোন চনগ্রবনি। তৌখায়দুনা থিবর্দি লৈবমগদ্রা? অদুবু কনানা ঙম্লগনি। অদুমকপু সহবসিগী বাংমদদি ঈশিং শোযদনা ফংগনি হায়। নও চৎপা ঙমগদ্রা?

সহবসিগী বাংমদা ঈশিং শোযদনা লেবম্বা যাই।

— ফবে, ঐ চৎচগে

সহবসিগী বাংমদদি শোযদনা লেবম্বা যাই

কাবনো তৌবিবসি। সহব অসি লাম্থোক্কে হায়বগীদমক্তা থা বা নোংপোক নোংচুপ খুলে অদুবু কদায সহবগী বাংমদি। চৎপমখৈ চৎনুবগা সহবসিগী মনুংদা লেশান্দুনা [illegible] লৈবসি। লাম্থোকপ হায়বা অমা ইঙম ঙমদি

নমৈথঙদা হোৎনবমখৈ হাংনবা তুংদা সহবগী চিদাইদা খুংলুবে। অদুবু চেকপল, বংলবা চেকপল। খাদা চৎলি চেকপল অবাংদসু চেকপল মানাই। খুদা মক্তা চেকপল। [illegible] মদোন পক্লা বাংলবা চেকপল অমনা সহব অসিগী অকোয়বদা থাজিন্দুনা [illegible]। মসি কনপ্লা লাম্থোক্কনি

ঈশিং

সহব অসিগী বাংমদা শোযদনা লৈবম্বা যাই।

অসুক চাউখ্রবা সহব অসিগী মনুংদা, বাং চাউববা ২ বা দলান মনকসিদা ঈশিং থিবা ফংদ্রে। ফংলবোই।

নত্তে, ঐবু মমুং তানা থিদ্রব্রা। থিবা যাবমখৈ থিববা নৎব্রা।

কবিনো তৌগদনা

সহব অসিগী নাংমদা নাহ্নোত্তুনা থিকবা ওইথোক্লিন্দ্রা। সহবসিগী বাংমদা শোযদনা লৈবমগদা।

োগদবসি কনিনো।

।।১৯৭২।।

সহর

মফম অমত্তং। ঙহাক্তং ওইবনসু স্বব চনীং তানা খোনবা ফ গদবা হি গদবা মানবা মফম। থিবা ফংদ্রে। কবি তৌগনি। হনথ্রসিবা? কদাইদা হনগনি? থাযনগী যৃমদুদা। থাযনগী খুন অদুদা, উমংদুদা। মদু ওইথোকলিব্রা? খুনদু, উমংদু থাদোকলম্লগা যাম্না বানা সহর অসিদা থুংলবনি অনৌবা মপোক অমগী নুংঙাইবা আশাদা।

আশা যাম্না তৌকুই, নুংঙাইকুই — চাওখৎলবা সংবদা থুংলরে খন্দুনা। অচৌ অচৌবা অরাঙবা যূম, মচু মচুগী থাংমৈ। মফি নাপ্লবা ভদ্রলোক ভদ্রমহিলাশিং। হৌজিক্তি কদাইদনো অমা লাক্লে। ঐ নংত্রগা মফম অসি।

অচৌ অচৌবা অরাঙবা যূম, মচু মচুগী থাংমৈ। অদুগু ডবির্বান মঙাল্লি হাযগদ্রা। হৌজিকতি হন্ননবা পাম্বে লৈতে, লৈননবা মফম অমদি লিবা তাই।

— হাঙলিবা কাশিং অসি যেংবিযু। অপাম্বা অমা খনবিযু।

— কবিনো, অসুক মোংপা অসুক নমথিবা কাশিং অসিদা কবম্না লৈগদৌবিবনো?

— কবিনো অদোম্বু করম্বা মীনো? অদুক শাথীনা পঙলগা সহরসিদা করম্না হিংগা দৌরিবনো? সহরসিদা লৈরিবা হোটেল, বোর্ডিং পুম্নমক অসি ঙাক্তনি। খ্বাইদগী ফরে হায়বা অমা থিবিরুচো। অমহাই অমহা অদুম ওইরমগনি।

— অদু ওইরবসু সোমগীসিদি ইনৌ নৌনা হাংদোকপিবনি, খরা লূ-হেন্না হোৎনবিবা ফেদনা।

— হুঁ হুঁ ঐদি অদোমগুম্না পঙবা মীদি নচ্চদে। অতৈ পুম্নমক্না মোৎলগা ঐগীনা লূহনবা হায়বা ৱাফমসি শেল শাথীনা মাঙবগী ৱানি। অদোম্না লৈবিনিংদ্রগা তোকপিয়ু।

— ঐ লৈজররোই।

— অদুব্রু রা অমদি হায়জগে। অদোম্না ফনা থিদুনসু সহরসিগী মনুংদা অরূবা মফমদি ফংলরোই। অপঙবা তাদুনা তোক্কনি। অদোমদগী হেন্না শিংবা মী পুম্নমক অদোম্না মোৎলে হায়নিরিবা মফমশিংসিদা লৈনরিবনি। সহরসিদা লৈবিগদবা ওইরবদি ময়াম্না লৈনরিবসিগুম লৈবিবা তাই, নংদ্রগাদি

— ফরে ফরে তোকপিরো।

কযাদা শাউনিংঙ্গ্রবা। কয়া নুংশিখিদ্রবা। ইকাইবা খঙদ্রবা মমায়দুদা তিন শিংচানখিংখি। অদুগ্ন মহাক্না চাবদুমক্তি খোক্লে। মচু মখল মখলনা লৈতেংলবা ৱাংচাউরবা দলানশিং — বোর্ডিং লোন্দগ পুম্নমক যেংলুরে। মপানগী লৈতেংনা মীৎ থকহনবখক্তনি। মনুংদি ইমান মাল্লে। কদাইদনো ঐনা হৌজিক চৎকদবসি।

ঐনা পঙচত্তা চৎলিবসিনু কদাইদনো। পম্বুংফম অমা লৈরিব্রা। মী ময়ামসিসু পঙচত্তা চৎনরি। কদাইদনো? কদাইদনো মখোয়না চৎলিবসি। মখোয় খূদীংমক্কী পম্বুংফম অমমম শোইদনা লৈরমগদ্রা। মখোয়না অসূক য়াম্না তহা তহারিবা তথক তথক্লিবসিনা করিগীনো। করিগুম্বা অকিবা মিপাইবা অমনা লাংগোই চনখ্রবগুম তৌরি। মখোযসু পম্বুংফম লৈতবা, থুংলুনবা য়ুম লৈজদবা লমলানবা ঙাক্তরা। ঐদি? ঐ হৌজিক কদাইদা লৈগনি?

— অদোম মীনৌ মাল্লি?

— য়াম্না নৌবদি নচ্চদে।

— সহর অসিদা লাকপিবা কয়াম কুইবিরে?

— ফনা কুইবে।

-- কদাইদা লৈবিবি?

— লৈফম ফংদ্রি।

— অফবা লৈফম পাম্বিববা?

— থিবিবনি।

— হোটেল ভেনস যেংবিব্রা? খ্বাইদগী ফবা লৈফম কা খ্বাইদগী অপ তু দেত। খ্বাইদগী ফবা অচা অথক।

- কবন্না থাজগনি? ফবে হায়বা হোটেল, লৈফম অযাম্বা যেংলুবে। মপানথোংদা কেবতনি, মন্যংদি মোৎতবা যাওবমদে।

-- অতৈগা মান্নবোই। যেংলগা শঙ্গবিনি। যেংব [illegible] বিয

— [illegible]বগিদি যাই।

অচৌবা [illegible] খ্বাইদগী বা [illegible] থাকা

[illegible] হাম্বগা [illegible] সতলসিংগী [illegible] থাজদ্রে।

বেস্তুবাঁ উবদা অদুম খঙবিংদি হোটেল ভেনসবা [illegible] লেঙশীনসি।

হোটেল ভেনস

— কা অনীশক হাঙলি সাব। কম নম্বর নাইনতি অমসুং কম নম্বর নাইনতি ফাইভ। যেংবিয়ু।

কম নম্বর নাইনতি।

খবদ, তক তনান্না উই। অসুক চোকথববদা মসি ফংলিবসি ফবে। মসিদা মতম খবা লৈবগা পাবা তেন্না ফবা মফম অমা থিবগে।

— ফবে, কম নম্বর নাইনতিসিদা লৈবগে।

— ঐনা হাযজবদুনি সাব অতৈগা হোটেল ভেনসকা চান্দম্নবা যাবেই পোথাবিবো। লক্ষ্ণ, দিনবগীদমক্তদি বেস্তুবাঁদা লেঙশীনবিয়ু।

সহবসিগী মীওইশিংসি ঐ ভাব তাবা ঙমদে। কা অসিবু যান্না ফবে হায়না খল্লিব্রা? অফবা অব্দবা কবিনো হাযবদু মখোয তশেংনা খঙজদ্রব্রা? ঐদি? ঐবু সিদগী হেন্না ফবদা লৈবমব্রা। ঐ কদাইদা লৈবম্বগে?

ঐ কদাইদা লৈবম্বগে। মসি থিক্কবগী কান্নবা লৈব্রা? লৈতে। ঐনা পাম্নিবদি হৌজিক হৌজিক যাম্না তক-তহেনবা যাম্না ফবা মফম অমদা লৈবনি।

— সাব, দিম্নব চাবিগদবা ওইনবদি লেঙশীনবা যাবনি।

মখোযনা ঐগীদমক্তা বাবিব্রা মখোযগীদমক বাজব্রা? মসিসু সহব অসিগী খঙবা ঙমদনা মনমচং অমনি।

ভেনস বেস্তুবা

যন্ত্রগী খোঞ্জেল। খোংলিবা যন্ত্রশিংসি কবম্বা যন্ত্রশিংনো। অমুক্তসু তাখিদ্রি। কনানো মখোযসিনা। কবি শকফমনো মখোযসিনা খাইদগী বাংবা থাক্কী কন্তমব। কনাদনো মখোযনা যোংশীনদবগুম যেংলিবসি। মীওইবগী মীৎলনে মখোযদা পাম্লিবসি। কবিগীনো মখোযনা অসুম্বা যেংলিবা নী। থাকহৌনসিবা।

সাব কেবিনদা লেঙশীনবিবা নাংনি।

ন্যা।

সিক্সতিন লেগ

সিক্সতিন থাই

স্পেসিয়েল ব্রেস্ট

স্পেসিয়েল বেলি

সেভেনতিন লেগ।

ভেরাইতিন চিক

অৱাংবা থাক্কী কন্তমলশিংগা চীং লেম্না ওনদব তৌবি

নাইনতিন কতিং অঙম

সিক্সতিন ব্রেষ্ট অনা

ব্রেষ্ট স্পেসিয়েল নবি

সম্ভেনতিন বেলি অমা

সিক্সতিন মফে অনী

ব্রেষ্ট ফোবতি স্পিসিয়েল অনী

ব্রেষ্ট থাবতিসিক্স অমা

নাইনতিন মফে অনী

মথাক অমা ফোর্বতি স্পিসিয়েল

কবস্বা মখলগী চানবা পোৎনো ময়মসিদা চানবিবসি। হাই কবিনো? কবিগী মখোলনো? নুপীনি। নুপীগী খোঞ্জেল অমনা অকিবা ফংনা লাউ খোংলি। ওক্লনে। ওক অমা হাৎলিবা জাৎলা। নুপীগী খোঞ্জেলস্ মাল্লি, ওক্লা খোংবস্ মাল্লি। মীনিদা নুপীগী খোঞ্জেলনি চৈনা খাঙলিবী। মবকসিদা যন্ত্রশিংসিসু হৌনা যাক্লা খোংলি, দ্রমশিংস্ কল্লা যৈশিল্লক্লি।

- তাকপিয়ু সাব

বেটন অমা মাঙদা লেপ্লে

নাখোযগীসিদা চানবিবা যোল্লিবা পোৎসি কবিনো।

বটবনা ঙক্লপ যেংলকই, নোকমি নোবমিস্ তৌই।

— অপাম্বদা হাযাবিয়ু। মেন্যু যেংবিয়ু। অমুক লাকচগে।

বেটব থোকখ্রে। থংনবা কোবিনশিংদা ওবদব তৌবিবশিংদু তাবা ফংই

সম্ভেনতিন হিপ। ভবজিন বতম। ভাব তাবব্রা।

ফোবতি ব্রেষ্ট। মদুস্ ভবজিন। ভবজিন ব্রেষ্ট। ঐখোয ভবজিন পাম্মি।

ওবদব তৌবিবা মখোয অনা মহুমদু থবায তানা নোকখি। নোক্লিবশিংদুদা নুপীগা খোঞ্জেলসু যাওবি। তৌবিবসি কবিনো। চহী ত্রশাতকক্কী মথা, ফেবোম, নান্দু কবিনো হাযলিবসিনু। কবিনো ঐ ভাব তাদ্রে। ঐবু মঙ মঙলিব্রা। ঐনা লৈবিবসিনু কদাইদনো। ঐ মফমসিদগী থোকহৌবনা যবে নত্তে, মসিবু এনা পামজবা মফম্না। মফমসিদগী নাম্থোকহৌবনা খাইদগী ফবে।

এ হৌজিক কদাইদা চৎকনি। ঐনা থুংলাবিবা মফমসিনা এবু লোশানবা ঙমদ্রে, ঐনস

চঙবা ঙমদ্রে। কদাইদনো ঐনা চৎনীংলিংসি। চৎনী়ই। কদাইদনো অমা চৎনীংই। অসুম চৎপা অসুম চৎপা। কদাইদনো খঙদনা। অসুম চৎপা

— ইবুংঙো নঙ লম্মাঙনবত্রা যাম্না চোকথনা উবে। লাউ প্রসাদি খবদং খুল্লখো।

লইশঙ

লইশংগী মপুং। মশাগী লাইহৌ মুত্তশিং। মানুংশি অমসুং ভাকপিবগী শকফম। মসিনা কবম্বা মখলগী লৌনমনো।

— ইবুংঙো প্রসাদিসি খবদং যংউ।

– কবিনো সিদি।

মহাপ্রসাদিনি। খুম্লু ইবুংঙো। মসি নত্রবা ঐখোয় হিংবা ঙমলোই।

মহাপ্রসাদি। খুৎশা মকক মকক। শাদোং মচেং মচেৎ।

বিনো মীওইবগী শাদোংনিসিদি

হায়রিদে হৌ ঙো মদু হায়রিদে। মহাপ্রসাদিনি

কবিনো তৌবিরসি। কবম্বা শাদোই ভাবোইগী মিদম অমদা ঐনা থংলকপনো। ঐনা পুম্নমক লাকহল্লবা ঐনা ওয় তৌনবা উবরা। ঐনা ওন্নবা। ওইনিবশিংসি মহৌশাগী ওইফম থাবপনা

মদু পানদ্রবসি ইবুংঙো নঙ কবম্বা হিংগনি মসি হৌনদ্রবদি নঙ হিংদবা তাবনি। মবে অথন্নবা প্রসাদ খাদাক

লইশংগী মপুং ইদানো অমা চঙখি তাঙাসিদা এ ঙাক্লৌবগে

হাই নিপা

কনানো লংখাই

ঢেকশাপু। নংঙ শংদনা নখায় মাঙবা তাগে। লাউ প্রসাদ প্রপ থোবকউ। ঐগী ইতুং ইল্লকউ

থোকপদি থোবক্ল অদুবু লম্মাংবগী ফিজোল শেৎপা নুপাসিগী মতুং কবম্না ইল্লগনি। মহাকপু কবম্না খঙলগনি।

-- ঐবু লমচীবিদ্রবসু যাগনি। ঐ ইমান্না চৎচনিংগে।

– হাই অপঙবা। নংগী লম্না খঙব্রা উপাই লৈত্রবা অনাবা তাববা মীওইববু কনবিবা ঐগী লেপত্রবা ধর্মনি। ঐ যাদৌ। নংগা দমক হায়বিবনি ঐগী ইতুং ইল্লকউ।

লম্বী অমদগা লম্বা অমা। মথং মথং। অদুদগী নমথিববা খূদনা গলি। ইমম মম্বা।

– কবিনো বাবাজা অসুক নমথিদ মমাসিদা ঐ চঙবা ঙমজবোই।

— পঙগনু নিপামচা। নখায় হিংনেদা লম্বী খিবদা নমথিবা অমোংপা অমুক যেংলুগদবা?

— নত্তে, অসিগুম্বা মফমদা চঙবা ঐ ওম্মোই।

— অঙকপা মীনি নঙ। নঙনা পাম্লিবসি কনিনো? নঙ নশা হিংবা পামলা? অতোপ্পগী চাঞ্জাক ওইবা পামব্রা?

— কবি হাযবা?

— খঙলে। নঙগী কান্নফম চপ চানা খঙলে। লাউ।

কবিগী। কবিগী ঐগী খুদাঙদা কন্না পাম্শীল্লগা চিংলি া। কদাইদনো। ঐবু পুনিবসি। পীক্রবা লম্বীসি অসুম হেন্না হেন্না খুজিল্লকলি অসুম মমশীল্লকলি।

— কৈনো। কদাইদনো ঐবু পুনিবসি?

— বা ঙাঙগনু

হৈস, চৌন মেনশিনখ্রে খীন্না ংলপ যখে। ংশীল্লকে। থাদো। থাদোকত না হাংকনু

অ অ অ উ

– শিদ্রিব্রা এঙ্খাং। চো গনু।

নত্তে নত্তে মসি যাদে। মসি যাদে কনিনো তো জা লাউদ। না নি শা না শানা পানবা যোংকী খৎ অমনা গনী। মাম নশা পাশীনখ্র। লাউবখাঙনা ইমদ্রে। পাঙ্গল হা ঐগী পাঙ্গল

খো গনু। চাংগনু। থাঃ থাঃ

ও ঐসু। ঐসু এপ্পাং ওইবা তাবা। লাউনবা পাঙ্গলা। ওনা লেএবা। কযাদা নোক্লীংখ্রবা। হৌজিক্তি নোক্লীংলক্রে। ঐনা মফমসিদা লাকখিবা কবিগীনো। তমথিবা খুৎশিং অসিনা অসুক হন্না কনখিবসি কবন্নো। ঐনা কদাইদা শোযখবগে? ঐনা লানব্রা? মখোযনা লানব্রা? হে সহব নঙনা ঐবু হাংকনু। ঐনা লাকখিবদি মীশি অসিগীদমক নত্তে। অসুম্না লোইবা চুমব্রা? অসুক নোক্লীংনা। অসুক পাঙদনা। অদুবু কবিনো তৌগদবা। খুৎপায অসি ওস্তোন্না চেৎখ্রে। মসি ওইদুনসু অসুম্না লোইবদি চুমদে। লোংখাক লোংনা হাইথুখিনবা খংকাও অমুক্তে কাওশীনফম থোং? কন্না খাদুনা মফম চানা অমুক্তং কাওশীল্লমবা চুমদ্রা?

হে সহব ঐবু হাংকনু।
ঐগী য়ুম অমত্তং পীনু

॥ ০৭৪, মে ১০॥

হোটেলসিগী ৰারী

হোটেলগী সিনান্দা নখ্রা চাউবগী ঘড়াগী অবেপ্পা লৈতনা উংলিবা কাটাগী মখাদা মশাং থীডমদ্রা মাশিং না নাগী মাগী পাত্রশিং থাংগৎ থাংগৎলুনা থক্লবি। মশীং থিওমদ্রবা পাত্রশিংগী মখুংদা মথা মথক্তা ইমাং মায়না মচু পঙখেন খেন্নদবা কয়াসু যাওবি। মী কয়ানা থোকখি। কয়া অমনা নোনা চংলকই। ঘড়ী অসি চহী কয়া পুক্সিবক্লবনো মখোয হায়বদা উমদে। অদুগা মাশিংসিং মাগী মাগী পাত্রশিংবু থাদোকপদি লৈবকত্রি।

১

'ওয়েষ্টাক' হাওশ্রন

'ওস্থাক্ক' থ্রুগত্র

পাত্রশিংদু মখানু দা চেংনা চেংনা থাগোন্নবকই। নুপা কয়া নুপী কয়া। নুপা খবা নুপী খবা মখোয মখোযগী পাত্রশিংদু শোক্লদুনা থবায তানা থক্লি।

"আঃ কয়াদা থুমখ্রবা:"

"হোটেল অসি কয়াদা নুংঙাইখ্রবনো। ফজববা হোটেল।"

"মমাঙঙৈদদি হোটেল অসি ইচম চম্বা খাংপোক অমা ওইবম্বনি।"

"খাংপোক ওইবিঙৈদসু নীংথীজবা খাংপোকনি।"

"ঙসিদি ফজববা দলাল ওইবে।"

"ঙসিগী ৱাং-চাউববা মীৎ থক্রবা দলাল অসিনা চুম্নগী ইচম চম্বা খাংপোকশঙ অমা ওইবিঙৈদগী হৌনা ঐখোযনা মহী অসি অসুম্মক থক্লব্রি।"

"মতম অদুদা ঐখোযনা মহী অসিগী চপ চাবা মহাও খঙখিব্রা?"

"ৱাহং অদুগী কান্নবা কবিনো? হৌজিক্কী ৱা হাযয়্।"

"ঐনা খঙই, মতমদুদনা মহাও অমনি। হৌজিক্কা মহাও অমনি।

"হৌজিক্তি কযাগী মতীক থুম্লিবা।"

"আঃ কযা হাউখ্রবা"

মাগী মাগী পাত্রশিংদু থুম্না চুপ্পবি। কাঙবু কাঙবু পুনশিন্নবদুনা হবাও তযাম্লি

' কযাদা নাতৈ চাখিদ্রবা।"

'কবিনো নাতৈ চাদবা হাযবদি?'

"অসুক নুংঙাইখ্রবা হোটেল, নুংশিখ্রবা হোটেল অসিদা ঐখোয অসুম লৈবা যাদে। হাউখ্রবা থুমখ্রবা মহাও অসি অসুম চুপ্পুনা লৈবা যাদে।"

"মদুদি হোংবা যাদবা নিয়ম্নি। মহৌশাদগী চৎনবক্লিবনি।"

"মসি অৱাবনি।'

"নত্তে। ঐগী পাত্রগী মহাও হোংখ্রে। যাম্না খাবে।"

মহাক্কী পাত্রদু মুন্না যেংলগা নাখাও শুকৎলম্মি। মহাক্না শোঙ্গে.

"ওম্বোক্না খারে ওম্বোক্নসু খাবে। ঐ হৈনদে।"

অদুবু মনাক্তা লৈবিবশিংদুনা মাগী ৱাদু বা ওইনা তাবিদে। যাম্না হাউনা যাম্না থুম্না মাগী মাগী পাত্রদু চুপ্পবি।

"কযাদা খোইথুম্নখ্রবা। ঐখোযগুম লাইবক ফবা কনা লৈবমখিগনি।"

থুম্না থকচরিবা পাত্র অমা খঙহৌদনা মুনখি। মখুত্তগী পাত্রদু মাঙখি। অমগা অমগা ইরাঙ লাঙনরকই। কাচিন অমদনা লাঙনরিবদু করিমত্তা তাদবগুমই। য়াম্না চীক্না মাগী মাগী পাত্রদু অদুম্মক চুপ্পরি।

"নত্তে নত্তে য়াম্না খারে। কনানা হায়রিবনো মসিবু থুম্মি হায়বসি?"

কনানো অমনা হৌনা লাউরকই,

"য়াম্না খারে ওঙ্হোক্না খারে। মসি অখাবনি।"

মাগী অকোয়বদা লৈরিবশিংদু অমগা অমগা ঙক্না য়েংনৈ।

"হায়রিবা য়াসি কবিনো?"

"অশেংবনি, মসিগী তশেংবা মহাওদি অখাবনি। মসিবু থুম্মি হায়রিবশিংদু মহাও খঙবা ঙমদবা ওইগনি।"

মী খরস্তু মাগী মতৌং ইল্লকই।

"চুম্মি, মসিগী মহাও অথুম্বা নত্তে। অখাবনি। অয়াকপনি।"

২

"ওঙ্হোর। খারে।"

"য়াম্না যাকলে।"

"অত্তুম্নি। ঐখোয়গী পাত্রসি অখাবা অয়াকপত্তনা থনবা পাত্রনি।"

"মসিবু ঐখোয়না থাদোকপা ঙমদ্রিবা করিগীনা?"

"অশেংবনি। খানবস্তু য়াক্লবসু পাত্র অসিবু ঐখোয়না থাদোকপা ঙমদে।"

"মসিদি সুম হেনগিবদগীনি। তৈনখিবদগী থাদোকপা ঙমদবনি।"

"মদু নোক্নীংবা বানি।"

থুম্লম্বা মহীনা অখাবা অয়াকপা ওইরক্লবদসু কনামত্তনা মাগী মাগী পাত্রশিং থাদোক্লদে। কাচিন অমদা মখোয় অমা অনীখক্তি মখোয় মখোয়গী পাত্রশিংদু ফক্লাংদা য়ৈশীন্দুনা থুগাইজখি। মখোয়বু অতৈনা ঙক্না য়েংনৈ। মখোয়বু য়েংলগা খরনা নোকই।

হোটেলগী মনুং নিনবা লাঙবা অসুম অসুম হেনগৎলকই। অমগা অমগা য়েংনবা

ঙল্লক্রে। ফমিন্নবিবা মশেল শক খঙনবক্রে। শংগু শংগু পুনশীন্নবম্বদগী অমমম অনীনী চাইথোরুখি। মফম অমদা মখোয খবা অমুক পুল্লুই। অদুদগী অমুক চাইথোকখি। অদুদগী অমুক পুনশিন্নে। ৱাহং হংনৈ,

"কমদৌই?"

"খাদেনা। কবিসু তৌদেনা।"

"নত্তে। যাম্না খাবনি।"

"মসি মী মীগী মতুং ইন্না মহাও খেন্নবজাৎলা?"

"মদু কবন্না ওইগনি। পোৎ অমগী মহাও খেন্ন-খেন্ননা লৈবা যাব্রা?"

"মাগী মাগী পাত্রগী মতুং ইন্না মহাও খেন্নবোইদ্রা?"

"অদুবু মসি খায যাকই হাযবর্সিদি অযাম্বনা হাযবর্বনি।"

হৌনা পোকখাযখিবা মখোল অমনা মী পুন্নমকপু খংপ্রেক খংনা চোংখৎহল্লি। হোটেলসিগী মনুংদা কবিনো অমা কান্থখবে কদাইদনো অমা তেক কাযখ্রে। মী খবনা নুংশাথিবা মীৎযেংগা লোযননা মাগী মাগী পাত্রশিংদু চেৎনা পাযশীল্লি। খবনা মাগী মাগী পাত্রশিংদু থৌ-ৱা শাদবা মওংদা থল্লি।

অবাবগী, অকিবগী ইনিল অমা হোটেলগী মনুংদা উব উক লৈশাল্লকই। মীশিংনা হোটেলগী ফক্লাংদা, লৈমাযদা তথক তথকপা মীৎযেংনা যেংই। খবনা সিলিংদা নপ্পিবা চোকথবা লৈত্রবা ঘড়ীদা চোকথনা যের্গল। খবনা অনাবওম তূকথববা মীৎফন্না মাগী মাগী পাত্রদা যেংজবি।

"নমথিবে পুন্নম নল্লে।"

"অপুম অশানা পীক থল্লে হোটেল মনুংসি।"

"মদু নত্তে। অপুম অশানা পীক থল্লবনি ঐখোযগী পাত্রশিংসি।"

"হোটেল মনুংসি তর্মথিনা মোৎপদগীনি।"

"হৌজিক্তি পাত্র পুন্নমক হাযফম খঙদনা মোৎলে।"

"নমথিবা মনন্না পীক থল্লে।"

মী অযাম্বনা মাগী মাগী পাত্রদা যেংবগী মহুত্তা অতোপ্পগী পাত্রশিংদা মুন্না মুন্না

য়েংনরি। অদুগা হায়নৈ,

"য়েংঙু মহাক্কী পাত্রসি কয়া মোৎলিবা।"

"য়েংঙু মহাক্কী পাত্রসি তুক্কচনীংঙাইনি।"

মী খরদি মখোয়গী পাত্রশিংদু করিসু কান্নদবগুম লংথোক্তুনা শান্নরকই। মখোয়না হায়,

"মসিনি তৌগদবা। মসিনা নুংঙাইবনি।"

"পাত্র অসিগী কান্নবা করিনো। মসি লংথোকখিবদা ঐগী করি মাঙজবগে? পাত্র অসিদগী ঐখোয়না করি ফংবগে?"

কাচিন অমদনা মী খরা মহৌশা মহৌশাগুম মাগী মাগী পাত্রশিংদু চেকশিন্না শেন্নরদুনা মহাও চুপ্লি, য়াম্না হাউনা অদুম্মক থক্লি।

৩

"পাত্র অসি করিসু য়াওবা নত্তে। মসি অহাঙবনি। পূমহাঙ হাঙবনি।"

"কবম্না?"

"মুন্না অমুক্তা য়েংশিল্লু, নঙ নশাগী পাত্র অদুদা মুন্না, ভাব তানা য়েংশিল্লু। করি য়াওই? করি ফংই?"

"হায়বা ঙমদে।"

"য়াওদবনি, করিসু য়াওদবনি।"

"হায়রিবদু ভাব তাবা ঙমদে।"

"অরুবা রা নত্তে। নশামক্কী পাত্র অদুদা থিংজিন্দুনা হুমজিন্দুনা য়েংজৌ। অহানবদা নঙনা করিগুম্বা অমা য়াওলিবোই নীংগনি। মমৈথঙদা করিসু নত্তে, করিমত্তসু য়াওদে হায়বদু শোইদনা খঙলক্কনি। মতমদুদা নথক্তা নোক্নীংবা পোক্কনি।"

"করিমত্তা য়াওদ্রগা করিগীনো থাংগৎ থাংগত্তুনা থক্নরিবদি?"

"মদুদি অঙাংমচানা হংগদবা ৱাহংনি। ৱাহং হংলগা ফংগদবা নত্তে।"

"পাত্র অসিদা করিগুম্বা খরদি য়াওফম থোকই।"

"মদুনা নঙনা খনবগী ৱানি।"

"করিসু য়াওদবা পাত্র অমা থাদোকপা তৌদনা থকপা ওইথোক্তে। মসি ওইথোক্তবনি।

কবিগুম্বা অমদি শোইদনা যাওবি।'

"কবিসু যাওবা নত্তে। থক্লিবা অসিদি হৈনবীনি। চুম্নগী হৈনবীনি। সুম থকপা সুম চুপ্পসিনা হৈনবী অমা ওইখিবনি।"

হোটেলগী মনুং অসুম অসুম মশক ওল্লকই। পাত্র কযা চাইনা চাইনা তাবি। মী খবনা মখোযগী পাত্রশিংদু ওন ওন্দুনা যেংলি। মী খবনা মথক মখা ওষ্ণোক্তুনা, উপথোক্তুনা যেংলি।

'অশেংবনি, পাত্রশিং অসি অহাঙবনি। কবিসু যাওদবনি।"

"মদু মীনা খঙবা রা নত্তে। অহাঙবা পাত্রদগী কবি থকপা ফংগদৌবিবনো? কবম্না মহাও ফংগদৌবিবনো?"

"থকপা হাযবসি ঐখোযগী হৈনবীনি।"

"হোটেলসিনা লেবিমখৈ মসিগী মনুংদা লৈবিবশিংনা থক্তুনা লৈবা ঙমলোই।"

'অদবু থক্লিবা পাত্র অসিদি অহাঙবনি। কবিসু যাওদবনি।

মতোমতা ভাব তাবা ঙমডব্রবা অমখক্লা মথম্তা হংজবি

কবিগীনো থক্লিবা? কবিনো থক্লিবা?

।। ১৩৭৮ ।।

অনৌবা খোঙউপ

খোঙউপ শাবা দুকান অমদা নুপা অমা নুপী অমগা খোঙউপ লৈবি। মসি চপা চপা চপকা দুকানগী দুকান আসদা চংদুনা খোঙউপ অমত্তং লৈবা হায়বসি মাপন থুদা খক্না থাদে। মবন্দি দুকানসিদা লেপ্না। খোঙউপ অমত্ত লৈবদি মীদুগী ইজ্জৎকী থাক অমা হাপকৎপা হায়না লৌই। অনৌ অনৌবা মওংগী খোঙউপ দুকান ওসিদা ফংই।

নুপীদুগা নুপাদুগা অপাম্ব খোঙউপ খল্লি। খোঙউপ যোননা নুপাদুনা মখল মখলগী খোঙউপ মযাম অমা পুখোঙ্লগা মখোযগী মমাঙদা থল্লি। নুপীদুনা অমমুক থিংজিন্দুনা যেংই অমমুক তোংশিন্দুনা যেংই মথুংদা অমা পায মখোঙদা অমা উপশিল্লি। মখোঙদা অমুক যেংই মথুংদা পায়বিবদুদা অমুক যেংই। মমাঙদা খিল্লিবা পাক্রবা মিংশেন্দুদা থাপাৎ খা পঙ্না হমা হন্না যেংই। মতুং ওন্থাড়না অমুক যেংই চেপথোক্লগা অমুকসু যেংই। যেংনা যেংনা যাম্না ওয়না হংই

সিবু যাব্রো?

সিদি ফজদ্রা?

সিবু পকচবব্রা হাযমি?

মাগী নুপাদুনা হায

— কবিনো নঙগী খোঙউপ্পু ঐনা খঙব্রা? নপূক্লীংনা তাবদু খল্লু।

খনবমখৈ খল্লবা, যেংবমখৈ যেংলবতুংদা মবুক্লীংনা তাবা খোঙউপ অমা ফংলে। হাযবকই,

— ঐদি মসিনা খ্বাইদগী পামজবে, মসি লৌবনি।

খোঙউপ যোনবা নুপাদুনা থাগৎলকই

— মেম সাহেবতি খোঙউপ খনবা যাম্না হৈবিখ্রে মেম সাহেবতা যাম্না পকচ খনবিবিবা খোঙউপতু

মনাক্তা ফম্লম্বা অঙাঙ অমনা ইঙক ঙক্লা হাযবকই

— খোঙউপ্পুদি নঙোন্দা চাস্ চাদনা

মেম সাহেবনা

হোযনে মসিদি ঐঙোন্দা চাদেনে। সিগা দিজাইন চপ মান্নবা মচুসু চপ মান্নবা অচাবা অমা পুথোক্পিবকউ

খোঙউপ যোনবদুনা হায

— মদুগুম্বা ঙাক্লনি মেম সাহেব। মদুদগী পীকথবস্ লৈ চাউখৎপস্ লৈতে

— অদুবু মসিদি ঐঙোন্দা চাদ্রিবসিদি

— অদুগা অতোপ্পা দিজাইন অমা খনবিযু যানি

— ঐদি মসিনা খ্বাইদগী পাম্মে অতৈদি অপাম্বা যাওদ্রে

— অদু ওইবগা মদু অদুম লৌবিনো মেম সাহেব।

নুপীদুনা মাগী নুপাদা ওনশিল্লকই

— কম্বাই তৌসি হাযবিনো?

— নঙনা খল্লিবদু নপূক্লাংনা তাববা নত্ত্রো?

— পূক্লীংনবুদি তাবে

– নপূক্লীংনবু তাববদি লৌবসি কৈদৌরাগে

— হৈমা। চাদ্রিসিদি?

কবিনো? চাবা চাদবগী রা অমুক হাযবিদুবো। খোঙউপ্পু চাদ্রগা কৈদৌগে? চাদ্রবগু নশানা পাল্লবদি অদুম তোংবদা কবি কাযবা লৈ?

নুপীদু কবিমত্তা খুল্লমদে। মহাক্না পামজবিবা খোঙউপ্পুদা মুন্না যেংদুনা লৈ। মখোঙদা থিংজিন্দুনা যেংই, হন্না হন্না য়েংই। তশেংবদি খোঙউপ্পু সুকচা চাদ্রে। খোঙউপ্পুনা মাগী খোঙদগী ফনা শাংনা হেন্দোক্লুনা লৈবে। নীংথীজনা কোল্লে। অদুবু মহাক্কী পুক্নীংদি খোঙউপ্পুদা চপ যুংদুনা লৈখ্রে। মাগী নুপাদুসু তোংশিল্লিবা খোঙউপ্পুদা যেংলম্মি। মহাক্না হাযনকই,

— ফবে কৈদৌবগে, নপুক্নীংনা পাল্লবদি অদুম লৌবসি। চাব চাদবগীদমকপু অপাম্বা খোঙউপ লৈনবাইদ্রা' মা পুন্নমক চাদবা খোঙউপ পীকথন্না তোংনৈ।

বনা কনা 'তাংনবিবা?

যাম্না ফে' নে। ঐখোযগী ওফিস্তা খোঙউপ চাদবা তোংদুনা মী যাম লাকই। ঐখোযগী এম এস সাহেবসু চাদনা খোঙউপ অমা তোংই।

খোঙউপ যোননাসু হায

অশেংবনি সাহেবনা তার্কাপবিবসি। হৌজিক্তি খোঙউপ চাব চাদবা হাযবসি কনানসু খিনদ্রে। খোঙউপ লেবা লাকইবশিংসি খোঙউপপু ফজবনা মশানা পাল্লবা রা ঙাঙদনা লৈথোখিনা ঙাক্তনি। মেম সাহেব। চায চাদে হাযনদুদি পীবইনা অঙাং মচাগী রানি

— অশেংবনিনে, অঙাংনা ঙাঙগদবা বাবু মানা ঙাঙদুনা লেবে। কেসু লৈত্রবা রাসিদা মতম কযা মাঙহল্লিবগে

অশেংবনি মেম সাহেব। কবিমত্তা চিংনবিকনু। মেম সাহেবসু খম্বদুনা যেংবিযু। মা পুন্নমক্কী মশাদা অচাবা কবিথ যাওবগে? মশাগী মমাযগী চানদবা মমাযগী মনাতোনগী চানদবা কযা কযা উবিবনদুমঙায। মনীংনা হেন্দোকপা মবুক্না ইম্থোকপা, মকোক্না পীকশীনবা অসিগুম্বা ঙাক্তা নত্রবে? ঙসিফাওবা কনানবু মমাযগা মশাগা চানদ্রে হাযদুনা মমাযদু হন্দোক্লখিবা যাওবগে? খোঙউপসি চাদ্রে, মেম সাহেবকা খোঙদু ককথৎলগা হন্দোকখ্রসি। যাবিনীংত্রা? পুক্নীংনসু পম্বিবনা, ফসু ফজবনা, পকসু পকচবনা খোঙউপ অসি কবিগী লৈবিদনা তোকপিগদগে?

নুপীদু মুন্না তাবম্মি অদুদগী হাযনকই,

— ফবে, ঐ খোঙউপসি যান্না পামজবে, ঐ শোযদনা লৌজবনি।

মাগী নুপাদা অমুক ওনশিল্লকই.

— খোঙউপসি ফদি ফবমগদ্রা?

নুপাদুনা চৈহৎলি,

— কৈদৌবগে নঙবো? অফ ফত্তগী বা অমুক হাযবকইসিবো। অপঙবা অঙাংদগী নঙনা খবা হেনখ্রেনে।

নুপীদু মখা তাদ্রে। খোঙউপতু যোমশিন্নবিবো হাযদুনা পীখ্রে। নুপাদুনা হায খোঙউপ যোনবদা,

— নুপাগী খোঙউপ অনৌবা দিজাইন খবা পুথোকপিবকউ

— ফনি

খোঙউপ খবা পুথোক্লুনা নুপাদুগা মমাঙদা থল্লবে,

-- সাহেব, খ্বাইদগী নৌবা দিজাইননি থুংলব্দা ঙাযবিবনি।

নুপাদুনা খোঙউপশিংদুদা মুন্না ওহাক যেংলম্মি। অদুদগী জুবা অমা তাপ পাযখৎলগা হাযবকই,

– মসি যোমশিন্নাবো

ফনি সাহেব

খোঙউপতু যোমশিন্নবা পুশিনখবে। নুপীদুনা হংই

হৌজিক্কাদুনা খ্বাইদগী পাম্নব্রা?

– উম

-- পাশক পীক্লিদুদি? খোঙনা অদুক চাউবগা

— ওহো নঙসিদি

খোঙউপ জুবা অনামক যোম্নগা পুথোবক্লে। পীগদবা মমল পীবন্নগা মখোয অনামক দুকান্দগী থোবক্লে। মখোযগী মাগথোঙদা নুংঙাইজবগী অমসুং নাপলগী ইপোম হৌবি। নুপাদুগী খোঙথাঙদা হেন্না চীং লেম্বগী খোঙ্হোক থোকহল্লি।

দুকান্দগী থোবকপগা সোবোক্তা চৎলিবা মী খুদীংমক্কী মখোঙদা নুপীদুনা যেংলম্মি। মী মযামগী মখোঙশিংদু যেংলুবগা হবাওনা নোক্লদুনা মাগী নুপাদা যেংজবকই।

নুপাদুসু মাগী নুপীদা চিংনা যেংলদুনা নোকচৎলম্মি।

।। ১৯৮০, আগষ্ট ১।।

নোং অসুম চুরি
অমসুং অতৈ বারীমচাশিং

নো অমুন চুবি/৫৩

খুশী কেখন মচা অমা/৫৫

মিবা/৬৩

খদোল/৬৭

পিগী মমল/৭[illegible]

মাচন্না যৌনা/৭[illegible]

[illegible]ী পাকনা মম ৭৮

পাহন খাগা ৮৫

মাগানু শানীসু/ ৯২

[illegible]শল ৯৮

[illegible] ১০১

[illegible]গাহিনবা/ ১০৮

তমিন্না লেনা/১১৩

অবাকা/১২৩

মণ্ডলাঙ্কবা/১২৭

[illegible] লোইবা/১৩৩

চুপাহি লেতবা/১৪৪

[illegible] চন্দ্রী মণ্ড/ ১৫৭

নোং অসুম চুরি

নো ঙৃথা ওইবক্তুনা নোং ইম মংই। অযুক্তু শি শা শি শা চাক খোংদোক্তুনা যেন্নাউ মচাগুম চি চা চি জা তৌবিবা মচা শংঙদুমা পীজখোকএ। মহাকসু ফু ফা থবা যোৎশল্লে। কৈথেন কাবা মতম ওইবক্তুনা মশম মনাদু কানক শাবক শিত্রোক নাহোকএ। অদুদগী মপোৎ মচৈদু লোটশিল্লে। তাপ্লকসিদা নোং জম ভম হেক মচুথবক্লে। হাংব্রা হাযদুনা ওহাক যেংদুনা লৈবে। হাংদ্রে। হেন্দুম হেনাজিল্লকদ্র। মখাযা বারে – পোৎ অমত্তা শীৎকদবা লৈত্রে। যোল্লুগদৌবিবা পোৎশিংদু অক নুংঙাই নত্তে. যেল্লাং কেংঙাই থবথকনি। হোবেন নুংদাংগা চেঙ চবাদি লৈত্রি। ফমদুনা লৈখোকপা যাদ্রে। মচানুপা অহন্দুদা থোদাই.

“ছাতিন মচাদু থবা পুংথোনকউ ইবেম্মা’

নুপীমচাদু চঙখ্রগা ডাঙ ডাঙদুনা থোককই

“সিবু কম্মাই তপ তাই লোনে, সিংগং”

“যম্বু ফমনজ্রে” হায়দুনা তাপ লোঁই অদুগা মং নন্দোকই। মচ শিংদু না লোনং।

"সিমা তৃপ্পগা লৈনাং মবক্তুদা ফম্লুদৌরিনো লৈনাং মবক্তা ."

ঙাঙনা ঙাঙনা মপোক্তু মকোক্তা খোংগংলি। মাংগোন্দগী হেক কূমথবগা মচা অদিশকর্শিন্দনা মানা মানা খোকপা হায়নরকই ঃ

"ইমা খাজিন লৈবকউ"

"ইমা ঐগীদি মংগন"

"ইমা ঐগীদি বোকুলচনা"

মচানুপী অকৌবীদুমসু জ্ঞান মেন হেক তাদনা য়াওশিল্লকই,

"শিংজু বোবাদুম লৈরকউ ইমা"

মমাদু শাউনিংলক্রদনা খংলাউ লাউরকই,

"তুমিন লৈযুহে। হোরেন্দি নথীবোঙ চখোম চখোম্মুক য়োংপদুফাও ফংদব্রা কৈনো খঙদ্রি"

মমাদু ঙাজিন লেংবদুনা তৃপশিল্লগা কনি কবিনো মুরুম মুকম শোন্দুনা চংখি।

লোংদি অদুম চুরি।

।। ১৯৬৯ ।।

খুনগী কৈথেন মচা [illegible]

নুমিৎ তাশিল্লক্রে। খুনগী কৈথেল [illegible] দা মৈনম [illegible] লক্রে। [illegible]
পাদোন খবগীনা [illegible]। পাদোন অমসু [illegible]শিংদগী [illegible]।
অতিযাদা মবী মবী [illegible]।

চিঙজিনগী মতমদা। [illegible] অসি [illegible] শিংদবা [illegible]
ইবা কানবক্তে। [illegible] নাকল নাকন্দা [illegible]
মীশিংদা তান্ন তান্নদুনা [illegible]। অঙাং মচা [illegible]।
পীক্লিবী নুপীমচা অমম [illegible]
চঙশীল্লকই, অমনা [illegible]

— ইন্দোল [illegible]

ললিতা [illegible] নক্লানবি

— হৈমা মসিগী [illegible]

ললিতা অমুকসু নোক্লদুনা চৈরকই,

— চো থীবোবী নুংশিদে।

— ইশ ঃ নঙ নহান নুংশি হায়দুদি

— কদায়দা হায়নিবা থীবোবী

মনাক্তা ফমলীবী মৌ নহাদুনা বেড়াগী মৈখুদু শাংনা অমুক্তং চিংশিল্লগা পাখঙশিংদুদা য়েংলদুনা হায় ঃ

— হো ইবুংঙোখোয় পাখঙনবু য়েন্দেম লৈ হায়বরো, ইচেগী ঙাসিদুম লৈরোলাউ, তাউরগা মারিকুচো।

নুপীদুগী মমাঙদা থারিবা ফাবৌঙাশিংদুদা য়েংলগা পাখঙশিংদুনা হায় ঃ

— ইচেগী ঙাশিংদু পৎলমানেদা।

— কদায়দৈনোদা ইবুংঙো ঙাঙইদুবু, হেক ফাবগা পুখৎলকইবনি।

— এঃ ঙসাই নুংথিলগী থাদুনা যোলহৌরবদুবো।

— নুংথিল কয়ামুক থেঙঙদনা

— থেঙদ্রসু হৌজিক্তা ফাবদি নত্তেদনা।

হাদুবুদি নত্রেদনা।

ঙাঙনরিঙৈদা মতম্সাক্তগী মফি অমত্তা যাওদনা অঙাংদু শন শাবদুনা লমজাওরোমদা প্রপ প্রপ চৎথোকখি। নাম্বরকলিনা খবাক্তা ফিদোন্দু চিংখৎলগা অঙাংদু ফাজিল্লি। অঙাংদু অমুকসু চেপ্থোকখি, ফিসু অমুক কোমথরকই। পাখঙশিংদুদি "ইচেগী ঙাদু হয়েং লৌরগে" হায়বল্লগা হৌগত্নুনা চৎখ্রে। মৌদু মখুৎ নাম্মনা মচা ফাবগা পাখঙশিংদুনা চৎখিবদু য়েংহৌই। মশাদা মফি অমসু ইন্দে, ফুরিৎসু লিত্তে। পোৎ য়োল্লিবীশিংদু ফুরিৎ লিৎপদি য়াম্না নহা ওইরিবী মপোয় অনী অঙমদনি। অতৈদি ফিসু ইন্দে ফুরিৎসু লিত্তে, ইনগদবা ফিশিংদু মখ্যাঙদা কোযশীল্লি। মখোয়গী হাঙলবা নংগল, পাম্নোম অমসুং থবাক্তা কাঙনা তান্ন-তান্নদুনা চিকই।

পোৎ য়োল্লিবীশিংদু বেঙা লান্নদুনা থকমিন্নৈ। য়োল্লিবা পোৎশিংদুগী রা ঙাঙনদে। লৌবীংশেলগী, ফৌদমশেলগী, লৌহেনগী, খুল্লঙগী নত্ত্রগা হার মমলগী রারী শানৈ। ঙা য়োল্লিবী মৌ নহাদুনা ললিতাদা হংলি ঃ

— নমানা কুমথ্রিবদি কনাগীদনো ?

— ইপল গুলাপহোযগীনি।

— গুলাপহোযগীদি মহাবাণী লৌকোনগীদুবা?

— নত্তে মনীং পাৎলৌদনি।

- ইবেম্মা ইমা লাকএ ইমা লাকএ।

ললিতাগী মমা তহা তহা মচাগী মনাক যৌবকই। ঙা যোল্লিবীদুনা হায

— এঃ লাকএদনা। হৌজিক্তা ৱাবী শাবল্লিবনি।

- যৌবকএ যৌবকএ ইচে।

মখোঙ মখুৎ খুবোম খুবৈদু লৈনাঙ ইতৈ তৈবদুনা মচাগী নাক্তা ফমথবকই,

ইবেম্মা কযাদি শিংলে

ললিতানা শাউই

শিংতে অমত্তা।

হেমা অমম্তাওবা শিং তবনে হায়বগা

ললিতানা লুকমায় যাদা মখাদগী শল অয়োইনশিংদু পুথোক্লগা মমাদা পা

ঃ শিংখাক শিংলি

যাম্ম যাম্মনখ্রে ইচাসিদি

ললিতাগী মমানা পৈশা অচে ইশিংদু অনা অঙম মপি মচা পুনশীন পুনশীন্দুনা গাব

লুপা তামা সিগা অনা সিনা শিকিহম। ইশঃ সুকযাম শিংলবাসবু অনা শিকহুক্লি

নাই চহাক্তে, লৈবমখো ইমা চেং ৫গীবুকখিগে।

মমানা চেংখিবা ঙহাক গা ২ ৩ দা ললিতাগী মপাদ হাইবা হাইব, মমাঙদা লেপ্লে

লেপে ইফাহ ফাইবদুনা ২ ৫১ চই

নায় হল্লকব্রো ইবেম্মা

হল্লকএ।

মদুগা অমুক কদাইদ চংখ্রবা?

চেঙ ৱানবা।

ঙাওনবিঙেদুদা মমাসু মযোম মচা অমা পবদুনা প্রপ প্রপ লাকই মাগা নুপা লেপ্লেন্দ

উবদা মচান পোমথোকই, শাউনা যেংলদুনা মতোমদা ঙাঙই

"ওষ্ণোকুসু নুংশিখিদ্রেদকো শক্তাসে।"

মাগী নুপানা হায়রকই

— মখায় অমত্তা পীরকউদনা।

— কদাইদগী পৈশানো?

— য়েংঙুনহে তৌরিসে, কৈথেন ময়ায়সিদা শৌ শৌ লাউরদনা।

মাগী নুপানা ঙাঙলিবদু ব্রা ওইনা তাদে! মচানুপীদা হায়

— ইবেম্মা চৎসি ইবেম্মা চৎসি ইবুংঙো মচাদু কপ্পম্মনি।

— সিদি য়োল্লবোইদ্রা?

ললিতানা হংলকই।

— য়োক্লরোইসি য়োল্লরোইসি থেঙঙে চৎসি।

মমা মচা হৌগৎলগা চৎখ্রে। ললিতাগী মপাদু ঙহাক লেপ্তুনা খোইদৌ শাউগৎনা য়েংলম্লগা মায়গৈ অমবোমদা হাইরং হাইরং অমুক চৎখ্রে।

ক্কায়োনবী ইবেথোইনা ঙসাইমখৈ কৃম্মেদু য়েংলুরগা মতোমতা ঙাঙলকই ঃ

- লাইমা নুংশিদেদকো নুপা হায়বা জাৎসে থাঙনা চকৎ চকৎ হেক যান্নীংঙিদা

— কৈনোনে ইতৈমা য়াম শাউখ্রেদা, তাদ নবান্না করি তৌরগনে?

— হৈমো কনানো? গোপাল! ঐদি খংপ্রেকতুম খংঙুরে।

গোপালদু ইবেথোইগী পোৎমাঙদা নীংগাঙনা ফমথরকই,

— কৈদৌরবা? তাদগা কৈদৌনববা?

— নঙগী তাদগী ব্রা নভেদো ইবুংঙো।

— তাদগী বা নত্ত্রাদি কনাবুনো থাঙনা য়ান্নীংলিবদি?

— নখোয়গুম্বসে। নখোয়গুম্বা যুঙাওবসে।

— এঃ ঐখোয়না যৃ ঙাওবগা ইতৈমদা কৈদৌরদনা?

— কৈসু তৌদ্রসু সুকনুং হেক নুংশিদে ইবুংঙো।

— ইতৈমা, অতৈবু নুংশিদ্রসু ঐবুদি নুংশিবিয়ু। ক্কা মতপ অমত্তা তপ্পীয়ু।

— ক্কাফাওবা হেক তপ্পীংদে নহোয় যুঙাওবশিংসিদি।

তাঞ্জাসিদা হোটেল ফম্বী ইবেতোম্বীসু পোৎ লৈবা মী লাক্তুদুনা থোরকই। গোপালবু

উবদা নোক্লদুনা কৌবকই

— গোপাল।

— ইতৈমা।

— নযুম চঙঙোদনা কৈথেন খমজিল্লক্রে।

— চঙজর্বনি ইতৈমা।

— নহান্দি নযুমদা তুমদ্রদুনা মী মযুমদা কৈদৌ তুমমুব্বিবা?

— ঙহাক সুম পোত্থাক্কবনিদা।

— নযুমদদি পোত্থাগে হাযদ্রদুনা মীগী মচা মবা লৈতবা নুপীদুগী মযুমদদি কৈদৌবগী পোত্থাকর্বিবা / চান্দনিদি হল্লকঅব্রা?

— হল্লক্কে ইতৈমা।

— কৌবিকদনা, নঙনসু লাল্লগা।

মনাই নোকচনিদা মানবু অঙা দু খোবপা ঙম্নদ্রা।

হাযনু ইনুংঙো। মনীন পান্দবা নপা নত্তে নঙগী নুপাদু। নহান কম্মে তৌখিবদুনি।

নহান কম্মে অমা তৌখ্রে। নহান হাযনদি নুমিৎ ত্রবানামক্কা পানি। গোপালগী যুমদা অহৌ তোযনা হল্লক্কবগী মবম চান্দনিনা লোন্না থিজিল্লম্মি। খিনু থিববদি ইবায লাযনা খঙলকখি গোপাল তম্ফাগী যুমদা হেক হেক লেকই। নহান অহাংদি তম্ফাগী যুমদা চান্দনিনা খঙহৌদনা লান্দাবক্তুনা তম্ফাবু ফুদত্খ্রে। মশম ফোযদত্নখ্রে। লৈকাই বুম্মে ওইনখ্রে মখুৎমক পেলহৌদ্রবসু মচান ফাওবদি পেনখ্রে চান্দনিদ মী মযাম লৈ হাযবগী বাখল চঙখিদে। জগতকা ফিনুংগী বা পুম্নমক পথোক্তুনা লাউ খো খি। মপুবোইবা গোপালবুসু যাম্না চৈ থাংখি মাযাম মমাঙদুদা। অহাংদুমক্তদা চান্দনি মপাম যৌখি।

গোপালদু ইবেথোইগী লুকমায মমাঙদা উইবি উইবি কা চপ চপ শার্যানি। খঙমচা অমা হাইবং তুবা চপ্শীল্লকই অদুগা গোপালদা যেংলদুনা কৌবকই ৷

— তা গোপাল।

— হু।

— নংঙাইদকো ইবুংঙো এখোযনদি অসোমদা মাঙখ্রে হাযদুনা থীবি। মানা সিদা

কযা নুংঙাইনা লৈবম্লিবা, চৎসি লাকও।

অদুদগী গোপালবু চিংখৎলগা চিংরোই চপ্লোই পুখ্রে। ইবেথোই, ইবেতোম্বী, মনাক্তা পোৎ যোল্লিবী পৃন্নমক তৌবিবা মতৌদ্ সেংলগা নোকহৌবি। ইবেথোইনা কবিনো অমা হাযগদবগী মযা কাখৎলকপদা মফম মবা খঙহৌদনা অবাংলোমদা যা যা লাঙনবকই। মী খবা গ্রুং গ্রুং চেন্নখি। কৈথেন্দা লৈবিবা মা পৃন্নমক কোযবাঙ লাঙই, লেপখৎ লেপখত্তুনা যেংনৈ। খবনা হংই ঃ

কৈদৌরে হাযগে লাঙইসিবু ?

খবনা খুম্মি ঃ

- কনা খঙগেনে, ঐখোযসু সিদা সুম লৈবিসিনিনে।

ঙহাক্তি কেথেন্দ্ কাযরে পৃন্নাঙ লাঙলে অদুদগী তপ্পা তপ্পা, কাযকব্বা কৈথেন্দু হনজিল্লকই। অদবু অযাম্বদি মপোৎ লোইশিন্নবদুনা কৃন্নখ্রে। লৈহৌবিবশিংদুনা অমনা অমদা ওনশিন্নদুনা হৈ নৈ

- কনা কনানি হাযগে ভূজিক ফনবিদুবো ঃ

চেন্নগা যে লুবা পাউ তানকপশি না খুম্মি

হো যু যানবা অহৌবাগী নুপা শামুগা কেশোগনিযে।

কেশো হাযনা কং। ?

তখেল্লনম তোমালগী মচা মাইমদো খঙদ্রবো ?

অঙাং মচাদুগা শামুগাদ কবিগী ফনবিবা ?

— কবিগী ওইনি হাযগে ইবেম্মাহেম এনখাদা লৈবম্মেযে এনখাদা।

ঙা অযাইবা যোনবা হনুবীদ্ শাউনকই ঃ

তুক্কচৈদা। তুক্কচৈদা অঙোবা হাযনাসিনা তৌজশাবিসে মচা মবা পান্না পান্না। হৌজ কযাগ শনবনো মাসগী বাম্নাকসে। অঙাং অমগসু, মীগী মত্তু লেবা অমগসু। কৈনো মানা তৌজশাবিবসিবো।

অদবু মাগী শামু হাযবসবু তান ওল্লবরো

ঙানী যোনবী শানানবদুনা ঙানো। হীগৎলবপদা পোৎলৈবী অমা চঙলক্তুনা মনক থৎলে

— কবিনো বাবীদা। পাং যোনবনা কাউনববরো ? ঙাবাদু মখাগ অমত্তগী তম্বিবকও।

অদুদগী থংনবিবা এঙ্খাং যোনবীদুগী মমাঙদা ফমথবগা মখা শমখৈ,

— পানসিবু কযা কযানো ইনম্মা?

— হো ইবেম্মা লুপা লুপানি। মথা অমত্তা লৌখোসে।

— হবে হবে চাহৈদ্রে চাহৈদ্রে, মী হিংদ্রেদনা।

— ইবেম্মহোয ঐখোযসু খুৎথাঙ লৌবদগী যাদদুনা তাবিবনি। ঐখোযসু যোন্নীংদ্রবনি।

পোৎ লৈবা লাক্লিবীদু পানগী মমল তাক্সবদগী লৈবগী বা পল্লকখিদ্রে। অঙৌবাগী ৱাবোমদা চৎথখবে

— মাগী অঙৌবী হাযবীসি লাইমদি ওক্তেকো ইনম্মা।

এঙ্খাং যোনবীদুনা মৈখেৎ ফৎ খেৎলগা বেডী অমা চম্মি অদুদগী অমুক্তং চিংশিল্লবগা মৈখুদু কামথোক্লদুনা হাযবকই

ওকসু ওক্তবনি হাযবু অঙাংসি মবাযবকসু থী। সনাহনবা নহোযসু খল্লু মাদি মশা নহানিদো। কদাযদগীনো মপা জ্বাববালা যুথকপদুনা মপাগুম্বা হনুবসিদা পীশানবিবেদো

— হো পীবব্ নত্তে জাবদা থাবিননিনে ইচে ইবেম্মা।

ঙাবী যোনবীদনা পাংশিল্লকই

মদুনি মদুনি ইবেম্মা মদুবু মপা হেক পোকপা ওইবদি চমনাদ্রা হাংনা

হোয ইচে ইবেম্মা তাহবংপান অসি ওথোক্লা লুখ্রে।

খঙদ্রেদা ইনম্মখোয যুগসি যুগতা অমা ওইখ্রেদা।

হাযবল্লগা সনাহনবা হৌগক্লুনা চৎখ্রে।

— মীগী ছিদ্রবু থিগে তাযববদি ছিদ্র লৈতবা মা কনানা

এঙ্খাং যোনবীদুনা সনাহনবানা চৎশিবদু যেংহোনগা হাগৎহৈ ঙাবা যোনবীগী মায মযাদা চঙশিল্লগা মখা শমৎনকই, ঙাবী যোনবাদসু মনাকো থা দিল্লানই

— মাবু কযাম ফবনো হাং মাগী মচা অহনসি বনাং এচানা নহেদ হাযদুনা নানা তাপ্লোক্লুনা কয কুইনো। মপামদা লৈকনা?

ঙাবী যোনবীদু মমীৎ মনা লংখৎলদুনা শোল্লপা হাযবকই

— হোযনহে ইচে ঐখাযসু হাইবপ তাখিনো। মতৌনীনি হায মনে পীযা লুপাদগীনি হায যাম্না ঙাঙনখিনে

অদুনি ইবেম্মা ছিদ্র লৈতবা মী লৈব হৌনদে। কান্নপোং নত্তে মীগী মীৱা ঙাঙনবদনা। নঙগী ঙাবীদু শিকি অমত্তগী তম্লকউ। কুম্নবা তৌসি।

মনীং পোংশঙলোমদগী অমনা লাউবকই ঃ

হো ইচে থম্মাল। কুমখিবোইদ্রো? কৈথেনসি ঐখোযদা ঙাযশীল্লক্লে।

সোমদগী খুম্মি,

— কুম্মসে কুম্মসে। নপোং লোইশিল্লববো?

- লোইশিল্লে ঐগীদি, লোইশিল্লো।

অসুম্না অনা চৰ্থি অহুম কুমখি কৈথেন খমজিল্লক্লে। মৈনম অমমম পাযবদুনা খবনা অনাংলোমদা খবনা [illegible]খম্বামদা খবনা মনীংলোমদা খবনা নোংপোকলোমদা — পোং শাংপা শাং[illegible] [illegible] বা তোংদবগী, ইমুং মনুং মচা মবাগী, লৌগী শীংগী, ৱাবী শান শাবদনা [illegible] [illegible] খুনগী কৈথেন খমথ্রে। ইমম মমশানথ্রে ইচাব চীকখে।

হৈ খনা [illegible] কানন চৌল্লি খবনা হাউলবা কেথেন পোঙশঙ মবক্তা মচাঙ্গাক থিদুনা চাবা।

।। .৯৭৯ ।।

মিরাং

মখোয় ইমুং সি নানা থখা না শিনদে। লাইরবনা পং ৩০-শম্বদগী ইন্দক শেল থবা পাযখৎলকপাসিদা মীকা ডখিদরে - অসুম্না হায়নৈ। নোক্লবোই কল্লকপোই হায়বদুনি। ঙরান্দা ময়ুমগী ফক্লাং থাবমদবদু নোংথক্লা যুমথক ওইবম্বদু কাউথ্রমানে ওইরব মা হায়বসে ওঙ্খোকপা হায়বদুনি অসুম্না নানা ওইনবে লৈকাই ইমা ইন্দোলগা।

অহানবদা মমাসে ক্লাযোনফম থম্লম্বনি। অদুদগী গংমুং মুৎথখি — মানা কলেজ কানা কুমদুদা। চহীদুদগী ময়ুমদা লৈবা ফংখদ্রে। কৈথেন ময়দগী কৈথেল অমদা, মোইবাংদগী ইম্ফালদা, ইম্ফালদগী সেকমাইদা। অসুম্না ওস্তাক্লা ওনশিনগা চারোই চাদবোই চহী অহুম মবিসি থা ক্রক ক্রক চাক্লুনা থাওলকপনি। মচানুপা অসিসু — মবমসু ওকই অদুগা মী খ্বায অঙাংগসু মানদে লিকথ্রে, বেউ মচৈ অমা চিংদে, ময়াদা কবিগুম্বা অমা কক চীক্কে। অঙাং প্রাইভেতস ওম্বা, ইংখোল শম্বল থোইবসু তন্দে, অদুগনে অচৌ-অশাং নপ্পকাসু হৈথ্রপোৎনি ইন্দক মানা থবক তৌখিবসি পাই নাংথপী অমফাওবা

তিংখিদে, মোলি মোলি কক-কাক মহানি। হৌদোঙ তুমিন লৈবনা চফু ঙম্মি হায়বদু হেক থোকই, থাজনদে, মোহ্নকসিনা শেল মনা অমফাওবা তিংদনা অউনপোৎ ধমাদসু উল্লকপী সনা মচা অমবু তরাই তরাই হেক হোঙদোকই; ইনাকখুনবা মচা অমনা ঙমপোৎ নত্তে, ধর্ম্মকাবু শাম্নবরা কৈনো! নানা নাপি নানা মোতনি। থাথাবুদি নত্তে, মৈতৈ নুপীশিংনি; নোম্বা কনবী অদুগী মথক্তা মনুং হুনজিন্না উগনখ্রবী। লাল্লি চুমদেকা হায়রুবা য়াবা নত্তে।

হন্দক্তি তোম্বীমচাসি মমায় মমীৎ তঙাং তঙাংলে। লৈকাইগী উৎসব-মেলা য়াওরক্লে। মীরক তিনবা হৈরক্লে। কলেজাবু য়াম্না লৈখৎলক্লি, মানা ইহেন্দুম হেনগৎলক্লি। হন্দক লৈরেনতোম্বীগী ইপান্দা লৈকাই পোৎয়েংশেল মখায় অমসু খায়রকই অদুগা দানসু লুপা অনী থাদে। নহালমখৈদি ঙমু লৈবগী পৈশা মরিদং হাপ্পকউ হায়রুবদা 'লৈত্তেদকো হাপ্পীংখ্রেদকো'। অসুম্না শিদশিন্নবা হৈরমখ্রবনি। মচানুপাসি থবক তৌজঙৈদগী মমীৎ মমায় পাঙজরক্রবনি। মমৌ সনা অসিসু ফখ্রে। লৈকাইসিদা মশক ফজবদসু মবম ওকপদসু মাগুম্বীদি মৌদসু লৈশাবীদসু অমত্তবু য়াওদে। সনানিকা হায়দুনা পোঙবীবা হায়রে। লাইরিক হৈবী হায়বসিদি! শাগৈ ভাৎনগা ফবেদো। মখূৎ মশানা হৈখ্রিবা। মণিনি মণি। অদুবু কনিগীনো লৈকাইসিনদি মনুংদা ইয়া য়ানদ্রি মখোয় ইমুংসিবু! কল্লকপনরা করিনো? তোম্বীমচাসি শেল থবা পাযরগা যাম্না থোযম্রে — মযাম্না ঙাঙনৈ, মচাগা মমৌগসিবুদি ফৈ. করিসু তৌজদে।

নহা‌নদি অযৃক্তা তোম্বীমচাগা যৃমথংনবী মনিরৈমগা লৈকাই কৃম্মে ওইবমখৈ খৎনবকই। তোম্বীমচানা কনি হায়কনবনো খঙদে মনিরৈমদু ওম্বোক্লা শাউরে।

"শিঃ ইঃ শেল খরা পাযবগা ইথোয় হেক থোরাজ শাবদনা পেরুক য়োনবী মানসু। ঙরাংদনিনে ময়ৃমসি নোং ওবো ওরো য়ুদুনা ঐখোয়গী মাংগোনদা অহীং নোংয়াইদা তুরম্বদো। তৌজবা শারিবসে নোক্লীংঙিদকো সৈত্যা — "

তোম্বীমচাসু শাউবনা মৈ হৌরি। মনিরৈমহোয়রোমদা ওনশিন্দুনা লেপ্লাউ লাউরি "হো ইনাকখুনবী খঙজরে খঙজরে। ঐখোয়দি উৎ-রাইদা তুবিনে। ইবেম্মহোয়দি ফুরা দোলান্দা চাউরকপীনে "

লৈকাইগী নীনা পূমমোম যোমশীল্লি: মাচানুপাদি লৈতে। মমৌ সনানা থামজবদু থওইনা তারুদে। খুরা তোয়াই যাম্না ঈংথনা চঙশিল্লক্তুনা হংই — "করি হায়নবগীনোনে

ইবেম্মা?"

"হে বাধে তাদ ইবুংঙো, কবিসু লৈবা বা নত্তে, নহান্দো ইমৌনুপাঁসিসু মশানা লুমশীল্লকপগা মশা ঙমদদুনা ফৌ শুহৌদবে হাযদুনা ঐনা কৈথেন কুম্লকপদা হিপ্তুনা লৈবম্মে। অদুদা চাক্তি চাদবা যাদবনিনা মখোইদগী চেঙ মেকক অনীখক্তং লৌকইযে। অদু ঙসিদু পীযু হাযববে। অদুদা ফৌ ঙহাক্তা শুখিগে ঙহাক্তং লৈবগা পীবক্কে হাযকবে অদু — বু — কবিগীনো খঙদে পঙশাউদা শাউগৎলকই ”

খুবা তোযাইদু কবিনো অমত্তং হাযজগে তৌবকপদা অসোমদগী লেপ্লাউ লাউবকই,

"কবি নঙ অদুদা হাযব্রা হাই, ওইদবা ঙাঙব্রা হাযববু নচান্দু পৎকনি। চেঙ চবা ফাদ্রে মেকক অনীখক্তং লৈবদু পীযু হাযকব্দা আ-কবি মখোযগী লুপা মঙা লৌখিবদা চহী অমা শিংদবা গিলাস ব্রাযখ্রণা থুগাইবকপা আ — চহী যাঙখৈ মমাঙগী ব্রা পুথোক্তুনা ঙাঙলকইবা। অদুদগী তেন্দোক্তুনা ঐনা খঙজবসু নত্তবা, নচানুপানা লুপা কুষ্ঠা পুখিবা শিবিবকওকা হাযদুনা শেল খুযাম্লক পাযবগা মীকাসি তুমিৎ কাঙদৌনা উখ্র ঙবাংদা উও তুবন্দু নী। শীংদ্রে ’

'এ এ অদুগীদমক খংনবা ঙৌনদে লৈবাই কম্মে ওইনবা' অসুম্না লৈকাই অহলশি না থানাঙনবদগী ঈংথনাংগ্র।

নৃংথিন্দু মনিবৈমগী মচানুপা লাক্লগা লুপা কুষ্ঠা লাক্তুনা লংশিল্লম্লগা চংখি।

নোংমা গোকুলনা ওফিসতগী কুম্লকপদা লম্বীদা গৌবনা বাবী চীকথনা শাবকই

ভাই বা অমবু নিমযুং নিমফুং তাগনে

কবিনোনে? হাযযুদনা তাসি

শাউর্বদি শাউনুকো, সুম মকপ মপাংনি হাযদুনা চুম্না হাযবগী বানি

— হাযদুম হাযযুনে

— ভাইখোযগী ইবেম্মসিবু ভাইগা লহোংদ্রিঙৈদা মযুমদা নুপা অমা যাওং ইন্দুনা লৈবম্মে হাযনৈ, চুমব্রা সিবো? ঐসু অশেংবদি খঙদেকো। মীনা হাযনবা তাসগী বানি।

— খঙঙে ভাই, মদুগী বাদু তোকঅসি। চুম্না সুম মতম খবা কোযবম্বগী বানি। ঐনা যাবি।

— নঙসু খঙবনিদনা অদুদি?

— খঙবা হাযববু ঐনা হাযবিবসিনি।

— অদুগা ইন্দোলদি?

-- ইমানা খঙবা খঙদবগী দবকাব লৈতে। লৈবু লৈব্রনে?

— ফৈদা ফৈদা নশানবু যাববদি। ঐদি নঙ খঙদব্রা হাযবনি।

অসুন্না লোইশিনখি অচীকপা ৱাবীদু।

হপ্তামুক হৌখ্রে। গোকুলনা নুমিদাং কোযথোক্লবগা হনজিল্লকপদা মমা তোম্বীমচা ফী ফী কামদুনা লৈবম্মি। সনানা হিক হিক কপ্লম্মি। গোকুলদু ৱাখল অমত্তং তৌগে নীংবনি, নংহৌদে, মমানা লুশমদগী লাক্লকই —

"হাই — চুখাক খুনবা অধামোনা "

অদুদগী লোইবা নাইদ্রবা মৈবীগুম্বা বাহে মযাম মৈশাগা লোযননা অবোই অখম লৈতনা গোকুলগী নাকোংদা হৈজীল্লকই।

' হৌজিকমক মপামদা থিনখো, চৎলু মযুমদা থিল্লুচো। তুক্কচৈদা। নহান্না হাযযুদনা অশেংবদো। কাবগী লোৎলি কবিণী শাগৈ মাংথোকপিবি। চৎলু হৌজিকমক থিল্লুচো চৎলু। অদু নত্ত্রবদি নঙগা ঐগসু তিন্নবোই"

"মদু ফগ্রে ইমা" যান্না তপ্না হাযব ই।

ফগে হাযবদি খাইনবা ওয়্নোই সিবা" মৈবুন্দুদা ঈশিং মবীক্রু কবিসু ওইখিদ্রে।

"মীবা লৌবিবক্নু ইমা"

"যবে ফনে ঐ মীবা লৌববোই মীবা লৌববোইকো। চীংনা কোযবসিদা নুপীসি মথন্তনি। ফনে। শাগৈ চিংথগা নঙগসু লৈমিন্নবোই ঐ। নপা নপু নোবোক্তা তাহনবা ঐ যাওবা ওয়্নোই। ঐ চৎলে।"

হাযবল্লগা অমম্বদা প্রপ প্রপ খোরখি। সনাদু হিক হিক কপখৎলকই। গোকুলনা থোঙ হাংদোক্লগা মখোন ফাজিন্দুনা "ইমা" হাযনা কৌই। খুন্নক্তে। "কদাইদনোনে" হায়বদুনা কোম্থোংলোমদা তান্নখি।

অৱাংলোমদা কনানো খবা নোকখিবগুম তায।

।। ১৯৬৭, আগষ্ট ৩।।

খুদোল

বসতগী হেক কুমথবকপগা রিক্স অমত্তং কোয়হং হ্ংববু রিক্স ড্রাইভর কনানসু নুমিৎ তাখ্রবদুদা চৎসি হায়বা য়াদ্রদুনা মহাক খোঙনা য়ুম য়ৌনবা চৎপা তারম্মি। ধর্ম্মশলাদগী মহারাণী থোংখোং য়ৌবফাওবা মহাক মণ্ডল মণ্ডলগী ব্রাখল কযা খল্লদুনা তপ্লি তপ্লি লাক্লম্মি। লুহোংঙৈদগী থা অমা ফানা শে-মাই হায়নবা ফংজদ্রবী মবাযবক থীরবী মহাক্কী নুপী, ওক্তবা মচা পোক্লবদগী বাননা মশকক ওইরবী শোল্লবী মমা অদুগা মপানা য়েংশিনবিদ্রবা চমোৎনববা মচা মনি — মখোয মযাম্না মহাকপু হেক উবদা কগাদা হরাওজগদৌরিবা।

কুইনা উনখিদ্রবা ইমুং-মনুং উনরগনি হায়বগী ব্রাখলদা নুংঙাইখিবনা মরেঙজুমদা পুরিবা পোৎলুমদু ঙহাক্তবু নীংশীংলুদে। সোরোক্তা মীয়াম্না য়া য়া লাওলিবদু কনানা কবি তৌরিবনো হায়বা খোয়জঙলুবা শংদে। শুপ্নগী মচা মরি, য়ুমগী নুপী অমসুং মাবু পোকপী ইমা — অসিখক্তনি মানা খল্লিবা, নীংশীংলিবা।

চবাঙ্গনবিবা মীবক অদুদা খোঙগ্রাও অককপী শেংপা অঙাং চবুন অমা ৱা-ৱা নোক্তুনা লাক্লি, মখোযগী মবক্তা মখোন ব্রো ব্রো লাউবা অঙা অমনা নোক নোক্তুনা ঙাঙলিবা অদুতংদি মহাক্না খন্দোক্তুনা তাবই। খঙনীং নাংশী লকই অঙাং ওইবিঙগী মদ্ধপ ইবোচাউবা। ইবোচাউববু হেক নীংশীংলবপদা মহাক্কী মচানবান্দু খবদং চিংলদুনা নোক্রকই। ইবোচাউবা মহাক্না নুংশিজখ্রবা মন্ধপি। খল্লকই — পঙথ্রবনিদা মদো। মখোনদি ব্রো ব্রো হেক লাউবদুনা। অদুদগী অমুক শীংলকই — নোংমা খোংদ্রামগী ইপুনা নাশপাতি হুবানবগী কানদা মহাকনা কুপথোকখিবদো অদুদগী অমুক নোংমা যাউশঙ মনুংদা কোবি হুনা চংপদা খোংবান্দা ভবোং লাউনা তাবদো। অসিগুম্না অঙাং হেবিঙগী থৌদোক কয়া নাংশাং নাশী মহাক মতোমনা নোক্তুনা চংলি। অঙা ওইবিঙদগী তিাকপন পাথংাওং খাবপা াওবা তিন্নবম্বনি চৎমা তিন্নবা নত্তে অমুব নুদা চাবা নকপা ৱানদবনীখ তিন্নবনি অদদগী অমুক নিংঙম্লত্তে মথম্মোযদা যাম্না ঈংনা চেনখোনা অমা ফাওববপওন তোং নৈসু লাখিদ্রবা ইপাদুনা হাখবা হেলমবাদবো। অদব পঙথ্রবা ইবোচাউবদসু পানা হাবো ঙখিবদগী ঙসিদি তলন চাবা বাব ওইখ্রে। অদ । এনা মত া মসাংখ ন খবালো াদদগী অমুক াল নদি নুংশিনবনিদা হবোচাউাদা অস বা বুংববা উনখিদবা। ঙহাক ফাওবা থানামদবানবো। লখেদগা খোনবপদা অনুক ং হেব চংলমদে ঐসু ইকইবিরনি হায়দুনা। ববিগীবু হকাহন্দাবিবা লাইবকা তমথ্রা পোংসিবো। অসং মহাক্না থাম্ব বাবোবম্বা তাবে। লংখেদগী থোবনপা খুদি অমুত্তফাও হেক চঙলমদবা। হযেংদি নো হেব ঙানবগা মখোযগীদা চংকে ঙা অমগুং লৈবগা চামিন্নগে। ঐ অসি ৱা খঙমন্নে

বেডা মচে অমা চিংলদুনা থা েব লাঙ্খোবব পদা থা মচেৎ অমনা নোংচুপলোমদা বুমথখিবদু উবকই। মতমদুদা খাঁল্ল— থা পানখংলবপদা ঙার্যাবদনা। খন্না খন্না কেথেনগী শককমখে লাঙ্খোকলম্লে। কেথেনগী শনক নাঙ্খানকপগা চবাঙ্গনবগী চাংসু হন্থবক্লে অদুগা মহাক্কী বাখলসু হেন্না চীকশান্নক্রে হযেংদি ইবোচাউবদা শাউদনবা হাযবা তাই। মখোযগী ইন্দোল অদুসু মবুক ফথ্রবান। হন্দোলদুনা ঐ কযাদা লুনা তৌখিবনো। হযেংদি ইবোচাউবখোযদা চত্তব সুকম্না যাদ্রে। অসম্না খল্লদুনা চৎলিঙৈদা তুংলোমদা সাইকল তো বা খবা ৱা ৱা নোক্তুনা লাক্লি মখোযগী মবক্তা ইবোচাউবগী মখোন মানখ্রবা ব্রো

ব্রো লাউবা অমা য়াওবি। হন্না যেংথোক্লুই। ইবোচাউবনা মযায থংলদুনা মখূৎ নাম্মনা চাউববা ঙা অমা যান্থবদুনা সাইকল থৌবম্বদু উবকই, মহাক্কী থম্মোযদা হবাওযগী মিহুন অমনা দ্রং দ্রং হুল্লকই, নোক্লদুনা কৌকই — "ইবোচাউবা।"

—- এঃ মণি। কদাইদগী লাকইনো?

ইবোচাউবনা সাইকল থৌনা থৌনা খুল্লকই।

মণিগী চীনবান্দা হবা ওনা নোক্লি, মমাত্তা নুংঙাইবগী মঙাল তাবি। অসাইদা লেপকপা আকবব উপুদু থকমান্নগে নীংদুনা লৌথোক্কদবগী মখূৎ নাম্মনা ফুবিৎখাউদা হূর্মভিল্লদুনা নোক্লা নোক্লা হায -

— হৌজিক্তা ডিমাপুরদগী থুংলবিবনিনে।

- ও। অদুদি খবা হাল্লম্লগে।

মণিগী চীনবান্দা নোক্লিবদু হনজিনবা নংহৌদনা খুমখি

— এ ফবে ফবে।

অদুগা মণিনা মহাক্কী মীনোক অদু হনজিনবা তৌদনা যেংলুই, ইবোচাউবা লাকমিন্নবিবশিংদগা বাবী শাব-শাবদুনা মহাক্কী নমাওদা সাইকল থৌগৎখি। নোংচুপথংবা অতিয়াদা যেংথোকখিবদা মঙাল যাওদনা ঙাল্লম্বা থা মচেৎ অদুসু তাখিল্লে

॥ ১৯৬৭ ॥

পিগী মমল

চহী নীফুমুক্কী মমাঙদা মহাক্কী নুপী অমা লৈবম্মি মহাক অদুনা মচানুপা অমগা নুপী অমগা থমলম্মি। থমলম্লগা কনাদনো মবল খবা লৈবা নুপা অমদা মযূম পানখি। মচানুপা অদুস্ চহী ১৭/১৮ চঙলকপদা লংফৈ চেনখিবদগী মফম খঙখিদ্রে, অমুক হল্লকখিদ্রে। অদুবু মহাক্কী থম্মোযদা শীংজংনা খাযবম্বী, মহাক্কী মাথাদা অবাবা মৈতাল হৈডিক্লম্মী তৌঙম্বী মহাক্কী নুপী অমদি লমহেল্লবা মচানুপা — মখোযবুদি শুকনীংবু নীং শীংনুদ্রে। মহাক্না হৌজিক অহীং নুংথিন্দা তত্তনা খঞ্জবির্বাদ অদুগুম্বা মমা অমসুং মবুং না হন্দোকপিবম্লবী লৈশাবী মপৃং ফাজবক্লবী মচানুপী অসিগীদমক্তনি। মচানুপী অসিদং লৈবমদ্রবদি মহাক হিংলমদ্রবস্ যাবে।

হান্নদগীসু খঙলক্কে হৌজিক্না অমুক হেম্না খঙদ্রে ইকাইবা, মীগী মীনোক, হিংনবগী ঙাকসু নংলবএ মচানুপীণী মনীং থুংনবা হোৎনবদা অযাম্বনি। মহৌশাদগী অচোপ অবেম, সমাজগী অনেম-অবাং থাক্কী মবমদা নোংমত্তং কাওবা খন্থবা শংখিদ্রবা

নুপানি। হৌজিক্লা অমুক হেন্না শংখিদ্রে। য়ামদ্রবদা মচাগী মবুক থল্লগা লোইরে, ঙমলিবমখৈ মহে তমহনখিগনি — অসিখক্তনি মানা খল্লিবা। মরু হেক ওইনা রাজরিবদি মচাগী মবুক থলহনবা ঙম্নরোইদ্রা হায়বসিগীনি, অসিগীনি মহাক্লা হিংথবা তারিবসু।

মচানুপীদু হৌজিক লৈশাবী মপুং ফারে। ঙসিফাওবা চরা হেলহল্লক্ত্রি। নুমিত্তুমদি নংহৌদ্রে! ঠিকাদারগা তরুরুরগা কৈথেন্দগী চেঙ রান্দুনা হল্লকপদদি মচানুপী স্কুল কাখিরম্লে। মখ্বায় নুংঙাইতে। মচানুপী হল্লকপা ঙাইদুনা লৈনীংই। অদু ওইদুনসু হয়েংগীদমক্তা অমুক শূবা চত্তবা য়াদ্রি। শূবা হায়ববু করিসু নস্তে। য়ক লাউরবা কালেনগী নুংশানা সোরোক্কী নাকন্দা মৈ হৌদুনা কোইলাশ মহী চেলহনবা তাই। মদু অমুক কাংকৃক মথক্তা চাইবা। অসিনি। মশাগী কুচুনে, কালেনগী নুংশানে, মৈশানে, কোইলশ মথীনে — তশেংনমক মহাক মৈতান্না শাবা মূর্তি মাল্লে। মৈতানগুম মুরবা অখুইবা মায় অদুদগী হুমাং তপ তপ তারি। হুমাং মরক অদুদা পি মরীক মরীক য়াওরি হায়বদি কনাসু উশিনবা শংনরুদে। অয়ুক্কী চরা চাদনা স্কুল কাখিবী মচাগী খল্লুবদা নাপল য়াওদ্রবা অহল অদুগী পুক্নীংদু রাই শংবা ঙমজদে।

লাপ্পপ্না মচানুপীগী লেংগা লৈশাবী খবা নোকখেদুনা মায়কৈ অদোমদা লাক্লিবদু মহাক্লা উই। মহাক্লা খল্লি — মহাক্কী মচানুপীদু নোকপফাওবা রারম্লগনি, মচাগী লাইবক্তা অবাম খৌরাংবগী হুমাং মবীক মরীক কারম্লগনি। মচানুপীগী রাখন্দা উংলবা অহল অদুনা কোইলাশ লোনফম মনাক অদুদা লেপ্লদুনা নুপীমচাশিং অদুনা লাক্লিবা মায়গৈদা মর্মাৎ কৃপ্তনা য়েংলি। নুপীমচাশিং অদুনা নকশিল্লকপদা মখোয়গী মরক্তা মচানুপী য়াওবদু উরক্লে। হেক উবগা অতোপ্পা রাখল অমফাওবা তৌথবা নংদনা মচানুপীবু কৌই। নুপীমচা ময়ামদু মঙোন্দা পুল্লপ য়েংলকই। মচানুপীনা ঙহাক য়েংলম্লগা মমায় লৈথোক্তুনা চৎখি। ময়াম অদুসু চঙক্লনা ঙহাক য়েংলম্লগা মমায় লৈথোকখ্রে। অহল অদুনা মকোক মমায় পুম্বা ফিনা কোয়েৎ য়েৎশিনবদুদা মশক খঙদ্রমানে নীংদুনা মদু লৌথোক্লে অদুগা মচানুপীবু কৌরদুনা তান্নরক্লে। অসুম লেপ্তনা চৎখিবদুদা তাদ্রমানে খন্দুনা প্রপ প্রপ চেনখৎলগা মচানুপীগী মাঙদা লেপ্লুরে। মচানুপীনা ইঙ্গিৎ তৌদুনা সোরোক্কী চিদাই অমদা মখোয় অনী থৈদোক্লগা লেপ্লম্মি। মচানা শুকথনা হংই, "কৈদৌরগে?" মপানা হরাওজবগী মীনোক অমত্তং নোক্লগা শোম্বাংননা মী তাদনবা হায়, "ইবেম্মা ইপানা চাক থোংদুনা থনম্লবনি। ছুতি থারবদি হান্না চাথোক্লুখো অদুগা তপ্না কোয়য়ু, য়ান্না রারনি নশাদু" ঙাঙনা ঙাঙনা

মচানা শুকথবিবদু শাউবিবনি খল্লদুনা ফীবৈদা যেপ্লিবা শেল খবা পুথোক্লুনা পীগে তৌই। মচানুপীনা হন্দোকখ্রগা মমাম্নবীশিংগী মবক্তা চঙখে অদুগা মপা তানবা হাযবকই "খুবা হোনেল পানুংগা অদুম তৌনবিবা যান। ঐদি থবক অমা চৎলুখিবা তাবি" অদুদগী মমাম্নবীশি" । গুর্নশিল্লগা "ঐখোয পাবুংসিম অসিগুম্বা মীতাসিগা সঙ্গ তৌকবিবা তাসিব " অসুমনা মকম মুবম ঙাঙলদুনা হন্নফাওবা যেংলমদনা চৎখ্রে। অহল অদু ইঙক গুল্লা যেংদুনা লেপহৌই। মচানুপীগা মমান্নবীশিংগা কবিনো খবা ঙাঙন-ঙাঙনদুনা চংখিবদু যেংলহৌই, কবি হায়নবিবনো হাযবদুদি মহাক খঙদ্রমানে অদুম্মক গুল্লা লৈহৌবে।

।। ১৯৬৯ ।।

মাঙখ্রবা থৌনা

পাঙ্গল থোকখিদ্রবা নোংজুনি। ঙবাংদগী হাংলক্তি। অমুক্তং জম জম চুথোক্লগা হেক হাংবিথ্রবদি ফগদবা। অদু নত্তে। থিংলি খিৎলি চিফেৎ চিফেৎ অসুম তাদুনা লৈ। চোত্তব্রা খাগনস্ মচোৎপা। নুংঙাইজখিদ্রে ওথ্লোক্লসু।

অসুম্না খল্লদুনা কেতুকী চেকথোং নমবোনবা প্রপ প্রপ লাম্লোবকই। মকোক্তা খুমোক অমা পুই মথক্তা ছাতিন অফোংপা অমা খল্লি। সোরোক মতাইদা হনুবা থবা মনা-মশাং যোল্লিবদগী মবক্তা চঙশীন্দুনা মপোত্ত থাকরে। বোবা অমা পুথোক্তুনা ফিদা ওইনা ফম্লরে। যোল্লিবা পোৎনা — হোঙুলা অপাকপা অমগী মথক্তা ফদিগোম নপুন অমাংগা, তিলহৌ নাকুপ্পানাচিংবা মপুন থবা শেবোং তানমুক মবক্তদা পুংদোন থবা অমা। পোৎমাঙদা মী যামা কাত লানল পঙচৎ মচৎশি মাগী পোত্লদা কনাসু ইগ্না যেংলমদে। খেথেন ন্যাযদুদা অমাং মনা ইতু তুইথ কেতকী।

নোংলীক্তু খরা খরা চাউখৎলকই। অদুদগী কুঙশীল্লকই অদুদগী হাইরপ কনখৎলকই। অদ্বাইদা, কেতুকীগী মনাক্তা ফম্লম্বীশিংদু অমমম অনীনী হৌগৎনখি; ঙহাক্তং খাঙবা য়াবা মফম য়েংদুনা নোং থুপ্লখি। ঙহাক লৈরগদি কেতুকীনে, অহল অমনীখক্নে মখোয় অনী অহুমদমক ঙায়শীল্লক্নে। মখোয় অনী অহুমদু মাগী মাগী মফমদগী লেঙনদে, থাপ্লপ থাপ্লপ ফম্নে। অহল অমনা পুংদোন পোরোবী থুমোক অমা মমাঙদা থাদুনা য়োল্লি, অমনা থমচেৎ মরূ খরা, লফোই লফাং খরা; অমনা মংগ্রা অঙানবা মথা খরা। মখোয় অনী অহুমদু ব্রা ঙাঙনদে, তুমিন তুমিন মশাদু থুপচিন্নে, ছাতিনশিংদু খরা খরা অসুম নেমথখি।

নোংদু খরা অমুক পাথরকই। নুংশাসু বাউরি বাউরি শাদোরক্নে। কদোমদগীনো উৎ মচুগী কাব অমা গব গর থৌজিল্লক্লগা কেতুকীগী নাকন্দা গক থান্নে। লৈখোম লৈরীক খনা কেতুকীদা চোংই। ব্রাদি ঙাঙজদে, হংগৎনা য়েংলুবদা উরকই — কাব মনুংদগী সনানা পুমঙাক্ত ঙাঙবাদ, লুহোংলকপা কুইদ্রিবা মৌ মচাগুম কেরবী। নাদা হাইবার, ঙকশমদা থরোই পবে — - ইরং লংই।

কাব মনুংদগী মথীক নেম্বা নুপা অমা কুমথবকই। চহী য়াঙ্খোগী মথাক্লি। ফিজোল পঙল্লু লুবা নাক্ত, লুবা মান্নবদি হোংনে :

সনানা কাঙ্গবীদুনা চৌবপ হায়রকই,

--- খরা থুনকউকো তাতোম্না

— ফনি ফনি সনাবেম্মা

থীব-নেম্বা নুপাদুনা খুল্লম্মি অদুগা পোংলকলোমদা চঙখি।

. . মহৌশাগুম মনা-মশীং খবা মমাঙদা থাদুনা কেতুকী ফম্মি। ফম্লা ফম্লা চাকখুম্মাঙগী ইচীক চীকপা দৃশ্যদু নাংশীংই। মবুক্লীংদা কৈথেন লাইরেম্বী মমাবু খুরুমজৈ "হমা ইবেম্মা ঙসিগী চবাদদি তথিবৃকো" ঙহাক্তং লৈরগা সনানা পুম্লং লংবী নুপী অমা লাক্লগা পুংদোন থুমোক অমা য়োনজৌ হাযদুনা মঙোন্দা পীথোকলম্মি। নুপীদুনা চৎথ্রবা তুংদা পুংদোনশিংদু সনা মতুম মতুম ওম্থোরক্লম্মি। কেতুকী নুংঙাইখিবনা লুতোন কায় . . .

কয়া পীরকই অদুদি "

খোঞ্জেলসিনা হৌখিবা অহীংগী মঙদা উংলুরবী কেতুকীগী লূখমদা শেৎ থাবকখি অদুদগী মঙগী তাইবংপান্দু পূমচাই চাইথোকখিদুনা মপানগী অশেংবা তাইবংদা কেতুকী মীৎ পাওলকই। খঙলকই, সনা ইবেম্মদুগী খোঞ্জেলনি। মযেক শেংনা তাবকই,

— অমসিনা কুননীথোই, অমা খবা হম্বসিনা তবানীপাল।

তাতোম্বনা কাবক চাউববা মৈতৈ শবেং অনীখক শ্রো শ্রো চিংলক্লিবদু কেতুকীসু উবকই।

— ফবে ফবে অমনা হেক ঙাফক ফক্তোক্লবা

- অনীসিদা যাঙখৈমগ্গা লৌনি হাযদুনা শিখাঙ খাঙই সনাবেম্মা। নমদুনা লৌবল্লবনি মশক নুংশিদদুনা।

তাতোম্বনা নোক্লদুনা তমৈভে।

— হোযদা হোযদ' থোকপিবর্গা নর্বাসিনা হেন্না নংঙাইখ্রে

[illegible]উদি [illegible]ডবনি মৈতে শবেংনিনা সনাবেম্মা

[illegible]ঙনা [illegible]ঙনা [illegible]দু গাডা মনু দা [illegible]পাচিগ্নি।

মবোম মপা[illegible]কাদি [illegible]লহৌবিগ্রা

— [illegible]হৌদ্রে সনাবেম্মা।

অদৃদি সিদগীসি খ[illegible] [illegible]নবেপ্রদনা [illegible]চেণাসে

[illegible] [illegible]বাঁদা খন্দুনা [illegible]বাপি [illegible] [illegible] [illegible] দ[illegible] [illegible]

কেদৌবগো মদুদ[illegible]দুকে। [illegible] [illegible] [illegible]

সনানা অমুকস [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible]দা [illegible]

[illegible]দগোম মপুনসিদি অ[illegible]দা [illegible]

[illegible]পেশা তবা[illegible]নি

[illegible]ন্না খুমজে।

[illegible]

[illegible] মাগ্নে তাদা।

— অদুদি ফদিগোমদু মপুন অহুম অমা তিলহৌদু মপুন অহুম অমা খাউসিদা খবা হাপচিল্লকউসে।

তাতোম্বনা খাউ অমা থাদবকই। কেতুকীনা খাউদুদা মবোয়শিংদু হাপচিল্লগা লানখৎলি,

— তাদা সি অমুক্তা লৌবিযু।

— অচোইবসি কৃষ্ণাখক্তা ঙাযবেহাই ইবেম্মা. সি লৌহৌবো

পৈশা তাবাচৎপী অহুমখক লংথবকই।

- তবাদদি হাপচিনবিবম্মু তাদা

- যাওদ্র তৌনিদা। নযাপৈশা মঙা তবাদা চোপ্পা মী নত্তেদা ঐখোয। সে সিদগী লৌ ই বেম্মা

চাম্ম চৎপা অমা লানশিল্লকই।

শাউবিনু শাউবিনু তাদা ইবুংঙো, লৌবিখবো

কেতুকীনা থেমজিনজৈ।

মতেক মযাদা চোপশীল্লক্রদুনা

হাযবল্লগা তাতোম্ব কাব মনুংদা কাখৎখি। অদুদগী থৌখি। থৌখ্রিবা কাবদুদা ঙহাক যেংলুবগা লফোই যোনবা এঙ্গলদুনা কৌবকই,

- হাই কেতুকা

— ইন্দোল

- নঙোন্দা ওইবমানেনহে ইচে হাযখিবদুবো

— ওইবমানেদনা।

মমাযদুদি ঐখোয ইবেমবোক্তগী হেন্না খুইবেনে

অদুদগী মখোয অনী অহুমদু শুমাং লিলা যেংবদা নোকপগুম হৌনা নোকমিন্নে।

— হৌজিক্কীদুবু খঙদ্রনে?

অমনা হংলকই।

— কনানো খঙদেনা ঐখোযদি

— হৈমাইপেম্মা মংলেম্বী খঙদবা, ইনজিনিযাব কবিযেদুগী অতোনবীনে ইবেমশা

— অদুবু ঐনা নুংশিদ্রিবদি মীনাই কাঙদ্রম অদুনিনে, মদুদবু নঙনা য়োল্লরোই হায়দুনা মখুত্তগী মুলহৌদ্রিবদো — কেতুকী ইবেম্মা, মদুনি ঐনা হেন্না ঙক্রিবা।

নোংসু লেপত্রি। মকুপ মকুপ অদুম চুরি। পুংদোন যোনবী মন্দোনগী ৱাশিংদু তানা তানা নোংলীশিংদুদা য়েংই অদুগা চেঙ কৌতা অমগী মমল নীংশীংনবা মমীৎ উইশিল্লি।

।। ১৯৬৭ ।।

মখোয়গী পীক্লবা য়ূম

পীক্লিবা নুপীমচা অদু মমা কৌরদুনা কপ্লি। মমাদি অয়ুক অঙনবদগী লৌবুক্তা চৎখ্রে। মাবু য়েংশিনবিনিবা হায়নবু মবুং গোপালনি। গোপালনা মাবু চৈ, ফুই — কপ্পা য়াদে। গোপালবু কিনদগা কপীংবা কমা কপতে। নুপীমচা অসিনা নাদুনা লৈরিবা থামথায় অমা চেনজিল্লক্লবনি। ঙসিদি মা কপ্লে, মাগী নানা কপ্লে। মবুংনা চৈবি "কপকনু হায়রিম নঙবো" অদুবু মহাক কপ্পা লেপ্রমদে। গোপালদ্ শাউবক্লম্মি। নারিবা মচন্দুনা পাক পাক থানিরম্মি। নুপীমচাদু থাম্না য়ানা ইক ইক কপ্লকদগী ভুমিন লৈখ্রে। গোপালনা মনাও অতোনববু পোরগা মমাগা মপাগা হল্লকপা ঙাইরি।

১৩। ভবা চঙল ফদা ঙাইরিবা গোপালা মহাক্না কাবল্ মঙলুগনি। নারিবা নুপীমচাদু ভুমিন্না হিরি।

ইঙাগী নোং চুবি। থম্বালবু ঙাইবা ওইনা লমজঙগী কাংলেনগীদা মুক্তা চঙলম্মী। অতৈ খবসু ফম্লম্লি। মখোযনা হাযনে

— তাইবং মীসি যোংদগী ওল্লকপনি হাযবসি ওন্দ ওল্লকপগার্যনিকো

— কদাযদৈনোদা খবা মাম্নবদুদা হেক্তা হাযজিল্লিপাংনিদা

— হাযজিনবা ওইবম্বসু যাই, ওল্লকপা ওইবম্বসু যাই। ঐনা খঙবা অমদি লৈযে তাকাংলেন। নুপীনা ওক্তগী ওল্লকপা নুপানা হূইদগী ওল্লকপা ওইনমগনি কয়া খল্লিম্মি ঐদি।

— তুমিন লৈযুদা বাবুধোন। মদুবু বানি হাযদুনা ঙাঙলিদুবু। অদুই শবক সে অনীবব চিংবদা কর্ম্মানি নাথীজনা চিংহৌবো

কাংলেন্না কংক্রদু বাবুধোন্দা লাল্লগা বক্ষদা ওনশিন্দুনা হায

বক্ষ অমুক ককসকও নঙনা খবা রৈ ইবো

বক্ষ হিদাক কক্না কবা নোকযেং তৌবদুনা হাযবকই

তৌবদি নুপীশ সি মনুক ক প্রদি ওক ক মাংনবো। খাসা শুজিংক্রাদ পুবা কেবোলো ওক্ত ওর্বানি।

হোযদা যদো পোইন যাওদবা বা ভাব গা ওাচনদনা নিবানাদ বিবনো। অদই শবকপুদি বোকেং কানগী চাওখংপগী বাবী। শাশিবা এখোযবো

— বোকেংতুসু ঐখোযন। শাবা তৈতবনিনা কান্নবক্তাং নত্তেদা তামুক্তা

তাঞ্জাসিদা নুপীগী খোঞ্জেন অমা তাববই

— হো লাকও চংমিন্নখসে। কৈনো নাবু পঙঙ্গ্রা কেনো

মখোয মবী মঙাদু হংবোই লাবপোই মমায খা গাংনদুনা যেংখোবনে। উইনম উইকম্বা মমীংশিন্দুনা পঞ্জা া মৈখু মবওুদা উবনই নপাগী শক্তম অমংক লোংলোই যেম্পাক অমা তুপ্নদুনা লা মবক্তা লেপ্লিনদ। মনুক তাই লাক কই থা ভবেং নাপা শুবক্লবা মাল্ল। ফলেও ব না তাখংলি। কলাগ খানোম নোখোম্না লোমাম। মনুঙা মযেম অমা পার্যাবি। মখোযনা কনানো হাযদুনা যেংনাবইঙদা নুপীদুনা চমকস লাঙবকই

— চংসি লাকও হা অঙাং মনা া লেংগাই হাবা া না নাবা নাবা

মুক্তা ভাব তাবে — নাগী নুপীনি।

-- চৎসি চৎসি, নোং চুথবকপদুদা ঙৈহাক্তং পল্লম্বনি।

গঙ্গা ভাষ্কতু হাইগৎতুনা অমুক্তং চিংশিপ্লগা মুক্তা হৌগৎলকই। ময়ামসু ভাব তারে।

- ময়াম বাবৌবা যাদে, ঐ খৈতং হাঞ্জবম্লগে, অঙাং মশা ঙমদবা অমা লৈহৌবিয়ে।

মুক্তা থোবক্লে।

সন্ধ্যা মতুংদা ইঙা নোং নোংহৌ ফনা চুবি। শুজিক হোবেন হাংবগী নোংজু নত্তে। অতিয়া শানবা থুংনা অমুবা লৈচিনগী মবোন মবোন্না কুপশিনখ্রি। নোং সুম কনখৎলক্রি।

সন্ধ্যা মতুং ওক্টবদা ঙাযবি। কৈবেন মনুংগী লম্বীদি ইচিক হুনখ্রে। লম্বীগী ওই যেং অনীমক বাপল উপলনা ইশুক শুকই। মীওইবা কনাগী খোঞ্জেল তাখিদ্রে। তাবিবা হায়ববু নোং কন্না চুবগী বা-বা নানবা খোঞ্জেল অসিতনি। খুনগী হুই ফাওবা অমত্তা খোংলকখিদ্রে। অশি লৈবাক্কী লম্বীগুম মন্নবা কৈবেনগী লম্বী মনুংদা থম্বালগা মুক্তাগা যেংগোই য়েম্পাক অমখক তুপনিন্নবদনা হৌখৎ হাপ্লু লাক্রি। চৎনা চৎনা থম্বালনা ঙাঙলি,

অঙা অনাবা লৈহৌই খবা ঙন্না কাবম্মো হায়দনা কাখ্রগা গঙ্গা থকফমদা অমুক চেণ্ডুবিদুনু কাবগীনো হায়মি?

চেণ্ডুগে হায়দনা চেংনো নমদা নোংসু থুপ্পা ওইনা নং নাগাম্ভ চণ্ডবা কিব্বনি হায়দুনা ঙাইহিনাম্মি

হৌদনি অঙাং অনাবা অমগা খোমগী অঙাংদুমগা জ্ঞান কৈসু যাওদ্রবা অঙাং অমান কোপ্পুনা লৈহৌরেদো। কমদৌবমদগে খনবদা থবায়সি যাংকোক্তা হাপ্পগা খৈবেনে এরোম্বদি। নবোমানা মসি কম্মিনা থাগৎনবনে, নচা পোক্কনিদা খঙবনে

নচাদি পাক্নাসি হায়রা? পোক্লাংবদি নঙনা হেক্লি

ওহ নুং ঙাইবি বেদাকো

হেনব হেক্লো হায়রদে

নোবা নীংডদকো সোৎ

ঐনা হক্লাংদুনা ওমাধবস্মাও নঙনা থৌদোনকদ্রো?

- কৈ কৈ খঙনদো ঙাংবা ঙামবে। ঙসি ইনাক্তা হেব চেঙলকপদা কৈদৌগে যেংঙু

মুক্তানা কাবনো অমা হায়গে তৌবিঙেদা কনানো অমনা লাউবকই

— কনা কনানো?

মখোয়না হন্দুনা অমুক লাউই

— কনানো?

— ঐনিনে। কনানো? এঃ মুক্তারা?

— মান্নি। এঃ ইপন্না?

— মান্নিনে

— ঐখোয়দি খংঙুরেদা

— ঐসু খংদুনা লাউরিবনিনে। মমগা মম্বনে নোংনগা কনবনে। ইঙাও ঙাওরেহে ইচাশা। নখোয়দি হৌজিক্তা কারক্রিব্রা?

— অস্বাইদা চেঙ-চাক খরা লৌবগী ঙাহাক পল্লকএ। ইপলনা কদাইদা চৎপীক্বা?

— ঐ অসিদা তোনুগীদা হয়েং খুল্লংগী হায়রম্বনি।

- - ইপলহোয়গী হয়েং লিংবিদৌরিব্রা?

- - অবাংলোমগী অমা মবাক্ত হয়েং লিংথোক্লগে অতৈনা অমুক কোন্না হোংনরবসু। ঙাইখো নঙগী নচা অমা নাই হায়বদুদি ফরব্রা?

— ফৎত্রি।

— করিনোনে মাইবকা অমত্তা য়েংহন্দ্রব্রা নখোগবো? কয়া কুইবে নারিবদি?

— কুইরে। থা মখায় অমা ফাদৌরম্মনি মানা মবুক কংখৎলকইবসি। হৌজিক্কা মশাদু মপাক মপাক পাৎপোই পোম্বোই মহী অর অর তাই। ঐসু মাইবা অমদি কৌবগা য়েংহনগে খল্লিবনি। শেলগী মতা অমা সুম চাদদুনা

— করিনো পাঙথোকচাম্মল্লেদনা নখোয়সু। লৈতে হায়দুনবু নারগা মাইবা য়েংদবা যাব্রা? মদু য়াবা নত্তে নাবা। ব্রোক্কী ডাক্তরদবা কবিনো পুবগা য়েংথোকউ! য়েংথোকউকো থম্বাল। নঙগী নুপাসিদি তোররীংনি। নঙনা পোদুনা পুবগা হেক্তা য়েংহল্লুচো। নখোয় থৌশামন্দে।

— হয়েং ব্রোকতা পুরগে ইপল

— হয়েংমক পু। ঐ চঙহৌরগে।

— ফনি ইপল।

চীক্লবা লম্বীদা থম্বালগা মুক্তাগদা অমুক ঙায়হৌরে। ঙহাক্তং তুমিন তুমিন চৎনবগা

থম্বালনা হৌদোবকই,

— হাযগুম্মদনা ব্রোক্কী ডাক্তবদা যেংহল্লুবসি। কৈদৌঙে চৎসিগে?

- - চৎপগীবুদি হযেংসু চৎপা যাইনে

-- হযেংদি কম্মাই যাদোইবা? হযেং তোংব্রমগী লৈবিসিদি?

— হোযনে হযেংসু তোকওনে। হংচিংলা মশেন্না চংলুবসিনে। অদুদা মখোযগী ডাক্তবদু কাবকঅমনিসু খঙদে, কাবকঅমমোইসু খঙদে। কাবকঅম্মসু পোঙঙক্কদৌদো। হিদাকসু লেন্না পীবক্কদৌবা নত্তে। লৈযু হাযবক্কনি। কদাইদগী শেলনা লৈনি?

— নঙসু নুপানি কনাদগীনো শেল খবদি থিবকউদনা

কনাদেনো খঙদে ঐনা থিদৌবিবা শেলসি। হযেংসি ইপলদা হাযনদুনা যেংলুগে।

পাক্লবা লৌবুক্কী মচা অমদা থম্বাল অমসুং মুক্তাগী পীক্লবা যুমগী যুমথক্কা ইঙা নাংজ্গী চেযু থাঙলি। পোদোনগী মৈবিনা ইমুংগী কাচিন অমদা মুশি মুশি চাক্লি। যুমগী মপান্দসু যুমগী মনুংদসু ইচিক চিকই। মুক্তাগী মচানুপা অহল গোপান্না মনাও অতোম্বদু মনমগন্দা পোবগা পোদোনগী মৈশিগুম্না উইবি। অনাবা মচলনুপীদু মনাক্তা লেঙদ হাইদা হিপ্পি। উইনা ডইনা মমাগা মপাগা লাকপগী মখোন তাবকই, যুক হৌগত্তুনা থোঙ হাংদোকই অদুগা কৌই

ইমা –

লাকএ লাকএ

লংপুক্লা খুম্লকই মমানা।

হেক যৌবকপগা মখোঙ মখুৎ প্রপ প্রপ হামদোক্লগা পোবিবা মচা অতোম্বদু লৌই অদুগা হায,

— ইবুংঙো নঙ মৈ থাগৎপা ঠৌবো, ইমা ননাওসি খোম ওহাক্তং পীথকখিগে অদুগা ইমা লোইশিনগে। ইবেম্মদি কপ্পনদবা?

— যাম্না কপ্পমই। কপকনু সুকযা যাদে।

— নঙনসু অমুক ফুবিবমগনিদো?

- কপকনুদি যাদনা।

— মশা নুংঙাইতদুনা কপ্লিবলিনে। ফুবিনুনে নঙবো অঙাং অনাবসিদা। ফুগে হায়রবসু হয়েং নাবা ফরগা ফুনে। চো চো মৈ থাগৎলুরো।

ফুংনাক মপান্দুদা ফমথরগা ফিদোন চিংথদুনা পীক্লিবা মচা অতোম্বগী অরাম্বা কোকহল্লি। নুমিৎ চুপ্পা হন্দোক্লুরবা মচাগী মমায়দা য়েংলগা মমাগী চীনবান্না মোমোন তৌজে। নোং ঙানবদগী লৈখোম লৈনাং মরক্তা থরো থরো ওল্লুবগী অৱাবা পূম্বা পুমকাউ কাউই মীৎকুপ খরসিদা। অদুদগী তুমলিবী মচানুপী তন্না য়েংলকই। মপাম্বোম, মখোঙ মখুৎ, মখৌরী পীশক পীকশনখবে। মবুক্তা তহি তহি কংই। য়েংলুরগা শ্বব মপী অমা শাংনা হোন্দোকই। মপানা নারিবী মচাগী মনাক্তা ফমদুনা মকোক্তা, মশাদা শীৎ শীৎ নানবিবি। হন্না হন্না নানবিবি পীক্লিবা মচাগী হকচাংদুদা। ৱা অমত্তা ঙাঙদে। মমাযদু অসুম লুকথখি।

নুমিৎ খ্দিং মচাশিংবু নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবফাওবা হন্দোক্লম্মি। নোং ফুং ঙানবগা মখোয অনীমক লৌবুক্তা চৎলি। নোংমনা মচাশিংবু চাক খোংলগা পীজখম্মি। নোংমা কথা অমনা পীজবমদনা চৎলি। নুমিদাং হল্লক্লগা থোংদুনা পীজৈ। নুমিদাং কথা অমনা চাদনা তোকপস্ যাওই। লৌ বনশিল্লকপদগী অমূক নুংথিনগী মতমদা মচাশিংবু হন্না য়েংলা শংলক্লবা নুমিৎ মশীং যাম্নক্লে। পীক্লিবা গোপান্না অমুক হ অমুক চৈ মচনাগা মনাওগা শেন্নৈ। মমা মপা হল্লকপা মতমদা সনাতোম্বীনা কপ্পা কপ্পা পাউ তম্মি "ইমা ইমা দাদানা ফুই"। পূক্নীং খবা নুংঙাহবা নুমিত্তনা মচাবু নুংশিনা থেমজিনবি, নোংফাদোক খোইবাং খোইশাউবা নুমিৎ থোক্লুবগনা কবিসু খঙজদ্রিবী নুপীমচা পীশক্তুদা তথী তথী চৈবি "শিনম নম্বী নঙদা শিগে শিগ্রোহে"। চৈথোকলুবগা কপনীংলকই। তুমদুনা লৈবম্বা নুমিত্তনা ইচিক চিকই।

ঙসিসু তুমলল্লি।

অহীংসু থেঙজীল্লক্লে। ইঙাগী নোংসু হৈথরি। অশিবগুম মল্লবা অহীংসিদা ইঙাগী পিনৌববা অতিযানা অরোই অখম নাইদনা কপ্লি। খুনগী পীক্লবা যুম মচাসিসু কপ্লি। উপাল ৱাপালশিংসু কপ্লি। ইঙাগী অহীংসিদা মখোয কপমিন্নবি।

সনাতোম্বীদি তুমিন্না লৈবি। কপ্তে। কবিমত্তসু হাযবক্তে।

।। ১৯৭৭ ।।

পোয়নু থাগী

ইস্কুল যৌগদবা নুমিদাংগী ইরেৌই লোইবা গাডাদ্ ডাইবদুনা ঐ ফম্লম্মি।

মমশীনখ্রে। খুনগী কেথেন মচা অমখক্লি। মনা খুন। উফুলনা কুপ্লবা চন্দ্রগী তেকহৌ ঙামহৌববা শঙ অমনাদুদগা ঃমনম পবেং পবেং থানগৎলক্লি। মৈনর্মশিংদুদগী কাবকপা মুনবা থাববা তেংগালিনা মরৈ মবৈ তাবদুনা কাখৎখ্রগা মন্নবা অতিযাগা তিন্নর্কবি। অকোনবদগী শন্থা মৈ থাবকপগী মনম অমসুং মৈখুনসু পীক্রবা কৈথেলসিবু মবোল মবোল যোমশীল্লকলি। লূকমায় পানবাশিংদু তুম্বক তুম্বক তাশিন্দুনা তুমিন তুমিন ফম্নে। উন পৃবা নুংশিৎনা উরু উরু শির্থলি অদুগা কংলবা খূৎশাশিংদুনা ফ্র ফ্র হাইবিবা পারবা ইন্নফিশিংগী ফিনা খোমজীনবা হোৎনবি। মপোৎ লূম্লবা শলগাডীশিংনা গে-গা গে-গা লেঙঙম শাঙমদনা মবী মবী হাইগৎখি। শলগাডীশিংদুদা মুন্না যেংলুবগা হংগাম যোনবী হনুবী অমনা হাযবকই,

— তৌবেদোসে লোইনা তোনগৎখ্রেদো

খরা নহা ওইরপ তৌবী ঙায়োনবীদুনা খুম্মি,

— পোৎনা পোৎ শীত্তবনে, হোত্তোক্তুনবু মুল্লুসিরা ইচে?

হিদাক অশুবা য়োনবী অহলদুনা,

— কৈদৌনি ইবেম্মখোয় মীগী মপোৎনিনা পুখিবা হায়স্ ঙাযদনা। কররিদি তৌরুনি।

অহলদুনা হায়রিবদু লোইনমক্কা য়াববগুম ঙহাক তৃমিন লৈনৈ। অদুদগী শিংজু বোরা য়োনবীদুনা হাকাম লাওনা অমুক্তং চল্লুরগা মকোক্তু খ্রো খ্রো খোৎলদুনা হায়রকই,

— করিনো ঙসির্গী পোৎশিত্তসিদি, কদাইদগী চানি তৌরিসিদি, হিংবা ঙল্লোইদৌরিকো।

ঙায়োনবীদুনা চেঙদাযবীদুদা ওনশিল্লগা,

— ইচেহোয়গীদি কযা হাপ্লে?

— কদাযদগীনোদা ইবেমশা, খরা থোকপদু. তু - হোনগৎখ্রিসিনি। খবা লেমহৌবদুনা অমগী অমগী শিংখ্রগা শঙবায অত্তমখক লৈহৌই।

— অদুনিনে ইচে, কনিমত্তা লেমদবনিনে। লাযরবা ঐখোযনা লৌ উবা কবিমত্তা কান্নদ্রে। নোংমৈদি উবু উবন্সি হাযববনি ঐদি।

— ইবুংঙো চা লৈবে

চা লানশিল্লকই। মুশুক মুবা ফান্দুগী মথক্তা। পীক্লবা শঙ মচানি, চা বোবা কাংঙৌগী হোটেল। তেংগালি ইচ্ছু চুরবা লেনতর্ন অমা মুশি মুশি থাল্লি। চা থকপা অহল অনীখক ফল্লম্বনি। থকপা লোইরদুনা চৎখ্রে। কন্তমব হায়ববু ইথন্তা ঙাইরে। ইচীক চাকই। ইচীক চাকপদু হৈনরক্ত্রদুনা চা থক্লা-থক্লা ঐনা হংই,

— ইতৈমা গাড়ীসিবু লাকখিরোইদ্রা?

— ঙহাক্তি ব্বাৎলমখিনিবু ইবুংঙো।

— পুং কয়াদকা য়ৌরক্কদগে?

— পুংকাদি খঙদেনে, য়াচঙবা মতুং ফনা কুইনা লৈবগা হেক হেক লাকপনিনে। ইবুংঙোদি কদায় য়ৌদোইবা?

— ইম্ফাল য়ৌজগদবনি ইতৈমা।

— কদাযদা চৎলুবা?

-- সিদা, খা ণাবলদা থবক অমগী চৎচক্কবনি।

— লাকঅনি লাকঅনি, ঙৈহাক ফম্মু। বোবা অশাবা পীবকউবা?

– ফোঙ ফোঙ শাবদু হাউগদবা মাল্লি। পীবিবকউ ইতৈমা।

হোটেলগী ইতৈমদু বেডী অমা হুৎ হুৎ চিংলদুনা বোবা হৌবি। পোযনুগী অঈংবা নুংশিৎনা উক উক শীৎচীল্লকলি। শঙ মযাদা হৌবিবা খোংনাং পাম্বী অচৌবদুদগী মনা চবুন চবুন কেল্লদুনা চাইথবক্লি। ঈংবনা চীক চীক লাউবে। চীক্লবা কৈথেল মচা অসিনা নুংঙনবগুম্বা অমদি পুক্নীংদা পোকহল্লি। হৌখ্রবা মতমগী নুংশিববা তাইবং অমদা চিংদুনা পুই। থাযনগী মৈতৈ যুমজাও, ব্রাই নীংথীনা তৈথোক্লবা সুমাঙ মাংগোল, শন্নাং কোইকক্লববী ইকাইথিজবী নুপীমচা লৈশাবীশিং — কদোমদগীনো খঙদনা নীংশীংহল্লি।

— ইবুংঙো বোবা লেবে।

এলুমিনিযমগী মবক থাংলবা প্লেট অমদা হাপ্লিবা বোবাদু ফনা যামমি। ঈশিং পীবক্লিবা লাক্লা গ্লাস অদুসু মবেক থাংই। মখুত্তগী বেডীদুসু থাদোক্তে হোটেলগী ইতৈমা।

মৌ নহা অমগা মঙোন্দগী খবা লৈশীল্লপ তৌববী অনগা চঙলকই। ঐঙোন্দা হংগোইবপ যেংই। মৌ নহাদনা হায

চা অনীদ পীবকউ ইচে। বোবাদ মখায অমত্তংগা হাপ্লকউ।

নুপী অনীদু নীংগা না ফমথে। থাবিবা ফান্দদা ফমদে। ঐঙোন্দা ফল্লপ ফল্লপ মবক মনক্তা যেংলকই। ফিজাও অনা ইল্লদুনা অহল অমসু চঙলকই, হাযবৈ

— চা অমা পীনকউহই শখি।

ঐনা ফমলিবা ফান্দগী মতাইদা অহন্দু ফমথবকই। ঐঙোন্দা হাইবপ যেংলল্লগা নুপী অনীদদা ওনশিনখি

— নচা নি ননাওদি চা থক্রমলিব্র?

— ও খুবা।

হাযবগা নুপী অনীদ থীক থীক নোকই। অহন্দসু হি হি নোকই অদুগা হায,

-- থাঙনি মচাশা ববিগীনোনে ঐ উবগা নখোযনা নোক্লিববো? নখোযগীদি কুমশিসি ঈশ্ববনা চাল্লেনে হায? ফৌবোৎ কুন হাপ্লে হাযদায।

— অং খুবা কুমশিদি শবা কান্নগুম তৌহ।

খবা লৈশীল্লপ তৌববীদনা খুল্লকই। অদুদগী ঙহাক বা লাং ঙাংদনা চা থক্লখি।

সুম সুম ঈংবা হেনজিল্লকই। য়ুম য়ৌনিংবগী লাঙতরুবনা গাড়ী লাক্কদবা মায়গেদুদা ঙক অসি থাংগত্তুনা হনজিন হনজিন য়েংই। থকপা চাবা লোইবদুনা নুপী অনীদু চৎখ্রে। অহলদুসু চা থক্লা থক্লা হোটেলগী ইতৈমগা রাবী ঙহাক শার্রাম্ম, অদুদগী চৎখ্রে। ইতৈমনা ঐঙোন্দা হায়রকই,

— ইবুংঙো বেডী ফানগেরা?

— এঃ ইতৈমা চুরুপ য়াওজরি।

ফুরিৎখাউদগী চুরুপ লৌথোক্লগা ইতৈমদুদা অমা পী.

— ইতৈমা চুরুপ পায়বিয়ু।

— ইতৈমদি চুরুপ হৈনদে ইবুংঙো। বেডী ওইনা থক্কে।

ইতৈমা মৈহুম অমা থাংগৎলদুনা বেডী চমখি। ঐসু চুরুপ অমা চম্মি। ঙহাক্তংদুদা নুপী অমা হাথু হাথু চঙলকই অদুগা হাযরৈ

— ইচে ঙাখা অতেকপা লৌহৌগেবা?

— কয়া য়াম্বনো?

— যামদেদা।

— কদায় য়েংসি।

নুপীদু ফমথখি। মফি মবোলদু মোৎপদা নত্তুনা যাম্লস্ মল্লে। মখুজেং মখুদাংদা লৈখোম খরসু পকই। অদুবু খোঞ্জেলদুদি নৌই। নৌদ নৌজবী নুপী ওইবিগী খোঞ্জেলনি। খোঞ্জেলদুনা চিংশিন্দুনা মাগী তৃংয়ান্দা য়েংলুই, মহাকসু মমায় লৈখত্তুনা ঐঙোন্দা হাইবপ য়েংলকই অদুদগী অমুক লুকথখি। ঙাখা ঙাকৃপ খরা লা অমদা যোমদুনা পুথোবকই।

— কয়া পীয়ু হায়রিবা?

— লুপা অমদি পীয়ু ইচে।

— ঐসু পোৎ নীংথী নুংঙাইনা শীৎতেনহে।

ইতৈমদুনা লুপা চৎপী অমা শেঙ্গাওদগী লৌথোক্তুনা পী। লুপাদু পাযবগা ঙহাক তৃমিন ফমদুনা লৈ। করিনো অমা খনবগুম তৌই। লুপা চৎপীদু ময়া যামাঙনা কক কক চীকই মরু লুকথৈ।

— চা থক্কেরা নঙবো?

ইতৈমনা হংই।

— থকওইদা,

ঙহাক তুমিন লৈরম্বগা

- ইচে চেঙ লৈব্রো?

হংলেকই।

- চেঙদি থমদ্রেনহে। মনিগী দুকান্দা অচা চেঙ ফজবা লৈহৌবনি। ঙাইখোনে ইন্দ্রমনিবু খবা ফব্রা? চাবা থকপা খবা যাব্রা? কবম্মাই তৌবি?

— চাদেদা ইচে। ঙসিদি রা-বাং ইঙাঙ ঙাঙদে। জ্ঞান তাদে ইচে ঐ। কবি দশানো খঙদ্রে।

অদুদগী তুমিন্না অমুক লৈখি। ঙহাক তুমিন্না লৈরুবগা,

— ইচে

কৈত্লানে?

শিকি অমখক্তদি হাপ্লকউবা।

ইতেমনা শিকি অমা লৌথাত্তুনা পী

শে শে। ঙাসি পুখ্রো নখোয় চাজকবো।

ঐখোয়দি অসাই অয়ুক্কসু চাযদা। যামদ্রসু যাম্না তেকপনি। হৌজিকবাইদা ফাবনি। চাবগা যেংঙ্ক ইচে খাদর্বনি।

শিকমঙাদ্ পাযবগা হোবে হোবে থোকখি। ইংথমথাগী অঙ্গংবা চঙদবগুমই। মফিদু ইপা পায। তাইবংপানসি চবিসু নাচুংবিদ্রনগুম বৈথেন পোৎলক ফাওদুনা চৎখি।

- ওস্থোকপনিদকো অঙাংমচা পীশকনিনে তৌবিসে।

ইতৈমদুনা মতোমতা শোলহৌই। ঐসু মূশি মুশিবা লেনতর্নগী মঙান্দুদা হাইফেৎ উহৌই — মাযথোঙদু যাম্না নৌনি। যাংবা নৌবি অদুবু পুক্নিগী পোৎলূম পুন্নমক লোকথোঙ নাবগা শুগার্খিদুনা কানাবু অঙাংনি খঙলুবদগে। ইতৈমনা মাগী বেডীদু অমুক্তং শাংনা চিংশিল্লগা মতেক্তুদা ঙহাক যেংই অদুগা লংথোকখ্রে। বেডীগী মৈখু কামথোক কামথোক্লা ঐঙোন্দা হাযবকই,

-- ইবুংঙো যাম্না অঙাংনিনে হৌজিক্কাদো। হক ইতোনগী মচানি। ওস্থোক্লা মবাযবক থীবে। ইন্দোমচাদু ঙস্তানা শিদোকখ্রে। মপা অঙাওবদুনা শেন্নবা শংদে হাযদুনা ওস্থোক্লা নংখ্রবা নীপা অমদা মবম ওক্ই হাযদুনা থাজবিবে অঙাং ইওই ওইনা। মায নুপাদুসু মবম

ওক্তবকাদি নত্তে। নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবফাওবসি ঙহাক্তা পোথাদবনি। শূমন্দুনা হেক নংবা হায়বদুনি। মখোয় মীসু য়ামপোৎনত্তে। অদুবু লাইবক হায়বসিনা য়াদ্রবদি ফনা নোমদুনসু নুংঙাইয়ু য়াদে। হৌজিক অমুক, লৌ লোইরকপদগী নাদুন লৈরে। ঙসি তরেৎ নীপান্নি শুরে ময়াদা করিমত্তা তাদনা ফমুংদা লৈরক্লিবা।

ইতৈমদু মরী মরী ঙাঙথরি। ঐনা গাড়ী লাক্কদবা মাযগৈদা লাঙতরুনা য়েংদুনা লৈরি। ব্বারীদুদা কয়া খোয়জঙনীংলক্লে। অব্বা-অনা লৈত-লায়রগী ব্বাবু কয়া কুইনা তানীংগদগে। ঐগী পুক্নীং চঙদবদু ইতৈমনা খঙলমানে, হায়রকই,

—- গাড়ী ঙৈহাক ব্বাৎলিমানেদা ইবুংঙো। ঙাইদা অঙাইনরসু হেক লাক্তবনি।

অদুদগী মখা অমুক শমথৎকই,

—- অদুনা মী হায়বসিদি ঐখোয়না কৈস্সু তপ্পা ঙমদে। মাগী নীপাসিনা শূবসি শূয়নে। চুন্না লৌ কন্না উবগী ব্বা ঙাক নত্তে। শীং চল্লি, ই ফাল্লি, য়ুম শাই। শূবা নোম্বদা তনবা, বাদিনা মী নত্তে। অদুগা সুম সুম নংশিল্লকই। কদায়দনো অমা হোবৎলিবসি ভাব তাদে। হাবুমদুনা লৌদু মথন্তা শিনি-নানি খঙদবমখৈ উজবগা সৈ মতমদদি লৌফমদগী অমনা শঙবায অহুম পুখি, অমনা পোৎনী পুখি মায় মায় শরুক পুনখিবদা মখোযনা ফৌ মরু অমা হেক পুখৎলক্লনা মপি খক খক হেক তাখৈ মংগাবকপঙুম কাববখিবনি। তাঙ্গাদুদা মপাদসু নংহৌবরোইদগুম থোক হেক শি। দশানা লাকঅদি পবেং পরেং লাকই হায়বদু হেক থোকপনি মখোয় ইমুংসিদা। কূর্মশি খনদং ফগদ্রা হাযবগা হেন্দুম হের্নাজিনখ্রে।

ইতৈমদু মতোমতা ঙাঙবদুদা নুংঙাইবম্নরোই খন্দুনা ঐসু হাযকবি,

-- ইতৈমা খঙদে তৌপিবসি। ঐখোয লায়রবা মীশিংগীনা কূমশি খরদং ফগদ্রা, নোংমৈদি খরা ফাবা য়াই খন-খন্দুনা সুম হৌখি। হৌজিকসিদা নুংঙাইবা খবনা পঙনুং নুংঙাই; শূবা শূদবা শেল পঙপায পায়। খরনা মকোক মমৈ খঙদখৈ শূই নোম্মি অদুগা মকোক মমৈ খঙদমখৈ নংই, বায়। লাইবক্নরা মীনরা ভাব তাদে।

— অদুনি অদুনি ইবুংঙো। মখোয় মতৈ-মনাওসিনা শূবসি ওখাক শূই। হন্দকসু অমদগী অমদগী লৌদু ফনা য়াম্না উজবনি। অদুবু চানীংঙাইদু লৈতবনিনা চিংজিন্দদি অমদগী চাম্মা অমদগী চনী ফৌদমশেলনি হাযদুনা চাথোকখ্রেদো। অদুগা ফৌ লোকপা মতমদদি মায়মগীদু তম্বফাও কোন্নদ্রে, মখোয়গী হাপ্পদি তোক্লদনা। হৌজিকপু মীগী পীগদবদি ব্বাৎলি, ফৌরা মরু অমা লৈত্রে। মীগীদি পীদবা য়াদবনিনা ইংখোল য়োল্লগা

পীদৌবি। মী খ্বাইগীদি পোযনুদা উচিদসু নুপী তবেৎ লোল্লি হাযনৈ ঐখোযগীদি ইংখোল যোন্দৌবি।

ইতৈমদু ঝাবী লীনা লীনা খোযবাং খোযশাওনবকপগুম তৌবকই। ঐসু থেমজিনফম খঙদে, হৌগৎলগা ঙহাক ঙাহৌ ঙাহৌ চৎসিবা খল্লি। ঈংবদুদা হৌসু হৌগৎনীংদে। হৌজিক্তি কৈথেন্দুসু অমমম অনী কূম্লখিবনা ইতাক তাকশীল্লক্লে। পূংদি পঙযাম যাম্না তাদ্রবসু যাম্না গেঙলবা অহীংগুম ইচাক চাকশীল্লক্লে। হনুবী খবা পুম্লগা তাশিন্দুনা সোবোক বাংমদা ফল্লি। মবক মবক্তা শাডীসি লাক্ক্লে দা গাডীসি লাক্লেদা" হাযদুনা লাউনবকই। লালোনবী ওইবমানে। তাঙ্গাসিদা, চেঙ ঝাম্লুগনি চৎখিবী নুপীমচাদু স্বব থবেৎ থবেৎ তোম্লদুনা কপ্লোহ লাউবোই চেল্লকই। ইতৈমসু ইথক থক্কৎলি, হংই,

কৈদৌনে

নুপীমচাদু চাননা কপখোবক্লে

ইচে ঐ লেইবে ঐ লোইবে

মচেনা নমহং হংজিল্লি

কদৌবগে? কৈদৌনগে হাযমি কেথেন মযাযসিদা। ঙাওবু ঙাওবব্রা কনো ননাও নুপাদু কৈনোমা তৌখ্রে হাযযে। ঐ লেইবে ইচে ঐ লোইবে

কবিনানে হার্যধি বাসিবো। অমুক্তা মেন তাখোন নঙবো। কনানা হার্যধিবা ঝানো হার্যাবদা যা

বাবেন লাকআম্ম। ঐ যুমদকা চঙঙবোই ঐ যুমদকা চঙঙবোই

ইতৈমদু মখা তাদে মনীংলোমদা থোকখ্রগা লেপ্লাউ লাউই হাই মনোবমা তাবব্রা প্রপ প্রপ থোবকউ। যাম্না থুনা যাম্না থুনা। লৈশাবী মচা অমা তহা তহা চেল্লকই, ইফিং ফিংনা হংলে

কৈদৌবগে ইমা।

— যেংগোই পোৎ-চেশিংসি প্রপ প্রপ লোইশিল্লু নঙ খুবামচাদু কৈনো অমা তৌখ্রে হাযযে

হাযবগা মনাওনুপীবু মখুৎ চিংদুনা পুখি। 'লাউ লাউ কৈসু তৌবা ওইবম্মোই। নঙ নচানুপা অঙাওবদুনা নঙ থুনা হল্লক্লবা হার্যাজনা ওইবমসু খঙপোক্তে' চেনবোই কবিগুই চৎমিম্লখি। ঐ চমন্দনা সেংদৌবি। অবাযবদা পোৎ যোল্লিবীশিংদুসু ইঙক ঙক্লা যেংনৈ

"কৈদৌরেগে কৈদৌরেগে" হংনরকই। মনোরমাদা ওনশিন্নরকই,

— কৈদৌরেগেনে ইবেম্মা?

— ঐখোয় খুরামচাদু কৈনোমা তৌখ্রেয়ে

নুপীশিংদু অমগা অমগা য়েংনৈ। ফুম্বংনবা মীৎয়েংনি। ফুম্বংনবদা ঐসু য়াওরি।

ফুম্বংনরিঙৈ, গাড়ীগী মখোন তারক্লে। গাড়ী ঙাইরম্বীশিংদু সোরোক ৱাংমদগী ইরাঙ লাঙনরকই। গাড়ী য়ৌরক্কুনা থাররে। ঐ হৌগৎলে। পোৎ লোইশিল্লিবী নুপীমচাদুদা অমুক্তং য়েংথরুই। মাসু ঐঙোন্দা য়েংখৎলকই অদুগা লুকথখি।

গাড়ী তোংখৎলে; অদুদগী খুংগংগী কৈথেন্দু থনম্লগা অসুম অসুম লাপথোরক্লে। যৌ বোরানা থল্লবা শলগাড়ী পরেং পরেং লম্বীদা লাকহৌরি। গারী মনুংদা ললোনবীশিং ইবাঙ লাঙলি। নাকোংদনা হীকহৈরবা মীকপ মীরাওখোল অমা তারি।

ইম্ফাল তম্না চৎলি ঙেং ঙেং শংলবা অহল ওইরবা গাড়ী। ঐখোয়বু পুরদুনা। ঐবু পুরদুনা। ঐসু ভাব তাদ্রবা ৱারী অমা ভাব তাদবা অসুম্মক পুদুনা লাক্লি।

।। ১৯৭৫, জনুৱারি ১৩ ।।

মীগীসু শাগীসু

তম্পাকলৈনগী পাক্রবা ইংখোলদু মানা পাক থল্লে। অনী-নী অহুম-হুম পূনশীন্নদুনা ব্না থগ্নে মত ফোঙদোক্লে। মী খূর্দাংমক্কী পূক্নীংদা চিংনবিবা ব্নাফমদি চপ মান্নে। অদুবু কন্নানসু কাওথোক্লদে। ইংগিতনদি খবা খবা ফোঙদোক্লবসু যাওই। মচীন যাওবা অমনা খাজক্তং চাঁন থোক্লা কাওথাবক্কে তৌবদা অমনা নমশিনখি — "তূমিন লৈয়ু, তূমিন লৈয়ু। মদু টান থোকপা যাবা বা নত্তে।" অদুদগী পন্নগদবা হংগোইনদুনা অমসু অমসু মখা তানদে, মমীং মমীং যেংনবগদা তোকই। মীপূম খূদীংমক্কী থম্মোযনু অকিবনা খূৎপায চেৎনা পাযশীনখ্র নুগুমই।

তিল্লিবা লৈকাইগী মাশিংদু টান থোকপা যাবা ব্নাফমদদি অওইবসু ওইদবসু যান্না ঙাঙনৈ। মখোযনা হায়নৈ - তম্পাকলৈমা হাযবীসে ওঙ্খোক্লা মবাযবক থীখ্রে। মচানুপা অহুম মবি পোকপসি জগোৎ চাবা অমত্তা যাওদে। মদুদা, মচা অতোম্বা পণ্থিং হাযবসিনা খ্বাইমক্তগী জগোৎ চাখিদ্রবনি। তৌজিক্তি লোইবেদো।

অমনা য়াম্না য়ানীংদনা য়েৎলি — কদাইদগী ৱানোদা ইনম্মনা হায়রি ৱাদু ওন্নরে। পম্বিংমুক নীপামচা থোকপা মবুকচেল চাউবা লৈকাইসিদা কনা যাওবগে? মী অমগী অবাবা অমা তারে তাবদা শিবা নাবা খঙদমখৈ চোংথোক্তুনা হোৎনজবা অঙাংনি। মীঙোন্দা লানবা অঙাং নত্তে। মাগী হায়বু মঙোন্দা লানবা য়াদে। মীনা লাকচবা য়াদে। মবাল খায়।

মনাক্তা লেপ্লম্বা অহল অমনসু পাংশিল্লকই — ইরেম্মা একাশিনিনা হার্যবিবসি চুম্মি। পম্বিং ফত্তবা অঙাং নত্তে। চুম্মি, মী খরনা মাবু য়াদে। মদু মহোয় মতোযগী অমোৎপা মরমচৎশিংদু মানা পুথোক পুথোক্তুনা ঙাঙবগীনি। ফত্তবগা থেংনবদা শিবা কিবিদবা অঙাংনি।

শিবা কিদবশিংদনিনে মাঙজরিবসে তাদা। ঐখোযদি মচেগী মতৌ যেংবা ঙমদে।

তম্পাকলৈমা হায়বীসিগী মবায়বক্না, মচা নিঙোল অমত্তং যাওর্বসিসু নংগ্রবা ইমুং 'অমদা হেক থোকউই। মথৌনা ফনা ফবা মচানি মাগী মচানুপীসি। 'অদুবু কান্নদে, মথৌনা ফনা ফরগসু মনীংনেবু হান্না ফুন্দ্রবদি পাংগল কেন্নগা তোকই।

মচেনা মৌপ্পা অতোনবাসিবু ওম্বোক্লা লুনা তৌজবনি। "ইপ্পাদনি ইমাগী সেবা তৌদৌবিবা। ইপ্পাদি নুপামচাদা নুপামচানি। ইমাগী অৱা অনা পুন্নমক খিংদোবিবা ইপ্পা পম্বিংনি" ফাগিওই কবিওই মৌপ্পাবু থাগৎচখি লৈকাইগী মচে মন্দোলশিংগা ঙহাক ফম্মীন্নবদা। পম্বিং হায়বা মিংসমক মহাক্না খন্দুনা থোঞ্জখিবনি।

মচেগী ৱাসিদা অচুম্বা য়াওদবা নত্তে। পম্বিংগা মযাম্বশিংগা খেন্নে। মযাম্মা অঙম লৈরিবসি নেশাদা পঙথরবা মী ঙাক্তনি। অমনা যুদা, অমনা গঞ্জাদা। অমদি — যু, গঞ্জা, কানি, নুপী, জুার অমত্তা চীৎথদে। পম্বিংদি ঙসি ফাওবদা কবিগুম্বা নেশা অমা শীজিন্নবা থেংনদ্রি। লৈকাইগী কনাগুম্বা অমদা দুৎ দাৎসু তৌদে। অদুবু ময়াম্বশিংনা, লৈকাইগী মী পুন্নমক্না মাবু কি। মচিং য়াম্না ফত্তে, মরিংজেন খায়, মহাক্না অমুক য়াখিদ্রবা বাফমদা য়াহনবা কুইনা চঙই, ঙাংন-শানবা য়াদে হায়দুনা মাগা ওনশিন্নবা তৌয়ে।

মমানা ৱাজবসু মাগীদনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী চক্রি ফৎলক্কবা অঙাংনি শাউকনু হায়দুনা ময়াম্বশিংবু থেমজিনজৈ।

পম্বিংনা অমুক মুক ময়াম্বশিংবু থীনা থীনা ঙাঙই — নখোয়বু মীরো? নমায নমায়দু ইকাইদরো? অহল লমম্না ৱানা তান্দুনা থম্বিবম্বা হিংগোল মচেৎসি নখোয় অহল্লা তান্ন-তান্নদুনা ফক্তুনা য়োনবদা শ্বর হোন্নবা মফমফাওবা লৈত্রে। ঐ মী হাৎলোই। নখোয়

হান্না হাৎকনি।

লৈকাইনা হাযনৈ — পম্বিংনা শাউববুদি চুম্মি। মযাম্বা অহমসিনা মশা মশাগী নুংঙাইনবদা খনবদা ইমুংসিদি ইমুং ওইদ্রবনি। নৌনা হোংলকপা ময়াংলম্বমগী ইমুংসিনা শেলদি পাযববনিনা খবা খবা থেমদুনা লৌশীনখিবদুনা হিংগোল মচেৎসি লোইশিল্লক্রে। যুম শেগাযবা অমখক যুংলিবসি মঙাযবে মখোযগী হাযববু।

মযাংলম্বম ইমুংগী মপু পুরেন্দুনা পম্বিংগী মবুধৌদুদা হাযজবগা ইংখোলগী মচি অমদা তাংদুনা লৈখিবনি। অদুবু হে শিংবদগী নোংম নোংমগী মপাল ফবকখি ময়াংলম্বমগী ইমুং। মচা মশু মথং মথং যামখোবকই, অদুদগী লৈফম চল্লক্ত্রদুনা পম্বিংগী মপাদা হাযজখি —

ইংখোল মচেৎ অমত্তদি পীবিযু। মতীক চাবা মমল কৎচগে।

ঐদি ইংখোল খোল্লোই।

পম্বিংগা মপানা হাযখিদে। অদুবু নুমিৎ খুদীংগী ঙ্রুং ঙ্রুং ঙংশিল্লকপদগী খাঙবা ঙমদ্রদুনা মচেৎ অমত্তং পাখিবনি। মদুগী মমল ওইনা পম্বিংগী মযাম্বা অহলবু কেবানি হাপ্লিখি মযাংলম্বমনা লোমদুনা। অদুদগী মযাম্বা যাইমসু, হেক থংনবদুসু মথং মথং কেবানি ওইখি। মখোয় অনীনা কেবানি ওইবদদি শেল যাম্না চঙখি। চঙখিবা শেল পুন্নমক ইংখোল খাই খাইদুনা যোল্লগা পুথোকখিবনি। খবা লৈবগা মযাম্বা অহলনা হেড ক্লার্ক কাবদা খবা অমুক ফক্কুনা যোনখিবদগীদি ইংখোল অদু মযাংলম্বমগী লোইনা ওইখ্রে, মখোযগীনা খজিক্তং নপ্পুনা লৈহোবে হৌজিক্তি মযাংলম্বমগী ইমুং কোনুংগুম্না পানখ্রে। মী উখিদ্রে। লৈমিন্নবিবা যুমসিগী সুমাঙদা লুখাক চংশুম অঙাংগী অমা অশোয ফত্তহাউদি লংশিল্লকই। মসিদনি পম্বিংনা খাঙবা ঙমদ্রিবা। মানা হেক হেক লাউই

তৌন তৌনু ঐখোযসু মীনিংকো, নোংমদি শিননি।

মযাম্বশিংদুদি বা অমত্তা ঙাঙদে। পূ কুনমবি নেশাদা লুপ্পুনা, ফমগী মিকাদুনা লৈ। পম্বিং মথন্তা মখোইন্দা পীৎলি। মযাংলম্বম্নসু মানা লাউজবদু মনাদা হাপ্লিদে। ঈশৈ হৌনা হৌনা খোংগৎংকই, যাম্না উশিৎ থওইদনা হৌনা হৌনা নোক্রকই। পুন্নমকসি পম্বিং তায। অদুবু মহাকসু হেব হাইজিনবদি ঙমদে। মযাংলম্বম, হৌজিক্তি খুৎ যাম্না কনখ্রে। অদুগী মথক্তা মযাম্বনি হাযদুনা লৈবিবশিং অসি মযাংলম্বমগী ইমুংদা হংগৎনা যেংবা ঙম্বা মী অমত্তা যাওদে। পম্বিং মতোমতা তাই। অদুনা মপুক মনুংদা প্রোক প্রোক চাকই। নোংমদি

ময়াম্বশিংদা হৌদোকই,

— ঐখোযবু ময়াংলম্বমনা তৌরিমখৈ অসুম য়ারসিরা?

ময়াম্বা য়াইমনা খুন্নকই,

— কৈদৌরগে পম্থিং, মী খৎনবা য়াম্না পামব্রা নঙবু? মী খৎনরগা করি কান্নগদগে? নঙবু নপাঙ্গল কয়াম ফরবগে?

— মী খৎনসি হায়বা নত্তে তায়াই। অমুক্তং ফজনা ঙাঙনবদি ফৈ। মখোয়না তৌরিবসি মী যাম্না উশিত্তবগী মওংনি। মীওইবগী লীচৎ নত্তে। ঐ খাঙবা ঙমদে।

ময়াম্বশিংদু তুমিন তুমিন লৈনৈ। তুফক তুফাই ইচন চনবগুম তৌই।

— করিনো নখোয়বু য়াম্না কিরবরো?

পম্থিংদু খোন খরা কনখৎলকই। মযাম্বা অহলসু কনখৎলকই,

— ফজ ফজনা ঙাঙনসি তোম্বা, ব্যবহাব যাওদবা তৌনু। অদুই শকক নঙসু থবক অমা তৌশিন্নবা হোৎনসি। শেল থোকনবা খবা খল্লু।

পম্থিং, মযাম্বা অহলদা ঙক্লা য়েংই। মযাম্বনা হাযবিদু ভাব তাদবগুম তৌই। হংলকই,

— করিনো তামোনা হাযবিদুবো? ঐনা হাযবদি মীনা উশিৎলত্তবগী বানে। ঙাঙনবিবা বাফমসিগা মবী লৈনবিব্রো তামোগীদুবো?

— মবী লৈনবা লৈনদবগী ব্রা তোকউ। ঐনা হার্যাবিবসি ইল্লু। ঐসে নযাম্বা অহলনি।

ময়াম্বা অহলগী রাদুদা পম্থিং নোক্লীংবগুমসু তৌই। শাউসু শাউনীংই। তাঞ্জাদুদা ময়াম্বা মাগী হেক মথক্তুনা হাযবকই,

— পম্থিংনা হায়রিবসি লানবদি নত্তে। ঙাঙন-শানদুনা খবমখৈদি খঙহনবা ফৈ, নত্রগদি সুম হেনজিল্লক্কদৌবি।

ময়াম্বা অহলনা খংলাউ লাউরকই,

-— ফরেনে, য়ুমসি নখোয হেক পাল্লোনে।

অদুদগীদি পম্থিং, ব্রা মখা তারমদ্রে। তুমিন থোকখ্রে।

নুমিৎ অদুমক্কী অহীংনি।

মী পুন্নমক তুম্ন-হিপ্নখ্রবা থেঙলবা মতমদনি। ইখঙ খঙহৌদনা খাক-লাউবগী মখোলগুম্বা অমা তাবকই — গদ্রাংগদ্রাং গদ্রাং, দোং গদ্রাং গদ্রাং। খংপ্রেক খংনা মীৎকপ

থোবকহ্ন পম্থিংগী ইমুংদু। নেশাদা লোথবলা মযাম্বশিংদু তূম্বা কাযবে। মখোলদু অমুকসু — দোং গদ্রাং গদ্রাং।

কবিনোনে তৌবিসিনো হাযদূনা মপান পোক্তুনা যেংনৈ। যুমথক্তা নুংনা থাবগী মখোন্নি, মযাংলম্বমগী যুমদনি হাযবা খঙনবকই। মযাংলম্বম ইমুংগী মীশিংদি চেক মোক লাউবা তাদে। ভুহাক্তং লেবগা অমুকসু — দোং গদ্রাং গদ্রাং। পম্থিংগী মযাম্বা অহলনা মবোল ফাইবি নাইদি লাউই — "তাই কনানোনহে তূম্বা যাদ্রেনে।" হাযবিঙৈমক্তদা অমুক থাজিল্লকই দা গদ্রাং গদ্রাং। পম্থিংগী মযাম্বদু কন্না লাউবকই, "তাই তোম্বা কৈনোনে নঙ তৌবিদুবো ... ল উবগা কুইহৌদে, নুঙ অমা হুইস পাইশল্লরুগা মখোযগী মাংগোলগী যক্রান্দা দপ লাউ ... মযাম্বা অহলদু কোকচাউবী কায, নুঙদু মাগী নাহুমদা খেৎলগা চৎখিবনি।

মযাম্বা যাওনা পোল্লপগা ঙাঙই,

ওম্থোকপা ... সি অঙাংসে। মাই হাক্তকতগী মী নুংশি ... বোইদৌবি। চঙঙসি চঙঙসি মা থোব ... খাম্লুবগা ঐখোয শোক্কদৌবি

মবী মবী চঙখ্রং ... গাঙ লোনশীনখ্রে। মমা তম্পাকলৈমদি অহীংদু মীৎ কক্লা অমা তুম্মখিদে। ... মযাম্বা অহল চত্তুনা মযাম্বম ইমুংব থেমজিল্লুই — শাউবিনু, ঐখোয বাবশচে। মসি অঙাংসি যাম্না নাত্তে চাখিদ্রে।

মযাংলম্বমগা ইমুংদ থোযসু হাযবক্তে মাইসু হাযবক্তে, নোকমি নোকমি তৌদুনা লেহৌই

নাম্মা নানা হৌখ্রে নোংমা নীনাসি পম্থিং বা ঙাঙদে। মবুক মনুংদা প্রোক প্রোক চাকপগা ... মমাগ মম ... ইকা কাহৎলি। অহীং অহীংদা চোইবোল পাবোল যাম্না লোল্লি ... মরাদা যাম্না চৈ থাংই। মঙলাক্লবগুম্লসু হেক হেক তৌই। অমসু অমসু নুংশা থীনৈ। মমা তম্পাকলৈমা হাযবম তৌফম খঙদে। পম্থিংগী মচেব কৌকই। মচে লাত্তুনা নৈবে মৌপুব থেমজিল্লদুনা পাঙমৈল্লে।

ঙবান্দনি মচেনা হায়খিবা,

-- ইবুঙো শাউখিনু। নঙনা শাউবিবদু লাল্লি হাযবা নত্তে, কবিমক্তা লান্দে। ঐসু শাউনীংলিবনি। ভুৎ চুদ্রিবা মী কনানবু শাউবোইদৌবিবনো। ইচেনা নঙোন্দা আশা যাম্না

তৌই। অভাওবদৌনদি তৌনু। জ্ঞান তাউ। নঙসে মপুং মরৈ ফাদ্রি। ইচেনা হায়রিবসি ভাব তাউ।

পম্থিং করিমত্তা খুমদে। মচেনদি করি করিনো য়াম্না হায। মাদি মচেদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈখি। মৌপ্পাগী মমীত্তা ঈরা চেনখি — মদু মচেনা উখি। হায়রিবসি ঙরাংদনি। অদুগা ঙসি অয়ূকসিদা তৌরমলিবসিদি করিনো। মখোয়গী সুমাঙ মতোন্দা ঙসি অয়ূক পম্থিং শিদুনা লৈরম্লে। শিবা নত্তে হাৎতোক্রম্বনি। ওনথোক্লা তমথিবা মীহাৎনি — মখূৎ অনীমক ককথৎলম্মি, ময়াদা থাঙশাং অমনা ফাওরেং লেংশিল্লগা থনম্মি। হৌজিক পোষ্ট মোর্তেমগীদমক হোসপিতালদা পুখ্রি।

মচেনা তেংথা নাওইদুনা কপ্লি। মমা তম্পাকলৈমদি কপ্তে, লেঙদে, হাইদে, চপ যুংদুনা লৈ।

ইংখোলদু মীনা থল্লে।

মী পূম্নমক্না বাবী শানা শানা ঙাইনবি — পম্থিংগী অশিবা হকচাং হোসপিতালদগী পুথবকপা।

।। ১৯৮২, জুলাই ২১ ।।

শঙায়শেন

অহাংগা পৃ ১১

ডিউতি হেব লোইবগা ফি হোংদোকত্রে যুম যৌনবা চেল্লকই। বলিহাবি। সাইকলসু নুংশিং তাবে। ঈন্দুনা চৎ পা লবি।

নুংশিং তাববা সাইবলদু ঈন্দুনা লাকপনা উচিন নাচিন্না লৈকাইগী স্কুল মপাদি যৌবে। স্কুল লম্পাক্তা মী খবা লাঙবা তায। কনা কনানো অহাংসিদা। পোথাবা ওইনা ঙহাক লেপ্লি। ঙাঙনবিবদু তায।

— লাইবিক হৈহৌদনদু যাম্না ফনবনি কুমাব ভাই। লাইবিক হৈবগা কৈদৌদাবিবনো? ঐ এম এনে এম এ। নঙগা ঐগা কবি খেন্নগে? নঙসু ইবা পাবা হৈদনা। ঐঙোন্দা লৈবিবা এম এগী নোলেজসে, নঙসু লাইবিক পাবগা অদুম লৈনি

- কান্নদে কুমাব ভাহ। শেল লৈতে থবক লৈতে। থবক লৈতে নুপী লৈতে। হা হা হা

— ঐখোয়গীদি য়ু থক্কদি, গঞ্জা থক্কনি। মসিনি পুন্সি।

ঐসু খরা য়োৎনীংলকই। লৈরিব্রা য়েংলুগে হায়না চঙশিল্লুই। মখোয় তরেৎ নীপাল ফমদুনা লৈরম্মি। গঞ্জা ঙাম্বক অমা লান্ন-লান্নদুনা থক্লি। লীক্লি খরসু তাদুনা লৈরি। ঐনা পাল্লিবদু ফংগদবা মান্দ্রে। হল্লগে খল্লকপগা অমনা কৌরকই,

— তাতোম্বী নৎত্রো?

অদুদগী মথং মথং কৌশিল্লকই,

— তাতোম্বী লেঙশিল্লকখো

— তাতোম্বী ৱারৌ য়াদে, মহীদি লোইথোকখ্রে।

— তাতোম্বী ঐখোয়বু ফাবিনুকো

অমনা ফাগি তৌরকই।

মখোয় পূন্নমক নেশা ফজনা পাল্লে। ঐ পাক নাম্থোকপা য়াগনি নীংদে।

— করিনো ঐখোয়না তৌগদবা তাতোম্বী: নোংঙানবগা যূমদগী থোবকপা, লমজাওদা কাত্রু কাবল খরা চৎপা। নুমিৎ তাবক্লগা মখায় লুপা অয়াওবা খায়জিন্নবগা খরা থকপা

— তাতোম্বী ঐনা হৌজিক যান্না পাম্বা অমা লৈবি। মীসি পঙহাৎতা হেক হাৎপা।

— য়েস য়েস ঐখোয় হৌজিক পূমলোই লোইমিন্নবা পাম্মি।

— হে ঈশ্বর।

— হ্বাট ঈশ্বর? হ্বাট ইজ ঈশ্বর? নো ঈশ্বর। নো গোদ এট অল

— নপাথোরাইমচাগী ঈশ্বর। ননসেন্স ঈশ্বর। দবকার লৈতবা ঐখোযবু করিগী শেম্বা? মরায়বক্তা নেৎলু থী নেৎলগা কাওশিল্লু

— কৈদৌরে কৈদৌরে

— কৈদৌরে

কনানো অমা উপ্পা তুথখিরম্মি। মখোয় অহুম মরি হুপচিন্দুনা য়েংই।

— দোলেন্নি

— দোলেন। ও শিরম্মনি। মা শিনি হায়বনি

— শিনি হায়বনি। শিরব্রা য়েংঙু

ঐ পাখৎপা অমা পোকলকই। চঙশিন্দুনা য়েংগে তৌই। কনানো অমনা লাক্নুনা

ইস্থোবকই।

— গে'দাউত। নঙগী নথৌ করি লৈ?

নুপামচাদু করিমত্তা লেঙ হাইবা তৌদনা শূপচিন্দুনা তাবি। ঐ তৌফম অমা খঙদে। মখোয মযাম ইবাঙ লাঙই।

অমনা হার্বি,

হি ইজ দ ফার্ষ্ট মেন

দোলেন, যু আর দ ফার্ষ্ট মেন

।। ১৯৬৯ ।।

মৈ

গান্ধী এভিনিউদা মহাত্মা গান্ধীগী মূর্ত্তি লেপ্তুনা লৈরি। চিল্লবা মীরক অদুগা মীনিলতগা য়ানশিন্নরবা মোটোর সাইকল, কার, ত্রক্কচিংবগী মখোন্না নাকোং য়েশিল্লি। নুংথিনগী পুং মঙা খরা হেল্লকপদা ডিমাপুবদগী গাড়ী ময়াম ধর্ম্মশালা মমাঙদা মথং মথং থারবে। গাড়ীদগী হেক কূমথরকপগা ত্রঙ্ক মচাদুমা পায়দুনা প্রপ প্রপ লাকপদু "গঙ্গালাল এণ্ড সন্স" দুকান মপাদা চপ লেপ্লি। মঙক থাংগৎতুনা নৌনা শাগৎলবা দলান অমসুং গোদাউনদুদা মুন্না য়েংই। অদুদগী মরু লুকথরগা তপ্না তপ্না অমুক মখোঙ থাংখি।

২

নুমিৎ অদু

মীতনা খোইরেন মশা পাইখি। পুলিসকী শ্বর হোন্দবা হুইসল অমসুং চৈশাংশিংনা মীয়াম্বু তরাই তরাই লাকশিনবা ঙমখিদে।

অমগী মমাগু অমনা থাহৌনবা মহৈ মহৈ ঈনশিন্নবক্রি।

নুপী অঙাং হনু-হন্থী খাক্তনা ক্রিক ক্রিক ঈনশিন্নবক্রিবসি শুপ্পতগী হনুবী অমগী মৈনা চাকথেক্লবা অশিবা মশা অদু অমুক্তং ওইববসু উহৌনবনি।

লাকশিনবা ঙমদ্রবা মীযাম্না ইকোয কোয়শিল্লি, অদুগা মৈনা চাকথেকখ্রবা থবায যাওদ্রবা হকচাংদু কোল্লদুনা নুপী অমখক্তি অঙাওবীগুম লাউ খোংলদুনা কপ্লি। থানাশিংনা মাবু খাম্না চিংথোকপা লাক্লবি। কুম্মৈ অসি মীযাম্না যেংলি। মীযায চল্লবা নুপা অমখকসু অশিবা হকচাংদুগী মনাক্তা উচুক্কী মতৌগুম লেপ্লি, লেঙদে, হাইদে, মমীৎ-মনা চপ যুংই। মহাক কুম্মৈ তৌবিব্রা নত্ত্রগা কুম্মৈ যেংলিব্রা খঙদে, অদুবু ঙহাক্তং লৈবগদি পুলিসনা মীযাম্মু তশ খাযবকপদা নুপা অদুবুসু চৈশাং অমনা ফৈবদুনা ঈনখোকখ্রে। নুপাদু মমায লৈখোক্তে মহাক্তং অনীদুদি পুলিসনা ঈল্লকপদা মঙগুম হাগুম তুং হন্না থাংলি। মখোঙ থাংলি হাযবা। মহাক মশা খঙজবগী মতৌ নত্তে।

মমৈথঙদা নুপী অদুবুসু থানা মযাম্না চিংথোকখ্রে। অশিবা হকচাংদুবুনা এম্বুলেন্সতা হাপকদুনা পুখ্রে। হনুবী অদুগী অশিবা হকচাংদু।

*

ঙবাং অহীংদি মহাক মশুশিন্ন যেংজদুনা মথবায তানা নোকচখি। মশুনুপা অতোম্বদুনা মবুক ইশিং শিংলদুনা মবোক্তা হাযখি

অবোক নঙগা চাক চামিন্নসিকো। তাতোনগা চামিন্নবদি পূক থলহৌদে, মানা থুনা হেঙ্গা চাখোকখি। নঙগা চামিন্নসিকো, কো অবোক

— হোযনে হোযনে চাসিনে ননগু শিত্তোকউ খোঙবা তুপ্পবনি কেল্লকঅদি।

মচানুপানা হাযখি

ইমা নঙগী থবকসি খিৎ তোকওবা, ঐ ইকাইবনা শিবে মী মমাঙদা।

চাকখুমদগী মমৌনসু,

হোযবা অবোক তোকও, চাব চাদবা মী মমাঙদা ইকাইবে ঐখোয।

মহাক্না খুমখি

— হেবা কবিগী ইকাইজগমনো মীগী মপোৎ হুক্কবসু নত্তনা। নঙনা যুম কুপ্পা চৎলিনি হাযদুনা তৌবিদুনা ইমুং পুবা কোন্নপোৎলা। ঐনা থবক চত্ত্রগা ইশুশিংদি কবি চাগনি।

নখোয়না ঐবু থাকপসু ঙম্মোইদবদা

মশু খরা চাউবদুনা,

— তোকও অবোক চৎলনু, ঐ থাক্কে।

— অওইরনে নঙবু ঐ থাকপা ঙম্মদরনে?

— করি ঙমদনি থাক্কেনে।

— করি শূরগা থাকতৌরিবা?

— সোরোক্তা নুঙ থুগাইরিসি য়াওরগা লোইরে।

মশুগী ব্রা তারগা মবোক্কা থরায় তানা নোকচখি। অসুম্না নমিৎ খূদীং থবক ব্রানা শূরুরগা নুমিদাংদা মশুশিংগী মতৌ য়েংদুনা অব্রা পোত্থাজে। ঙসিদি মপোকসিমগী ওইনা পোত্থাখ্রে। মশুশিংগী মতৌদা অমুক হন্না নোক্লবরোই।

*

হনুবীগী অশিবা হকচাংদু পুথোকখ্রবা মতৃংদদি মীযামদু খবা খবা চৎনখ্রে। অসুম্না নুমিৎ যুংলকপা মতমদদি মফম অদু তবক তবক্লক্কে, থেঙনা পাউ ফংবা মী খবা লাক্লিবদু মঙাযরে। মখোযনা উই — থানা মযাম্না ইকোয কোযশীন্দুনা ঙাক্লিবা গঙ্গালালগী মৈনা চাকখ্রবা দুকান অমসুং গোদাউন, গোদাউন মনুংদগী হোন্দোবক্লিবা মৈনা তুমহনবা ঙমহৌদ্রবা চেগী মপৈ মপৈ। মৈচাকখাক ওইরবা চেগী মপৈ মপৈ।

৩

নুংথিল ওইরক্লে।

পাওনা রোড, থাঙ্গাল রোড, বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড   হান্ন-হান্নগীদুনি। মী ময়াম, খোঙনা, সাইকলনা, বিক্সোনা, স্কুটরনা, কারনা চীক্ল চাযনা ঙমদনা চৎলি। সিনেমা হোলশিংদগী মশীং থীঙমদ্রবা মৈতৈ নুপা নুপী ময়াম হাদোক্লবক্লি, মশীং থীঙমদ্রবা নুপী নুপা ময়াম অমসু চঙশিনখ্রি।

সোরোক্কী ফুট-পাঠতা নহারোল চবুন চবুন লেপ্তুনা ব্রাবী শাদি।

— কল্লক পেনখ্রেদা গঙ্গালালগী গুদাউন মৈ চাকখিবসিদি।

— পেনখ্রে পেনখ্রে, নুংঙাইত্রিবদি হনুবী অমা যাওখ্রিবদুনি।

— হনুবী হায়বদি মযাং?

— মযাং নত্তে মৈতৈনিনে। অসাই উহৌদ্রববো মচানুপীদুনা কোল্লগা কল্পদো মচানুপী নত্তে মমৌনি।

— মান্নি মান্নি মমৌনি। নুপা অমা তুমিন্না লেপ্পা পুলিসনা চৈনা ঈষ্ণোকখিদুনা মচানুপানি।

— হনুবীদুদি মীগী দুকান মৈ চাকপদুদা কবম্মাই চোংশিন্দুনা যাওকবিবা?

হেবা গঙ্গালালগীদা ফিজু-ফিজামদুনা অঙাং মথী মযুং শেংদুনা লৈবী হনুবীনিনে। মৈ ঙ্রোং ঙ্রোং চাকথংলকপদুদা মী পুন্নমক্তি চেষ্ণোকখ্রগা মাদি নংহৌদ্রবজাৎনি।

— মযাংদি অমফাও শোকত্রা?

কদাইদগী শোক্কনি

— শিসনু হনুবাদু।

— কবিগী

কবিশীনো মানা মণিপুরনা ইম্ফেৎ যোম্বোক্কুনা মযাংগী মীনাই ওইক্ববিবদুরো? মযাংগী মানাই নত্তবদি অতৈ থনক লেত্রবজাৎলা।

হনুবাদুতা নত্তে মযাংগা মীনাইদি ভাহ মযাংগী লুখাক চগুম শেংবা অঙাং মথী শুরা অসিদগী হেন্দোক্কুনা মযাংগী শুম্বল ওইবী মশা যামখ্রপোৎনি

— হৌজিককালগী ছাত্রীশিংসি মথা নবুক কংবশিংগী খুৎ-লাইশা যান্না যাওবপোৎনি

মসি কবিদগী থোক্কিবনো হায়বদা

ঐখোযগী ইকোনোমি এক্সট্রিমলি বেকবার্ড ওইবা

এজ বেল এজ কোলোনিয়েল এক্সপ্লোইটটেশন

যেস যেস দেতস কবেক্ট

মতম খবগী মতুংদদি দিযাব বিল বি নো মনিপুব ইন দ মেপ ওফ দ বার্লদ

মসে মক ওইনা লম অসিগী নেতাজাউশিংসে

— মখোযনিনে মযাংগী মথুন চুপ্পশিংদি। নেতা শাবশিং সিনিনে ভাব তাবিযুনে, মখোযনা মনিপুব যোম্বোক্কদৌবিবনি

— নো নো নহান্না যোনখ্রবনি

— মখোয়সি হান্না মৈ থাগদবনি

— মান্নি, নেতাবালাশিংসিনা মীনাই মকোকনি, মখোয় হান্না লোইশিনগদবনি

অসুম্না ঙাঙনরিঙৈদা অমা লাক্কুনা হায়রে,

— ময়াম চঙলসি

— ফংঙবা

— ফংঙে

অদুদগী মখোয় ময়ামদু প্রাটাপ টকিজদা হিন্দী ফিলম য়েংবা মরী মরী চঙখি।

*

— ঙসিগী মৈদু নহারোল এক্সত্রিমিষ্টশিংনা থাবনি হায়রি

— খাসনু, মখোয় হেনমল্লি। চেগী মমলবু সেকেণ্ড খুদাংগী হেনগৎলি। ঙবাং কুনমাপল পীহৌবা চেদু ঙসি অয়ুক থোঙ হাংদোকপদা কৃষ্ণামঙা

— লৈবাকসিদা চেগী কারবার তৌবদি মখোয় মতোমতা ঙায়বর্বনিনা মর্নাংদি তৌরেনে। নহারোলশিংনগা চেগী থবক্তা থবায় য়াওশিল্লকপনে।

— মখোয়গী চলাকসু অঙকপনি। গুদামদা চন্দমখৈ লৈরিবা চেদু চে লাক্কে হায়দুনা নুমিৎ নীনী হুম্নি থাদোক্কগা মমল হাইগৎহল্লিবনি। পুমত্তম তুম্না চাক্রম্নদি পেনগদবনি

— চেক্কী দলার্ননিনা তুম্নদি চাকখিদ্রে। বোম হেক সংশিল্লগা ফগদবনি

— ফগদবনি।

— উম, থানা তারবদি ফাবা শোয়দে

— মীগীদি করিসুবু মাঙঙোইহনে, ইন্সুরেন্সতগী দবল হেন্না ফংখিগনি। শিখ্রিবা হনুবীদুগীদি মরন্নাই অদুম ওইজখ্রে। মখোয়গী দেশ সেবাদা মৈতান ওনখ্রবী অহলদুগী করি তৌবিদৌরি নহারোলশিংনা

— ফরেদা, মীগী দুকান মৈ চাকপনা চাকচবনি, ঙসি ঐখোয়গী প্রোগ্রাম কমদৌবা

— চঙবা য়ারকএনা

— চঙঙসিনে

মল্লি মল্লিবদুদা খুললোমদা তুমিন তুমিন চঙনখি।

*

— ইসঃ ইমাইপেম্মা অসাই হনুবী অমা মৈদা লৌবদু যেংহৈখিদ্রেদকো

-- মৈনদি চাকশিল্লক চেনফমসু খঙদা লাউবসু তাবিদা ওহ্নোক্লা ৱানা শিঙম নাঙমদনা শিবমনিদকো ইচে ইবেম্মা

— অহলদো যাম্না নংই হাযনে। মযাংগী মীনাই ওইদুনা লৈবনি হাযনে। ইস যেংহৈখিদ্রে, ঐদি কদাইদগী যেংজক্কববনো

৪

অসুম্না চাকথেকখ্রে, গঙ্গালালগী চাউববা গোদাউন অমসুং দুকান অনীমক। চাকথেকখ্রে হনুবীদুগী খুইথবক্লবা হকচাংদুসু, তোল্লবী হনুবীদুগী। পীক্রিবা মশু অহমগী নোংমগী চবাদং ফংনবা গঙ্গালালগী মচা-মশুশিংগী অমাং অশোই শেংদুনা ফিজু ফিজামদুনা হিংলম্বী হনুবী অদুগী হকচাংদু গঙ্গালালগী গোদাউন মনুংদা হিংনা লৌখি। মীৎকুপ অদো। ও মীৎকুপ অদো। অকিবগী মশক্নি। অদুবু ঙসিদি উন-ৱাইমুক চীকখ্রে।

মতম শাংনা লৈবাকসিদা চে ফংদবদগী স্কুল কলেজ অফিস অমসুং ছাত্র-ছাত্রীশিং পূম্নমক্না মাযগে শনাই খঙদনা চেন্নবা উবদা কল্লক পেন্না নোকখি গঙ্গালালনা, গঙ্গালালগী মচাশিংনা। মখোয়গী কল্লক পেনবা মতৌদুদা পাখঙ খবগী থম্মোয মৈ হৌখি — কেলি চানা যোনফমদা, নুমিদাংৱাইবমগী কাঙজৈবূং মযাদা।

অদুবু ইম্ফাল সহব কবিসু তৌদে। তৌবিবা হাযববু নুমিৎ হেক তাখিবগা মযাংগী দুকান পূম্নমক থোঙ লোনশিনখি। দুকান থোঙ লোনখিবগা পাওনা বোড, থঙ্গাল বোড ইমম মমশিল্লি। ঙাযোনফম হৈযোনফমদগী কাখৎলকপা পোদোনগী তেংগালিনা মুশুক মুনা খ্বাইবম্বন্দগী অতিযাদা কূপশিল্লি। মসিদি হান্নগী হান্ননি। ইম্ফাল সহব কবিসু তৌদে। গঙ্গালালদি মাঙখিবগী শরুক অনী হেন্না ইন্দুবেঙ্গতগী ফংখ্রে। সবকাবনসু মতেং পীখি। গঙ্গালালনা লৈখিদ্রবী হনুবীদুগী ইমুং-মনুংদা লুপা চনী তেঙবাঙখি হাযনা লোকেল পেপবশিংগী মমাযদা লামায থন্না ফোঙনখি। পাখঙ খবা ফাদুনা জেলদা থমজিনখি। অদুগী মখা তাখিদ্রে।

থা খরা হৌগ্রে।

ঙসিদি গঙ্গালালগী দুকান অমসুং গোদাউন হেন্না নীংথীজনা হেন্না চাউনা লংনা শাগৎগ্রে।

ইম্ফাল সহরগী পাওনা রোড, থঙ্গাল রোড, বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড মীনা ক্রিক ক্রিক ঈন্নদুনা চৎলি। সিনেমা হোলদগী হাদোরক্লি, হাজিনখ্রি — মৈতৈ পাখঙশিং মৈতৈ লৈশাবীশিং।

নিঙ্লবা মীয়াম মরক অদুদা

নুপাদুগী মখোঙ অদু তপ্না তপ্না অদুম্মক থাংলি। মৈনা চাকথেকখিবা হনুবীদু মমাঙদা শং-শংনা উরি।

!! ১৯৭০ !!

থেংগাইনবা

কৈথেনগী মতমদি যৌরে।

মচাশিং মমৌশিংনা ঙাঙলিবদু তায। লৈকাইগী মচা-মনাওশিংনা হায়রিবদুসু তায়। মখোয়না ঙাঙলিবা হায়বিবশিংদু অরানবা অমফাওবা য়াওদবোই নীংই। "হেরা মদুমদি হাযমল্লিদা" হায়দুনা য়েথৎনীংবা মতাং য়াওদে। অদুবু মপোৎ লোইশিন্দুনা থম্বদি ফনা কুইরে। মপোৎ-মচৈদু মমাঙদা থল্লগা মযাম্না ঙাঙলিবশিংদু, অমদা অমুক ওনশীন্দুনা য়েংই, অমদা অমুক ওনশীন্দুনা তায়। মশাগী চহী হুম্ফু লৈখৎলক্লবী লৈহাউদা পাউতাক পীরি, থেল্লি। মখোয় মযাম্না হায়বিবা ৱাদি অমখক্তনি। কৈথেন কাখ্রনু হায়বনি। অদুবু ঙাঙনখ্রিবা ৱাদি য়াম্না য়ামখ্রে। দুরি পোইন্তদা অহীং তূমদবা ঙগ্বা, লৈঙাং ফাবি, সাতপতি শান্নবদা চরা হেনবা ৱাদবা মচানুপা যাইমনা খ্বাইমক্তগী খঙবা হেনবা শিংবা হেনবা মী অমগুম ঙাঙই। মহাক্না হায —

"অঙাংশিংনা নোংমৈ পায়দুনা লাল হৌবক্লিবসে হৌরকপা তাবনি। কনানবু থবক

অমত্তং তৌনবা হোৎনবদা তিংনশ্রিবা শেলসি মহানিনে। লুপা লীশীং কুম্থা নীফুবু চেগায় মচেত্থু ঙায়খ্রেনে। লুপা লীশীং কুম্থা নীফু পুথোকপা ঙমদবা মীদি তোলোপ চাবা থবক তৌদ্রে, ত্রোকএনে। অসুক যাম্বা শেল লৈরবদি ঐখোয়দি ইচা ইনাও অমত্তা গোরমেন্ত সারভেন্ট ওইহল্লোই। কারবার তৌহনগনি। শেল লৈরগবু করিগী মীনাই ওইজকদগে। মতম মাঙনা মসিদৈসিদা লাইবিক তম্লুরগা, ত্রেনীং চৎলুবগা কান্নফম খঙদ্রবদি শাউবকপা তাবনি। মন্ত্রীশিংসি মহা ফৎখিদ্রবা মী ঙাক্তনি। থবক হাপ্লদসু শেল চায ঠিকা পীবদসু শেল চায়। মসিদা ঠিকাদারশিং অসিনা লম্বী শেমলিবনি হাযদুনা তৌবিবসিনিদনা। শাবা লোইদ্রিঙৈদা নীংখায়রে কীহ্নরে। ঠিকাদাবনা শাবা স্কুল তেকথবক্তুনা অঙাং নল্লে হায়দুনা বাংথোকনরিবসিনি। হান্না শেল চাথোক্লুরবনিনা মবাল লৈবশিংদু ফারগা এক্সন লৌবা ঙমদ্রেদো। মসিদদি লৈবাকসি উজার শারে। মসিদা ইনর্জিনিযাবনি হায়দুনা লৈরিবশিংসিনা মরোল অমা। দাক্তবনি হাযদুনা লৈরিবশিংসিনা ইহৈদি হৈতনা পোঙখ্রিবা থোয়খ্রিবা। মী ভেলোরদা লৈবা হৈব হৈরবা দাক্তরশিংদুদি ওম্থোক্লা চমখ্রে ফখ্রে হায়বিয়ে। অনাববু নুংত্তিগী ইরুজথোকপী হাযবিসিনি।

মহাক্লা ঙাঙলিবদু সুম তাবম্বদগী মখুবানা মবক থৎলকই - -

করিনোনে য়াইমা নঙগীদুবু ভেলব য়ৌখ্রেনে। কৈথেন কায়বগী বারী শানবগা ভেলরদা লায়েংবগী বা য়ৌশিল্লকইসিবু কমদৌবিজাৎনো

কৈথেন কাযবদুবু হাযবিবা খুবাতোন। ঐখোয়গী মন্ত্রীশিং অসিনা ফৎমন্দবগী থোকলিবনি হাযবা। অঙাংশিংসিনা তৌরিসি লৈবাক্তি লাঙই হায়ববু খাঙবা ঙম্মক্ত্রদুনা তৌরক্লুবজাৎনি। লাইরিক তমশিল্লুবে, ত্রেনীং চৎশীল্লুরে শেল তিংনা মতম মাঙনা। থবক তৌগে হায়রুরগা শল লোইয়ু য়েন লোইয়ু ঙানু য়োকউ নশানা নশাবু থবক পীজৌ। শল লোইদৌবা ঙানু য়োকতৌবা ওইরবদি করিগী লাইরিক তম্মুরনি হায়গে। মথোঙ চাদবা বা ঙাক্তনিনে মন্ত্রীশিংসিনা ঙাঙলিবসে খুবাতোন। ঙা য়োকউ ঙা য়োকউ। পৃথ্রি তৌফম লমদি লৈতনা কদাইদনো য়োকতৌবিবা ঙাসে। চীংদা ঙা য়োক্লবা লুপা লাক্ষ কয়ানো থাদখ্রে হায়দাই। মসিবু নোক্লীংদ্রা হাযবা। মখোয়গী ফুরিৎখাউদা লুপা লাক্ষ লাক্ষ হার্পচিল্লে হায়বদি য়াদবনিনা চীংদা ঙা যোক্লবা থাদখ্রে হায়নে। চৈ লৈতবগী বানি

নঙগী বাদু কারল অমা চৎখ্রেনে য়াইমা।

কারল নত্তেনে খুরাতোন। ইন্দস্ত্রি তৌ ইন্দস্ত্রি তৌ হায়রে। লোন পীনি সবসিদি পীনি

দরখাট্ট থাউ হায়দুনা থাহল্লে। মদুদগীদি ফাওহনগে লুপা অদুক পীয়ু। ফাওরকান্দনা লুপা অসুক খাইয়ু। মসিদবু কনানা শাউনীংলোইদৌরিবনো? লোন সবসিদিগী জাৎ মন্ত্রীগী মরী মতা মখোয়গী খঙন চান্নবদা অয়াম্বা পীখিনি। সাসোন মতা অমনিনে হৌজিক তৌরিবসে খুরাতোন।

য়াইমদু ভাঙবা লেপ্লগী বা লৈরোইদবনি। লাইশ্রমগী মুহিদ্রোনা মখোঙ বাৎলে লাউরকপদগী উচিন নাচিন্না হৌগৎলগা চৎখি। মমাদা 'কৈথেন কারুনুকো ইমা। শোরাৎ শোন্নবা শেল লৈত্রি' হায়রম্মি। য়াইমনা চৎখিবদগী ঙহাক ঈংই। অদুবু ময়ামদুনা 'কৈথেন কারুরনু' হায়বদি লেপত্রি।

ঙরাংগী মমাঙ নহান্দনি য়ুমথঙনবগী অহনবীগা অশ্নিগা লাউনখিবদু। কনাগী অরৈবা পারোন পুরোন পুথোরুদুনা চৈনথ্রবনি। অখাকপা লৈতনা হায়নথ্রবনি। অহনবীনা হায়খিবদু করি

হাই নুপা চার্বী, নবা চার্বী হিংচাবী। নবা অহম নম্ব্রা নঙনা মথং মথং চাথোকখ্রিবা। কিজৈনহে কিজৈনহে নমাযদু ওনশীনবিবক্কনুনহে, ইচা ইশু মঙ্গোল ওইরোইনে।

মহাক্লসু খুবাকপু খূজীনবও মমীৎপু ফাকচীনবও ফনদি য়াম্না খুমখিবনি

হো ইবেম্মা তুলশি মনা, নবা হন্দোক্লম্নগা মীগী মবা ফাদুনা লৈরবদুদি নঙ মঙাযবেহাই, তৌঙম্বী বাবোনবী .

খুম্বদি খুমখি, মপুক্লীংদি থুংখিদে। অহনবীনা লাকচথ্রবোই খল্লি। অহনবীদি অতোনবী ওইজরবসু মচাগী মশুগী মরুম থুপ্পুনা নুংঙাই য়াইফনা পানবা হায়বদু ওইখ্রে। মহাক্কীদি মদু থোক্ত্রে। তৌবগীবুদি অহনবীগা অসুম্না লাউনবসি অনৌবা নত্ত্রে হায়ববু হন্দক্তি য়াম্না নুংঙাইতে। মথীবোং শোত্তুনা চাথ্রগা ওনখত্তুনা অদুক থীনা হায়খিবা। চোংশিন্দুনা মখয়াৎ শেৎকে তৌবনি। ময়াম্না খাম্বিরম্বগী মরাযবক ফবনি।

অদুগুম্বী অহনবীদুফাওবা ঙসিদি মমাঙদা চঙশীল্লক্লগা হায়ররে,

— কৈদৌবগে ইচে অঙাংশিংনা হায়রিবসিসু মতাবিয়ু। ঙসি নোংমা খৈদেন লেপ্লদা শিদি শিরোইদনা। হন্না য়েংবদা ইচেগী কনাসু লৈতবদি নত্তেদনা। ঙরাংগী থৌদৌদু ইচেদা ঙসি থোকও, অঙাংশিংদি করি ওইহৌদৌরিবা!

— হোইনে। অদুম তৌববদি অঙাংশিংসি করি ওইহৌবা! ও! ওম্থোকপনিদা সখিতোম্বীদো। অদুম্না থোক্কনি হায়বদু মঙদা ফাওবা মঙখিদেকো। ওম্থোকপা হায়বদুনিদা।

মাগসু কয়ারক্লো লাউনখ্রিবা খৎনখ্রিবা। পোৎমাঙ থৎলিগা থস্তেগা, ফমফম চুম্মিগা চুমদেগা। মহাক্কী হেক মতুংদা ফমজবনি সখিতোম্বীদু। নুংতিগী হেক খৎনৈ হাযবা যাই। অদুবু ঙহাক লৈবগদি বেডী লান্নদুনা থকমিন্নে। পোৎলৈবা মী লাক্তবা, লৎপা তাঙ্গাদা ইমুংগী লৈত-লাযবা অৱা নুংঙাই কযাগী ৱাবী শামিন্নে। ঙহাক্কী মমাঙদা লাউনখিবদু পুক্লুংদদি কবিমত্তা পকহৌদবগুম্মি।

— ইশঃ মাগী অসুম থোকউ তান্নকপা হাযবদু তাবেকো। ঐগী ইকোকসি লানথোকখ্রগা ইতুংদা ফম্লিবা মাগী মকোক্তা হোৎচীন্দুনা কবম্না পাল্লুবিবা। ইমাইপেম্মা। ঐ শিবমগনি। ইশঃ ঐ শিবল্লবনিনে শিবল্লবা।

মতোমতা তবঙদা যেংলগা ঙাঙই। মনাকোংদা সখিতোম্বীনা খংপ্রেক খংনা লাউবম্বদু তায। হন্না যেংথোকখিবদা তৌবল্লিবা মতৌদু উবদা লুতোন শাৎখি। মযম মবাঙ খঙদনা লাউখোংখি। কৈথেন কাযখি।

নাহ্লোবকপা নোংমৈ মব্ধ অমনা কবিসু খঙজদনা হৈ যোঙ্গবিবী নুপী অমগী মপুক্সি মফম মবাঙ খঙহৌদনা লোইশিনবিখ্রে। হাযবিবসি ৬বা'দনি। ঈনা পুমঙাও ঙাঙখিবা মঙ হাগুম্বা থৌদোক্লি। ঙহাক্কী মনুংদা সিযাইতনা পৃংমু ম্থি।

হন্দক মবক্তি কৈথেনসি ঈবাং যান্না কল্লি। ঙহাক লৈতনা কাবদুনা চেন্নে। কাপ্নবে কাপ্নবে, শিনবে শিনবে। পোৎ যোনফম খঙদে। মিঙ্ক থাঙ্গ শুদে।

নুমিৎ খুদাংগী কৈথেন কাবদসু কুম্বদসু সিফাইগী চবুন চবুন উই। মখৃত্তা নোংমৈ পাযবা সিফাইগী চবুন চবুন। সোরোক্কী নাকন অনীমক্তা চবুন চবুন পবেং পবেং লেপ্তুনা লৈবম্মি, লেপ্তুনা লৈহৌই। গাডী মপোৎ মপোৎ মাঙলোমদগীসু তুংলোমদগীসু ঙং ঙংদুনা থৌখি। নোংমৈ মচীন থিন্দোক থিন্দোক্রদুনা। থাযনগী জাপান লান নীংশীংই। হৌজিক্লা কনা কনা তৌনবিবা লাননো খঙদে।

ঙাঙলম্বা শকলম্বা মযামদু হন্নখ্রবা মতুং, মচা মমৌশিং কদায কদাযদনো চঙনখ্রবা মতুংদা বেডী মচৈ অমা মেন তানা থক্রে। অদুদগী মকোক্তা মপোত্তু থোংগৎচবগা কৈথেন যৌনবা খোঙ শান্দোবকই। ঙবাংগুম ঙহানগুম সিফাইগী শঙ্গুশিংদু অদুম লৈৎম্মি।

নোংমৈ মচীনশিংদু মহাক্কী মমায মপা চপ চানা নত্ত্রগা থবাক মপানক্তদা থিন্দোবকপা যাওই। ইশঃ ইমাইপেম্মা। নোংমৈ মব্ধ অমা পাইশিল্লক্তুনা ঐঙোন্সু পাল্লবদি। খল্লুবতদা

লুতোন শাখলি। খোঙথাং খুদীংগী শ্বায় শ্বায় লাউই।

কৈথেন থেঙলে হায়বগীসু পাখৎলি। লম্বীদা চৎলম্বা পাখঙ মচা অমদা হংই,

— ইমাগী ইবুংঙো পুং কয়া তাপ্রে?

— বারো মখায় হেনগ্রে ইমা। পুং অমা তাগদৌরে।

— ইমাইপেম্মা নুমিৎসিদি আ য়ৌপ্রপোৎনিদনা

হায়রম্লগা খোঙথাংদু প্রপ প্রপ য়াঙখৎখি। শ্বায় শ্বায় লাউরম্বদুসু অসুম অসুম হুম্ভখি।

।। ১৯৮৪ ।।

তূমিন্না লৈবা

তপ্না তপ্না তূমথখ্রে। মথাদা নপশীঙ্জবদুনা চেৎনা কোনশিল্লম্বা খূৎসু কোমথবক্লে। পৃথিবী অসি শিববগুম অহীং অসি টাক্লে। শিংবক্তবা পিনা নোংজ্ঞুথাগী কোমকৃৎকম মীৎলু অনীমক্তা পাবি। শ্বব হোন্দ্রবা পৃথিবাগী তম্পাক্তা মাঁওইবা পূম্নমক তমখূন তাল্লি, অদুগা ঐগী মীৎনা মপাল নাইদনা শন্দোকখ্রিবা অমম্বগী ঈপাক্তা লম্মাঙনদুনা মাইগৈ অমদগী অমদা কোযচৎ চৎপগুম তৌরি

হে পুন্সি। কযাদা তমঙমখিদ্রবা। ঐনা ঙসি ওইরিবসি করিবনো। অঙাং অনীগী মমা। ঙসি ঐ অঙাং অনীগী মমা ওইবে। হযেংদি মনীং লোকোন্দা লৌ লিংবা চৎকনি। কযা নোক্লাংখ্রবা। কযাদসু তমঙমখিদ্রনা। যূম পানবা হাযবদুগ্নু মসিনা। নুপা নপাতগী মবীনা জগত অসিবু তেক্ত কাযদনা পুন্দুনা থম্লিবজাংলা। নুপা হাযবসিবু থাজবা যাবজাংলা। ঐগী হৌখ্রবা পুন্সিদা নুপা কযানা থম্মোযবু খূদুম চল্লম্লগা মবুকচেল হোংখিবা, মদুদা ঐনা কযাদা মৈশা লাংহৌবা, কযাদা ইকাইখিবা। চহী কযামকম নুপা অমত্তগা

মায়য়োক্লকদ্রবা মতুংদা মহাকসিগা থেংনকই যুনিববসিতিগী পুন্সি মতেক্কুদা। মতমদুদা ঐনা মহাকপু চাননমক নুংশিখিব্রা? ইপুবোইবা ওইংগে নীংখিব্রা? পাখঙ লৈশাবী ওইববসু ইনখৎলকপা মতমগী ইঙাও ঙাওবা ইতাউ তাউবা মতমদু লোইশ্রদুনা বাখলগী নম্বো পোববা মতাংদনি মহাক্কা থেনক্ববা। চহী মতাংনা যুম পানবা লিৎখিবা যাবগী তাঞ্জাবু কিবদগী নত্ত্রা ঐনা খনবমখৈ খল্লগা 'হোয' হাযখিবদো। মদুবু নুংশিববা। নুংশিবা নত্তেসু কবম্না হাযর্গনি। মতেক খবদুদি কযাদা হবাও তযাস্বনা থনখিবা। ইশাগী ওইজবা থিবনা অপাম-নুংশি হাযবদু চান্ননা ওল্লক্কুনা পুমনৌ নৌবা মঙগী তাইবং অমদা তাউখিবদো। অমুক হল্লক্রবোইকো।

হযেংদি মনীং লৌকোন্দা লৌ লিংবা চৎকনি। ইমানা হাযখিবদো নীংশিংলকই

– নঙ লব্বাযদুদা লৈখোম লৈনাঙ তৈদুনা লৈকব্বগেসিনিনে

ঐনা খুমখিবদো কযাদা ইকাই খঙদবগী মতৌনো

– ইবেম্মা নখোয ইম্ফালগী তাৎ পাৎ মবকসিদা হিংদৌ শকক আ লবাযদা ঈংনা পাঞ্জবগে।

ইস। ঙসিদি নীংশীংলুবন্দা কযাদা ইকাইবকথ্রবা। ইমাদবু ঐনা অসুন্না হাযখিবনিকো। অদুবু নবাযগা ইম্ফালগদি কবিদা খেন্নবিবা। মফমসিদসু উৎ পাৎ, লমচৎ নাইদবগী থবক্কা পীক থল্লি। মীনা মীবু কল্লকই। ঐগী অব্বাবদা অবাবা পোকপিদুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্রবি। চাননা নুংঙাইবিদ্রিব্রা তৌশিন্নবিব্রা খঙবা ঙমদে। মর্সিদি মফমসিদসু ইম্ফালদসু চপ মান্নে। অদুবু ঙসিদি যুমসিগী যুম্ব হাযবদো ঐনা ওইববে। মফমসিনা, যুমসিনা ঐবু চেৎনা কোনশিনখ্রে। যুমসিবু হন্দোক্কুনা হনখিবা হাযবদু মীওইবগী হৌনদবা লোনচৎ ওইনা যাক্কুনা থনম্লে। খোঙ অসি থাংদোক্লগে খনবা কয়াবকসু যাওই, অদুবু কবিনো অমনা চিংশিন্দুনা থমখি। মফমসিদা ঐ বন্দীসু ওইবি মপুসু ওইবি। বন্দী ওইবগীসু কযাদা নুংঙাইবা মতাং লৈখিবা। ইন্দ্রিনুংগী অকনবা ঈথক্কা হৌবক্কবদা, খাঙঙম লৈঙম্লক্কবদা চাম্ম-চাম্মবক হন্না মখা পোনবা ওইজনীংখি। মখা পোনবী ওইবদা ফংখিবা পুন্সিগী মহাওদু অমৃতগুম থোকখি।

অহীং খুদীং ইপুবোইবগী মথানুংদা চেৎনা থাগোঞ্জদুনা নুংঙাইবা মঙলান কয়ানো ঐনা মঙজখিবা। নুংঙাইববা মঙগী সংসার অম' ঐগী মাঙদা মপাল নাইদনা শন্দোক্রম্মি। মদুদা ঐনা মফম অমদগী অমদা ইনীংতম্না চোং চোংদুনা শান্নখি। ঙসিনা নুংঙাইববা

মঙলান্দু মপাল নাইদ্রবা অমম্বগী ঈপাক্তা অসুম অসুম লুপথখ্রি। অদুগা ঐনা ঙমখৈ উদ্রবা অমম্বগী ঈয়াইসিদা ঈরাক্লরি। মশক মওং লাকঙমদ্রবা অকিবা কয়ানা ঐগী অকোয়বদা তম্লররি। খঙদে ঐ খঙদে। করিনো তৌরিবসি। ইনাক্তা হিপ্লিবা ইপুরোইবসি ইখঙ খঙহৌদনা শ্বাই মাঙত্রগদবগুম পূক্লীংদা তয়াং তশোইরি।

নুংনাংবগী ঈরৈনা চেহ্ন-চেহ্নুনা য়াম্না লাপ্পা শকখঙদবা লমদম অমদা থুংলুবগুম নীংশিংবা থোক্তনা ঐ তূমথরুরমানে। মহাক্লা খংলাউ লাউরকপদুদা খংপ্রেক খংনা মীৎকপ থোকই। ঐনা মশা নোমদুনা হৌদোকই।

— তারব্রা, তারব্রো, তারব্রা হায়মি

মঙক নোম্লকই। ঐনা মনমগন্দা নাম্ল-নাম্লদুনা হায়জৈ

— মীৎতু অমুক্তা পাঙথোকপিয়ুবা। মীৎতু অমুক্তা পাঙথোকপিয়ুসে

মীৎ তপ্পা তপ্পা পাঙথোবকই, শ্বর মর্পী অমসু শাংনা হোনদোবকই অদুগা ঐঙোন্দা য়েংলকই। অসুম্না ঐবু হেক হেক য়েংই। মীৎযেং অসি ঐ খাঙনা ঙমদে। মসিনা ঐখোয় অনীবু য়াম্না লাপ্লহনখিবগুম থম্মোয় অসিদা তনীক তনীকপা পোকই। ইমায় অসি মথাদা থমজরদুনা মাগী লাইবক্তগী হুমাং মরীকশিংদু ফিজিনা তপ্পা তপ্পা তৈথোকচরগা পূক্লীংগী অকিবসি কোকহন্নবা হোৎনজরম্মি।

অহীং অসি অকিবা ফংনা চিকখ্রে। শিগদৌববা পৃথিবীনা স্বর হোনবা ঙমদনা য়াম্না ৱানা নাহেবগুম থম্মোয়নুংসিদা তারকই। ঐ অসি ঐ ওইবা কিজবক্রে। হিংনিংবগী ৱাখলদু লাপ্পা চৎথোকখিদুনা ঐগী থৱায়গা হকচাংগা নাইতোম নাইতোম লৈনখ্রবগুম তৌরি।

মাদি অমুক তূমথখ্রে।

ঐ খঙদে, নুমিৎ অদুদা ঐনা মাবু চৎখ্রো হায়বম্লবদি অসুম্না ওইবমলোইদ্রা? ঐগী ইরাল ওইবা তারব্রা? ৱাহং অসি ঐনা ইথস্তা মশীং খঙদনা হংজখ্রে। মখোযনসু ঐবু কয়ারক হম্না ইরাল শীখ্রে।

ইনেমবোক্লা হায়খি

— ইবেম্মা নঙবু কোক চৎলু হায়বা য়াদব্রনে? নুমিত্তুদং লৈরমদ্রবদি ইদাদো অসুম্না ওইরোইদকো . . .

ইনেমবোক্লা কয়াগী মতীক কপখিবা। ঐনা কয়া অমা কপখিবা। কবিসু খঙজদ্রিবা ইচা অপিশক্লা কয়াদনো কপচখিবা। অদুগা ইচেহলনা হায়খিবদো

— ইবেম্মা নঙসুনে ইম্ফাল নিঙোল্লি লাইবিক হৈবিনি হায়দুনা নতোমতা তুমিন তুমিন লৈবদগী মসি পুন্নমকসি থোক্লিবনি। ঐখোযগা তান্ননীংদ্রবসু অবোক্কদি তান্নবা যাইদনা।

পুন্নমক্না ঐঙোন্দা ইবাল পীখি। অদুবু, মখোযদি? মখোযবু মীবা? ইচেহল কযাদা মবুকচেল পীকখ্রবা। ইচেযাই কযাদা তাৎ হৈখ্রবা। মখোয অনীমক্না ঐবু কল্লকখি। হৌজিকনা কল্লক পেন্নবি। মপাম্ছোংদনা নুংঙাইবিদবা শাবি। মসি মীওইবগী লমচৎলা।

মচীন মনাও নুপা অহুমগী ইতোন তোনবনি ঐগী ইপুবোইবা। ঐ লাক্লিঙৈদা ইতৈহলদি তোঙান্না চাবম্লে। ঐ লাকপা চংগী ওন্দনা ইতৈযাইস্ন তোঙান্না চাখি, যুম তোপ্না লৈখি। ইনেমবোক্কা ইকুবোক্কনা ঐবু লৌকুম লৌকা যাওহন্দে। এম এ নবু লৌ কুমব্রা তলব চাবা থবক থিযু হাযদুনা ঐখোযবু থাদোকই। ইপুবোইবসু ঐসু এম এ নি। কদাই কদাইদনো দবখাস্ত পংথাদা থাখি। ইন্তর্বভিউনি হাযদুনসু ফনা যাম্না যাওখি। শেল পীজবিবনি হাযদুনা পীজবগা কযা অমা কান্নদনা মাঙখি। লীশীং তবা লৈববদি ওইবনি হাযদুনা লৌ মচেৎ অমা লৈবদু যোম্ঠোক্লগা পীফম খঙদদুনা তোকখি। অদুবু মতমদো। কযাদা ইবাংদি থাংখিবা। ঐখোয অনী থবক থিবনি হাযদুনা মশীং খঙদনা চৎমিন্নখি। সিনেমা যেংখি। ইচেযাম্না ঐঙোন্দগী বাবী লোইনা তাথোক্লগা ইচেহলদা তম্মি। ইচেহলনা ইনেমবোক্তা সমধোন হাপকত্তুনা তমশিল্লি। অদুবু ইনেমবোক্না ঐঙোন্দা "ইবেম্মা নুপীনা পঙচৎ চৎলবস্ন ফজদেদা" হাযবদগী হেন্না অকনবা বাহৈ অমফাওবা হায়দবদুদা মখোযনীমক মখোইদৌ চাকখিবনি। অদুক কল্লক চাউবনি। অদুক মবুক ফত্তবনি। অদুগা ব্রাফমদু ঐনা মখোযদা হৌদোকফম থোকপ্রা। তশেংনা ঐগী ইবাল কবিনো?

নুমিৎ অদু নুমিৎ যুংবা মতুংনি। মহাক্না মখোয অহুমগা চঙমিন্নবকই। শকফমশিংদু উবদা কুইনা মযুমদা হুঞ্জিন্দ্রবা মাল্লি। মফি-মবোলশিংদু যাম্লমক মোৎত্রবসু তক তকবা হাযবদুদি ওইদ্রে। মমীৎশিংদু খা বাং লৈ লৈদুনা যাম্না যেংই। থোইদোক্লা তথক তথকপা নত্ত্রবসু মখোযগী ফিভমদু মীগা খৎন-চৈনবকপগুম্বা ওইনদি উই। অমদি মশক খরা খবা খঙবদৌনা তৌই। কলেজদকা থেংনখিব্রা হাযনা খল্লি। মহাক্নসু ঐবু খঙবগুম, কৌনিংবগুম তৌখি। অদুবু কৌবদি কৌবকখিদে। ঐসু কৌবা ঙমখিদে। মখোয ফত্তবা মী ওইনদি উদে। মখোয অহুম ফমহল্লম্লগা ঐগী নুপানা ঐবু চাকশঙদা কৌশিল্লগা হায,

-- চাক খবা থোংগৎলু। মখোয অহুমসি চাক পীজদবা যাদ্রে।

— কনা কনানো মখোয়সিবো? অমদি খবা খবা খঙবগুমসু তৌই।

— য়া অতৈ কোন্না ঙাঙনসি। চাক্তু প্রপ প্রপ থোংগৎলু।

মাগী মতৌদুদা ঐসু থোইনা মখা তাকদ্রে। চাক তনথোং থোংদুনা মখোযবু পীজখি। চাক চাববা মতুং পল্লমদে মখোয অহুমসু। অদুম চৎখি।

নুমিদাংদা, হিপথববা মতুংদা ঐনা হংখি,

— অসাইগী অহুমদুবু কনা কনানো? কদাইদৈনো?

— অমদি নঙগা খঙনৈ হাযদাযনে

— এবা। খবা খবা খঙবগুম তৌই, উধ্রবগুম তৌই হাযবনিদা।

— ইঃ ইসঃ নঙগা নুংশিনবস্বা নত্ত্রনে?

লক্কবির্বনি খঙই, অদুবু পাখৎপগুমসু তৌই। কনানোনে অসাইগীদুবো। ঐনা নীংশিংগে হোৎনবিঙৈদা মানা ঐবু কোনশিল্লগা হাযবকখি

— নঙ মী কনামক্তদা নচান কাঙথোকপা যাদেকো, ইমাদকা পল্লবা যাবা বা নত্তে

মহাক্কী বাদু তাবদা ঐ কিবা হৌবকখি, মানা মখা তাবকই,

মখোয অহুমদো হৌজিক্কানগী নহাবোল যক লাউবানি

— যক লাউবী হাযবু কৈনো? মহোযগী পি এল এ, প্রিপাক্কা হাযদুবা হাযমি।

— হোযনে। অদু তৃমিন লৈযু।

অস। অদু অদুগুম্বা মীশি'দুবু কবিগী পুশিল্লকইবা

- চাক চাবক্তবা যাম্না কুইবে, চাক খবা পীজৌ হাযবে। খঙনবকপা, লাইবিক তম্মিন্নবকপা ঙাক্তনি। কবম্মাইনা পীজবোইদোইনো? মখোযসু সৎ চৎখ্রিদুনি। নঙনা খঙবগুম তৌই হাযবদু যাম্না ফবা ভোলী প্লেযাবনি।

ঐ শ্বব মপী হোল্লম্মি। মঙোন্দা কবিগুম্বা অমা হাযনীংবগুম তৌই। অদুবু কবি হাযগদৌবিবনো খঙলমদে। চবা হেল্লবা মীবু চাক পীজনবা পুশিল্লক্কনু হাযবসি ইচীনসিনা পনবসু ঙল্লমদে, পুক্কীংনসু যানীংদে। অমবোমদা, মখোযদুগুম্বা মীওইদুবু তুক্কচকদ্রবসু, মহাক্কা মখোযগা শম্নবদি লাযবদনা খঙনবফাও পামজদে। ঐনা কবি হাযসিগে খল্লিঙৈদা মহাক্কা হাযবকই

— ঐ কদাযদনো অমা চৎখ্রসিবা

— কবিগী

— মখোযনা সুম্মাইনা ঐখোয়গীদা লাক্রম্মি হায়বসি তাপ্রবদি ঐবু শোয়দনা থিবক্কনি

বাদু তাবদা ঐ খংপ্রেক খংই, মীৎ তন্দন পাই,

— কবি হাযবা? কনানা থিবক্কদৌবিবা?

— আবমিননিদনা। অদুনা কদাযদনো অমা হন্না লোৎহৌসিবা খল্লিবনি।

ঐনা মীৎ অনীসি লংথোক্লুনা মঙোন্দা যেংলম্মি। খঙহৌদনা অতিযা পুন্নমক নীংখাযবক্লবগুম অদুগা পৃথিবী অসি মথক মখা ওন্থোবক্লগা ইথক্তা নম্থবক্লবগুম থোকখি। তাইবংপাল অসি ক্ষথাক অবাওনা থল্লবা মপাল নাইদ্রবা অমম্বা ঈপাককুম, অমম্বগী মপৈনা কল্লবা ঈথক ইপোম ওইনা হৌবিবগুম অদুগা ঐনা মদুদা পীক্রবা হিনাউ ওইনা মাযগৈ খঙদনা যেং যেং হাইবিবগুম তৌবকখি। অকিবা মবোন মবোন্না ইথক্তা মথং মথং …র্শিনবা হৌনকং। ইপুবোইবদা ঐ যেংবা ঙম্লকত্রে। মীৎ অসিদা মঙসু নত্তা তাইবংসু

বেণী শক্রান কযা কযানা অমগী মনুংদা অমা লোলশিল্লকখি

মনা লৌকোনগী লৌবুক্কী চিদোন অমদা ঐ লেপ্লম্মি, ইথন্তনি। পাক্লা শন্দোকখ্রিবা লৌবুক মযামগী চিদোন অমদা ঐগী ইপুবোইবা লৈবম্মি। মহাকসু মথন্তনি। ঐনা মাবু তান্নবগুম তৌই। মহাক্লা ঐঙোন্দা যেংল-য়েংলদুনা তুং হন্না হন্না চৎখ্রি। অসুম লাপথোকখ্রি। মহাক্লা বা খবা হাযবিবগুমসু তৌই। অদুবু খোঞ্জেল থোক্তে। কবিমত্তা তাবা ফংদে। ঐসু লাউবম্মি। কবি হাযনা লাউবিবনো ঐ ইশানা খঙজদে। খোঞ্জেলসু থোকপা ঙমদে। অসুম অসুম ইপুবোইবগী শক্তমদু শামখিদুনা মনীং চৌংগোনগী মকমদা মাঙখ্রে। উবা ফংখিদ্রে। লৌবুক্কী লৈখোম মবক্তা ঐনা খা-বাই খঙদনা কোযচেন চেল্লম্মি। মচিদি সুকলেঙ লেঙবা ঙম্লমদে। মাযগৈ কযাদগী নুপী শঙ্গু শঙ্গু লাউ লাউদুনা লাক্লিবগুম কবিগুম উই, অদুবু খোঞ্জেলদি অমফাওনা তাবা ফংলমদে।

ঐদি অসুম চেল্লি। মঙম্দি ইশান শান্দে। খোযবাঙ খোযশাউনৈ। লৌবুক মযাযগী লৈখোমদা খোঙ অসি অসুম অসুম পুৎথোখিবম্মি। খুৎ অনীনা পঙহাইদা হাইবম্মি। যাম্না লাপ্পা মযাম চঙদুনা যৌ যৌ লাউবগুম্না অমমুক তাবকই। খোঞ্জেলদু অসুম নকশীল্লকই, অসুম হৌলকই, মবোল শেংলকই

পাংশোয পাংশোয

বাংলা দেশ বাংলা দেশ

পাংশোয পাংশোয

ভিযেৎনাম ভিযেৎনাম।

নুপী শঙ্গু শঙ্গুদু অমুক উরকই। শোরাশুগী হল্লকপগুম পুঙৌ ফনেক ইম্নফি শেৎ-ইল্লদুনা মরু লুকথ লুকথ পরেং পবেং চৎলি। মরক্তুদা য়াম্না হৌবা নোংমৈ মখোলসু তাবগুম তৌই। ঐনা ইপুরোইবদা চেৎজেৎ কোনশিল্লি। মহাকনা ঙাঙলকপদুদি ঐ তায়

— কৈদৌরে? কৈদৌরগে?

অদুবু ঐ খুম্বা ঙম্নমদে।

লৈতঙ্গায় মরক্তা ঐ অসি তুম্বক তাশিন্দুনা তাদুনা লৈবিবগুম ঐনা উই। মুশুক মুশুক মুবা, অকিবগী মশক ওইরবা সিফাই শঙ্গু অমনা ঐবু কোয়শীন্দুনা লৈরি। চরাম্নরবা হুই শঙ্গু-শঙ্গুনা মরৈ হা হা তম্নদুনা শদুম মচেৎ অমদা কোয়শীল্লিবগুম ইশা ইতোমতা ফাওরকই। হুইশিংদুনা হোৎচিল্লক্তুনা শদুম মচেত্তু অমগী ময়াদগী অমনা অমুক মুন, অমনা অমুক মুন, শরাক তম্বা হৌই। ঐ ইশাসি শদুম মচেত্তু ওইখ্রবগুম তৌরকই। ঐ খাঙবা ঙম্নমদে। হীক হীক কপ্লম্মি।

চাম্নরা ঐ কপ্লম্মি।

ইপুবোইবনা লূখমদা নাম্ববিরদুনা হংলকই

— করিনো তৌবিসিবো? হে কৈনো কপ্লিসিবো?

পাম্বোমদা পায়দুনা নোম্লকখি। মতমদুদা, মঙলাক্লকবদগী তপ্পা তপ্পা মঙফাওনবকপগুম তৌবক্লে। অদুবু কিবদি ফবমদে। ঐনা অমুক্কা হেন্না চেৎনা মাবু কোনশিল্লম্মি। মহাক নোকথোরকই

— কৈনো নঙবু ঙাওরবরা? কৈসু নত্তবসিগিবো

ঙ্গান তাবগুমদি তৌরে, অদুম্নদি ওইরগা ইপুবোইববু হেন্না হেন্না চেৎনা কোনশিন্নীংলি। চেৎজেৎনা কোনশিল্লগা ঐনা হাযবম্মি,

— নঙ চৎখিনু। নঙ চৎখিনুকো

— করিনোনে? কদাইদা চৎকে হাযবগে?

— চৎপা তারবসু ঐবু পুরগা চৎলু। ইবুংঙোমচাব্ পুবগা চৎলু

— আই! মসিদি ঙাওরেদনা। ফাগি তৌদুনা পঙঙাঙ ঙাঙবদুবু। তুমিন লৈয়ুসে। নমায় হাইগৎলু বা হায়গে।

ঐনা মাযসি তপ্পা তপ্পা হাইগৎচরগা মহাক্কী মায়থোংবু য়েংজবম্মি। মহাক্না পি তৈথোকপিরদুনা লুমাংগী শম হাইগৎপিখি। মহাক্না ঐগী চাঁনবান্দা তপ্পা চুপ্লম্মি। ফোঙ

ফোঙ শাববা মাগী খুবাম্না ঐগী হকচাং শীনবা থুংনা নানবিরকই। হৌজিক্তি, ঐবু লাংগোই চল্লম্বা অকিবদু অসুম অসুম মাঙখ্রে। ইপুবোইবগী শউম কল্লবা নুংশা-খবনা ঐগী মাযদা হঞ্জিন হঞ্জিন যৈববে। মীৎকুপ খবগী মনুংদা সংসারগী অৱাবা নুংঙাইবা পূন্নমক চপ মান্ননা মাঙখিদুনা নুপা নুপীতগী ওইবা ঈফুত্তুদা ঐখোয় অনী অহীং অদু তাউথমিন্নখি।

অহীংদুগী ৱাংমদা থুংলুবা মতমদদি নোং ঙাল্লমলে।

নোং ঙানবা নুমিৎ তাবগী লেপ্তনা উংলিবা ধোবীনা অসুম অসুম লৈশীনখিদুনা নুমিৎ কযানি হৌখ্রে। অকিবা পূন্নমকসু মাঙখ্রে।

পূন্নমক কাউথ্রবা মতুংদা নোংমা যাহৌবকপদদি ঐখোযগী যুম সিফাইতনা পল্লোন তবেৎ যোমদুনা লৈবম্লে। থোঙ হেক হাংদোকপগা হোৎচিনখিদুনা ঐগী ইপুবোইব্বু - ম ৮ া ২ াদুনা প/খোবকখি। কনানসু ৱাহৈ অমফাওবা হংবা, হাযবা নংহৌদে। পুদুনা চৎখি।

মীৎকুপ অদু ঐ শিখিব্রা হিংখিব্রা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক নীংশীংলিবা হাগববু, মতমদুদা যুম, উ বা লেংলি পাল্লিবা পূন্নমক মমৈ মকোক ওন্নবদুনা মালংদা উংদুনা লৈখি। অদুদগী পুংমম মমশিল্লকপগুম তৌখি। অদুবু, হে মী। কযাদা নোক্নীংথ্রবা। শিবা যাববা তাঞ্জাদুদা ঐ শিখিদে। ঐ হিংদুনা লের্বাম্ম। হিংদুনা লৈবম্বদো কযাদা পামখিদবা। অদুবু শিজবসু ঙমখিদবা। অসুক বানবু লেবমখিগদ্রা।

হনুবা ইকুবোক্সা খা-বাহ খঙদনা কোযচেন চেনখি। সনাহল লোকচাউদা। চীংঙাদা। ফাখিবা নহাবোল থম্মি হাযনবা মফম পূন্নমক্তা। হেক চঙজবা ঙম্বা, চেনবা যাবা মফম খূদীংমক্তা। ইতৈহল ইতৈযাইমা অমুক অনীবক চৎপা যাওকই। অদুবু মখোয পূন্নমক মখূৎ হামদুনা হল্লকখি। কনিসু উপাই লেখিদে। ঐগী ইপুবোইবদু শিবব্রা চঙলিব্রা, কদাই মফমদা লৈবগে কনিমক্তা খঙনা ঙমখিদ্রে।

মতমদো। তম্বদবু 'থাক্কদ্রা।

নুমিৎশিং অদু ঐনা ব'নম লেনখিবা। নুমিৎ তাবক্কনি হাযবগীসু কি নোং ঙাল্লক্কনি হাযবগীসু কি। নুমিৎ তানে নে' ঙালহন্নাংই। নোং ঙাল্লে নুমিৎ তাহন্নীই। ঐ কদাইদা লৈবিবগে, ঐ কবি তৌবিবগে খঙখিদ্দ।

নুমিৎ কয়ানিনো, থা কযানো কৈদৌঙৈ হল্লক্কদবনো খঙদে। মপোকসিগী

হল্লক্রবোইদ্রা? মদুসু খঙদে। মঙনি খঙদা তাইবংনি খঙদা মঙলাক হংলাক্লদুনা লেনখি। অসুম হৌখি।

পুন্সি হাযবসে কবিসু খঙবা ঙমদবা, থাজনীংঙাই সুকওই ওইদবা। অকিবা হায়বদু খক্তা ওইববা।

নুমিৎ অদুসু থাজবা ঙমখিদে।

অশেংবা ঐগী ইপুবোইবদুমক্রা? নত্রগা মনীং থুংখিদ্রবা মহাক্কী থবাযনা তাইবং শক্তম লৌদুনা পুকমেন পাওমেন্নবা লাক্লিব্রা? মহাকপু উবদা ঐ কৌবা ঙমখিদে, মনাক্তা চঙশীনবস্ ঙমখিদে। কযা কুইনা মহাকপু যেংদুনা লৈখিবনো ঐ খঙদে, মহাক্না নোক্লদুনা হংলকখি,

—- কবিনো? শক খঙদ্রবা? মুন্না যেংহৌদা। ঐ থাদোবক্লে। ইবুংঙো মচাদি? ইমাহোযদি?

বদোম্নদগীনো খঙহোদে ইনেমদা ও দগাহ লাউশোই চেনশিল্লকখি

হাইমা ইচা লাক্লে ইচা থাদোবক্লেদনা ইমাগী ইবুংঙো হচা শিন্দ্রদনা

মীৎকুপ্পুদা ঐ কৈদৌখিবা? খঙদ্রে।

অহী চপ্পা মহাকপু চেৎচেৎ কাক্লদনা লেনখি

অসুম্না অহাংগী মথংদা অহী।

অদবু ঐগী মঙলাক্লবদি লোইযু হাযনা ওন্নমদ্রে। মহাক ওনজেল লাগচেল্লবা মা হাযবদু ওইদুনা হল্লক্লে। অসুম অসুম শোম্বুবক্লুনা চহী অমবোমসিদা চহীনা নম্বববা অহলওম অশোনবা হাযবদু নাখৈ শেংনা ওইবক্লে। ত্তন্না ত্তন্না খংবা পাউবনা মহাক্কী লোযনববা লাযনা ওইববে।

ওয়োকপনি। ঐনা তৌগদবসি কবিনো? ঐ অঙাং অনীগী মমানি অশোনবসিনা ঐগী ইপুবোইবনি। মান্নি, ঐগী ইবাইবকসি ঐগীনি। অদবু পুম্নমক অসি ঐনা থোকহল্লিব্রা? অসুম্না ওইযু হাযদুনা ঐনা পোক্লকপা মতমদা যাত্তুনা যাওবক্রব্রা

অমুক হৌবক্কদৌবে। কান্নদ্রবা বা মযামসি হন্না হন্না কযাবক খনম্মে। অহীং কযা

তুমদনা হৌখ্রে।

ঙসিগী অহীংসু হৌখ্রে।

উচেক-বায়া খোংলক্লে। নুমিৎকী মণ্ডাল হন্দোবক্লগনি। ঙসিদি মনীং লৌকোন্দা লৌ লিংগদবা নুমিৎনি।

।। ১৯৮৪, ডিসেম্বর ২১ ।।

অৱাবা

ইঙন ঙন্না পাওনা বাজার ইচিক চিকই। ইমম মন্মি। নোংয়াইগী মতমগুম্লন্মি। অমম্বদা, তান্না তান্না মী অম'নী চৎপগুমসু উই। দুকান খূদীংমক থোঙ থিংখ্রে। ফাবমাসি অমত্তসু থোঙ হাংলমদ্রে। সোরোক্কী নাকন্দা পরেং পরেং লৈবা দুকানশিংদ্ ইউ উবা ফংদে, ইহাঙ হাঙবগুম তৌই। ঐ থৱায় য়াম্না নুংঙাইরমদে। পূক্লীং য়াম্না লাঙতক্করম্মি। ইমা মশা কন্না ঙমহৌদে। হিদাক্তি লৈবা ফংলোইদৌরি।

পূক্লীং তয়াং তশোইনা মঙম ইশান শান্দনা ঐনা হাথু হাথু চৎলিঙৈদা, কদোমদগীনো ইখঙ খঙহৌদনা হূই অহুম মরি চোংখোরক্তুনা ঐঙোন্দা তান্ন-তান্নদুনা খোংবা হৌবকই। ঐ য়াম্না কিরম্মি। কন্না চেল্লম্মি।

ভাব ইতা তাহৌদনা সিফাই ময়াম্না ঐবু কোয়শিল্লম্লে। খূৎ অনীমক তুংলোমদা কন্না পায়শীনখ্রে। য়াম্না শাথিনা নারে। থবাক্কী মিহুল কন্না চোংলম্মি। কবিনো অমত্তং হায়গে হোৎনরিঙৈদা নোংমৈ মতোন্না কিৎ কিৎ নমশীল্লকই — থবাক্তা, পূক্তা, খজাইদা, কোক্তা।

অদুগা ঐবু ঈন-ঈন্দুনা পুরম্মি। ঐ ব্না ঙাওবা থোক্লমদে। হকচাং পুন্নমক নীকই। মফমদু কদাইব্নাইদনো ঐ খঙবা ঙমদে, অমুক্তসু উখিদ্রি। ইহাঙ হাঙই। অহাঙবদা সিফাইতনা পুমচাই চাইবগুম উই। ঐ নত্তনা চুন্নগী মী অমফাওবা উবা ফংদে।

ঐগী নাকন্দা ষ্টেনগন য়ানবা ব্নাং চাউরবা সিফাই অমনা চঙশিল্লক্লগা ঐঙোন্দা ব্নাহং কয়া হংলম্মি। মহাক্না হংলিবদু করিনো ঐ খঙবা ঙমদে। ঐনা করিনো খরা হিন্দীদা হায়নবা হোৎনৈ; অদুবু ঐনা হায়নীংলিবদু হায়বা ঐ হৈরমদে। "ঐবু ফারিবসি করিগীনো" হায়না হিন্দীদা হংলিবনি হায়দুনা তৌরিবদু মখোয়না করিমত্তা তাদবগুমসু তৌই, খঙবা ঙমদবগুমসু তৌই।

ইথত্তা চমন্নরিঙৈ মতমদুদা ঐবু ইন্টরোগেসন সেলদা পুশিল্লু হায়বগী ইঙ্গিত পীখ্রে। সিফাইশিংদুনা ঐবু শ্রো শ্রো চিংবা হৌরকই। ঐগী হকচাংদা ফি অমত্তা য়াওদ্রে। শম পায়দুনা ঐবু কন্না চিংলি, য়াম্না থওইদনা নোক খেরি মখোয়না। ঐনা ফিদ্রিং ফিদ্রিং চোংলদুনা "নহী নহী" হায়না লাউই। ফি কোক্লবা ঐগী হকচাংবু উরগা ঐ কপ্পীংলম্মি, ইকাইবনা হায়ফম খঙলমদে। মরকতুদা পৃথিবীগী অকিবা পুন্নমক ঐঙোন্দা হোৎচিল্লকপগুম ঐগী থরাযনা মিপাইরি। "ঐবু মফমদুদা পুশিনবিগনু। ঐবু পুশিনবিগনু। ঐ ইচম চম্বা ওজানি। নুপী অঙাং লৈরবনি। ঐগী ইরাল করিনো? ঐদি করিসু য়াওদবনি, করিসু খঙদবনি ." ঐনা কপ-লাউরদুনা হায়জরম্মি।

নাকন্দগী সিফাইদুনা ঐনা হায়জবদু খরদং তাবিবগুম উই। হান্নগী ঐঙোন্দা ব্নাহং য়াম্না হংখিবদুদি ওইরমদ্রে। মশমদু ঙাঙই, মমায়দু য়ুরোপ্যান মাল্লি। অদুবু মহাক ব্নাদি ঙাঙলমদে। ঐবু নুংশিনা অমদি ইরাল লৈতে খঙবদৌনা য়েংবিরম্মি। সিফাই অনীদুনদি ঐবু খূৎ নাম্মা নাম্মা পায়দুনা কন্না চিংলি। মাঙদসু তুংদসু সিফাইতনা ঐবু য়োম্লি। শাউনীংবা অমসুং অকিবনা থুমহৎলম্মি। অদুবু ঐ অশিবগুম্না উপাই লৈরমদে।

মী ময়াম অমা লেপ্পুনা লৈবা উরকই। ময়ামদুগী মনুংদা ঐসু য়াওরি হায়বা তপ্পা তপ্পা খঙলকপদা হকচাংসি খরা কোম্বগুম তৌই।

ঐখোয়গী মখা লম্পাক্তনি। মাঙদা সিফাই ময়াম্না নোংমৈ মচীনশিংদু ঐখোয়দা ওনশীন্দুনা ফিভম শেম্নগা লৈরি। মী ময়ামদু ব্না অমত্তা ঙাঙনদে। অদুবু ইরাঙ লাঙবগুম্নদি তৌরি। লৈনা লৈনা য়েংবদা ঐন খঙবা ঐবু খঙবা মী ফনা য়াম্না উরক্লে। মী খূদীংমক্কী মমায়দা শাউনীংবা অমসুং ওমচাক্লবগী মমি তারিবদু উবা ফংই। ঐখোয় পুন্নমক নুংশাদা

যৌবি। কোম্বিং ওপবেসন তৌবির্বনি হায। নোংমৈ পাযবা অঙাং খবা লোক্তুনা লৈখ্রে, থিবিবনি হায। যুম খুদীংমক সর্চ্চ তৌবি। নুপীমখৈদি যুমদা লৈহৌই। নুংশা খংথি থিবকই। কবি থোক্রমগবা।

ঐগী যুমগী মাযগৈদা নাকোং থাংগক্তুনা তাবম্মি — কপ্পকপ্রা লাউবকপ্রা? তাদে। লাউবা খোংবমক্তি তাদে। কবিসু তৌবমদববুদি যাই। তৌবমদবা ওইসনু। হে ঈশ্বব তৌবমদবা ওইহনবিযুকো। সিফাইসু মীওইবনিদা। মী মবক্তসু শাগুম্বা মী যাওই। সিফাই মবক্তসু শাগুম্বা কযা যাওবিবনি। অস। কবি থোক্রমগবা। কবিসু থোক্তবদি ওইহনবিযুকো। ঐনা অমুকসু যুমলোমদা নাকোং থাংগললম্মি -- কপ্পকপা লাউবব পা যাওব্রা?

ঐখোযবু ঙাক্লিবা সিফাইশিংদু ঐখোযগী মাঙদা মখোঙ লাওনা লাওনা থাংদুনা হনগৎ হন্দা চৎলি। মখোয মশেন বাবা শানৈ। সিফাই অমনা মরোল শেংলম শেংফাৎত্না হাযবকই 'নখোযসু ব্রাবেদো। ঐখোযসু বাবে। ঐখোযগীদি দিউটিনি। শাউবা সাদ্রে।'

মহাক্কী ব্রাদু তাদদা মযাম পৃন্নমক নুংশাথিবা খনা কোক্লবগুম উই নাবফেৎ নোকযেৎ তৌনৈ। ঐসু হশাঁসি খবদ, যাংবগুম ফাওই। যুমলোমদগী হুইসনা শাংনো খোংলকপা অমা তাবকই। হুইসন্দু খো লকপদগী মী পৃন্নমক মনাম মযুম তান্না প্রো প্রো চেন্নবম্মি।

ঐসু চেল্লম্মি। যুম যাম্না নক্না লৈবে থল্লি। যৌবদি সুকযৌ যৌদে। যাম্না লুখ্রবা তুবেল অমগী মথক্তা শাবিবা উবোবথোং অমনবা অমা লানবা তাবে। যাম্না বিনা কিনা তপ্না তপ্না থোংদু লানবা হৌই অদুবু মযায যৌবমদাইদা থোংদু তৎলমলে। মবক্তা যাম্না লাওনা হোদুনা লৈবে। মখদা গেংথখিবদা তুবেলগী খোঙনংদু চপ যুংই অকিবা য না লুই, ঈচেলদুনা মবৈ মবৈ তাবদুনা যাওনা চেম্ববি। খোংদু কবম্না লাম্থোক্কদগে খনংম খঙলমদে। যুমদি যৌহৌদনা যাদে। ঐ পাইনীংর্লাম্মি। হাযনা হাযনা চো বগুম পাইবগুম তুবেন্দু লাম্থোকলে। অদুদগী লম্বী অমদগী লম্বী অমদা লেবক অমদগী লৈবক অমদা ফাও-ফাওদুনা পঙচপো চৎলবা মতুংদা ঐগী যুমদু কোম অমগী মনুংদা শাদুনা লেলনা উবকই। যুম মনুংদা প্রপ প্রপ চঙশাল্লম্মি। ঐগী যুম্না কোম অমগী মনুংদা কবম্না লৈবম্লিবনো। অঙকপা অমসু শাউনীংবনা ঐগী পুর। পীব থল্লি। তাম্লবা মনাম অমদা যুমদাংদুনা লৈবগুম ফাওই। মীচিক মীবাওখোল তাবমদে।

ইখঙ খঙহৌদনা কপ্পগুম্বগী খোঞ্জেল অমা তাবকই। লৈদুনা যেংলুবদা ঐগী নুপীবু

উবকই। মহাক ফমুংদা তাশীন্দুনা কপ্পি। মশাদা ফি অমত্তসু পক্তে। মাগী ফিডমদু উরুব্দা শ্বব ফুনগৎলকই। ঐ তৌফম খঙদে। চীন-খা থীদুনা কন্না লাউনীংই। অদুবু খোন থোকউ যাবমদে। খুৎ-শা প্রোক প্রোক থেক্লীংই। মদুফাওবা ঙম্লমদে। ইতোমতগী খুৎসি থাংগৎচবা ঙমখিদ্রে। ঐ য়ান্না ৱাবে। শ্বব হোনবা ঙমদ্রে। ঐসি তপ্না তপ্না শিবক্লবগুম অকিবা ফাওবকই। থোক্লিবা থৌদোকসি মঙ ওইববদি ফনিদকো।

মাগ্নি মঙনি। ঐ মঙলাক্লবে। হকচাংসি অমুক্তং লেঙবা ঙম্লবদি খোঙসু খুৎসু পুমপঙ পঙথবে খোঙবীসি অমুক্তং লেঙবা ঙম্লবদি

খোঙবী লেঙগে হোৎনৈ, ঙমদে। লাউগে হোৎনৈ, ঙমদে। মঙলাক্লবে খঙনা খঙনা মীৎ পাঙথোকপসু ঙম্লমদে। তাঞ্জাসিমক্তদা কনানো অমনা ঐগী হকচাং নোম্লকই। তপ্না তপ্না মাৎ পাঙথোকপা ঙম্লম্মি, অদুদগী যাওল্লম্মি।

" নপীনা হংলকই, "কৈদোইনো? মঙলাক্লবিবা?" ঐ খুমদে, মঙোন্দা মুন্না খেংলম্মি অদুগা শ্বব মপী অমা শাংনা হোনদোক্লম্মি। ঐগী নুপী কবিসু তৌবমদ্রে মঙ ওইবমলে খঙলকপদা খংযাং যাংই।

মহাক্না হাযবকই যেংঙোই অৱাং লৈকাইসি ওপবেসন তৌনি নুপামখৈ থোবকউ হাযদুনা অহাঁন্দগী লাউবির্বসি তাদ্রা নঙবো? ঐখোযস্বায যৌবক্লবদি কম্মাইতৌদগে হাযম্মি। ঐদি যাম কিজেকো।' মহাক্কী ৱা তাবদা ঐ ইশোন শোঙ্খিবগুম তৌই। মঙলাক্লবিব্রা মীৎকপ থোক্লব্রা ঐ হথন্তা ভাব তাবা ঙমদে।

।। ১৯৮৪, মার্চ ৩ ।।

মণ্ডলাক্লবা

নুমিদাংবাইরমগী চীংমচাগী লম্পাক্তা তোম্বীমচা মমান্নবশিংগা শান্নবি। নুপামচা নুপীমচা ময়াম। চেন্দুনা চোংদুনা, অমগা অমগা কোযতান তান্নরদুনা, মবুক্লীং পেন্না নোক খেরদুনা।

চীংমচাগী মখোঙলোমদা মী খরা বা বা নোক্লকপা অমা তারকপদগী অঙাংশিংদু চেনশিল্লি চীংমচাগী চীংখোঙ তম্না। মী ময়াম য়া যা নোক্তুনা লৈরম্মি। মীশিংদু সিফাই ঙাক্তনি। অঙাংশিংনা হোৎচিন্দুনা য়েংই।

মী অমখক সিফাই ময়ান্না কোয়শীল্লি। মীদুবু খুকখুদক কুলহল্লি, কুন্না কুন্না মখুৎ অনীনা মনা অনীদু নাম্ম নাম্ম পায়হল্লি। সিফাই অমনা কন্না লাউই

হুই খোংঙু

নুপাদুনা খোংই

গৌ গৌ

সিফাই অমনা নুপাদুগী মথুন্দা বুটনা কাওশীল্লি;

হুইবু অদুম খোঙ্ব্রা? ঝৌ ঝৌ হায়না খোংঙু, ফন ফন চোংঙু।

নুপাদুনা খোংই

ঝৌ ঝৌ

কুন্না কুম্না ফন ফন চোংই।

সিফাইশিংদু ব্রা ব্রা নোকই। অঙাংশিংসু নোকই। তোম্বীমচাসু নোকই। তোম্বীমচানা নোকপা তাবদা নুপাদুনা তোম্বীমচাবোমদা যেংলকই। তোম্বীমচা খংনুং নুংঙাইবা অমা পোকই। নুপাদু তোম্বীমচাগী মপানি।

হাইমা ঐখোয় বাবানে, বাবা —

হবাওনা কৌরম্মি। সিফাই অমনা তোম্বীমচাবোমদা ওনশিল্লকই,

নঙগী নপাবা?

মাল্লি।

তোম্বীমচানা খুম্মি।

তোম্বীমচানা মপাগী মশক উবক্তবা কুইবে। নুমিৎ কযানি শুগ্রবা থা কয়া শুগ্রবা - মদুদি খঙজদে পীক্রিবী তোম্বীমচানা। নোংমা নুমিদাং, চাকশঙদা চাক চাবিঙেদা সিফাই মযাম লাক্লগা পুখি তোম্বীমচাগী মপা চাউববু। কবিগীনো খঙদে। মমীৎসু ফিনা পুনশিনখি। মখুৎসু যোৎলীনা পুনখি। মচীন মনাও মযামগা, মমাগা কপ্পুনা লৈহৌই। নুমিৎতুদগী উবা ফংলকত্রবনি মপাগী মশক। ঙসি থাজদনা মপাবু উবদা হাযফম খঙদনা নুংঙাইজে। মপানা যগি তৌদুনা সিফাইশিংবু নোকহল্লিবনি খঞ্জে।

সিফাই অমনা খংলাউ লাউই,

হৌদোঙ অমুক খোংঙু।

চাউবনা খোংই

ঙ্যাও ঙ্যাও

সিফাইশি সু অঙাংশিংসু নুংঙাইনা নোকই। সিফাই অমনা চঙশীনখিদুনা কুপ্লিবা চাউবগী মনমগন্দা তোংখৎখ্রে। মখুৎনা চাউবগী মশমদ চাল্লপ্লা পাযশীল্লগা "কুদুক কুদুক" হাযবদুনা নোপ্লম্মি। মযাম্না পংনোক্তা নোক্রম্মি।

সিফাই অমসু চঙশীনদুনা তোংখৎখি। চাউবগী মনীংদা নোংমৈ মনীংনা দক দক শুই, লাউই,

হাই চৎলুনহে খো খো

সিফাইশিংদু মথং মথং চঙশীনখিদুনা চাউবগী মথক্তা তোংখৎলম্মি। চাউবদু কুনবা ঙম্লক্ত্রে, পাকথখ্রে।

মযামদি ব্রা ব্রা নোকলি। তোম্বামচাদি কপ্লীংলকএ। মপি ঈবা চেল্লক্রে। মচানবান্দু পেবক্রে। মহাক্লা কপ্লি কপ্লি লাউজে

বাবাদু শিবনিযে ঐখোয বাবাদু শিবনিযে

মপাসু কপ্লকই

ইবেম্মা বাবাদি বাবেদা বাবা বাবেদা

সিফাই মযামদু হেন্না হেন্না খোঞ্জেল হৌনা নোকখৎলকই। তোম্বামচা খাঙনা চেল্লকএ বা বা কপথাবক্রে। মমাদা তাকপে খন্দুনা বম ব্রম চেল্লি। ভুংলোমদগী। সিফাই অমনা মশমদা তাপ ফাখি। লাক্কুনা চিংশিল্লি মপাগী মমাংদা। মপানা সিফাইশিংদা চেবকই

কৈনো কৈনো অঙাংদুদা

তোম্বামচা কিবনা থক থক নাক্রম্মি। মানা সিফাইশিংদুদা হাযজে

ঐখোয বাবাদি কৈস্ তোদবনি। সাম্না ফবনি।

মাগী মপোৎস্ হবান্দবনি। [illegible] মেস্ পান্দবনি।

ঐখোয বাবানু থাদোকপিযু। মাদি অহনস ওইববনি।

সিফাইশিংদুনা কুপ্লিবা চাউববু চিংখৎলম্মি। তোম্বামচা হবাওজবে মানা হাযজবদুদা মপাবু থাদোকপিগদৌবে। খুদক্কুদা সিফাই অনানা চাউবগী মখুং অনাদু নাম্মা নাম্মা পাযদুনা চিংলম্মি। সিফাই অমনা শংগক্কুনা চাউবদা হংই

নঙ লালহৌনা যাওব্রা?

চাউবনা মঙক হাই যাওদে চাযনা [illegible]।

কবি যাওদনি? নঙ পি এল এ নত্রা?

চাউবনা মঙক অমুকসু হাই।

পি এল এ নত্রবদি প্রিপাক ওইবমগনি।

নঙ সিফাই হাৎপা নৎত্রা ?

চাউবনা মঙক যান্না কন্না হাই।

মখোযগী লোৎফম কদাইদনো হাযয়্।

লাউ-খোংদুনা হংনা হংনা চাউবগী মনীংদা খোঙউপ বুটনা হন্না হন্না কাওশীল্লি, নোংমৈ মনীংনা মনমগন্দা হাইগত্তুনা শুজিল্লি। চাউবনা মমীৎ উইশিন্দুনা, শুগত্তুনা চৈনা খাঙই। চৈনা খাঙলিঙৈদুদা সিফাই অমনা লাউবকই,

নযা কাথোকউ

চাউবনা মযা কাথোক্লম্মি। সিফাইদুনা অমুকসু লাউবকই,

নবৈ তিংথোকউ

চাউবা মবৈ তিংথোক্লমদে। সিফাইদুদা যেংদুনা লৈবম্মি। সিফাইদুনা চাউবগী যানুংদগী মবৈদ্ চিংথোক্লম্মি অদুগা মখাঙদা যাল্লিবা থাঙ শত্তোক্লগা চাউবগী মবৈ লেনবা হৌবক্লে। চাউবা ও খোংনা কপ্পি। মপাবু তৌবিবদ্ উবদা তোম্বীমচা, "হো বাবা হো বাবা" হাযদুনা ফ্রিং ফ্রিং চোংলদুনা কপ্লম্মি। সিফাই অমগী যোৎকুম কল্লবা খদ্রক খদ্রক লাউবা খৃৎচাউ অমনা কপ্লিবী তোম্বীমচানী মচীন মেনশিনখি। খোঞ্জেল থোক্লা কপ্লা যাখিদ্রে। মমীৎ মচা অনীনা লৈনা-লৈনা যেংলকপদা মাগা শান্নমিন্নবম্বা মমান্নবশিংদু অমত্তসু লৈবমদ্রে। পাক্লবা লম্পাক্তু সিফাইতনা পূমম্ মুখ্রে। সিফাইগী চীংমুক চাউববা গাডী মযান্না ঙ্রুং ঙ্রুং ঙংলদুনা বোযথৌ থৌবি। নোংমৈ মচীন মযান্না তোম্বীমচাবোমদা ওনশিন্দুনা থম্লি।

সিফাইশিংদুসু অমমন্না চীং চীংমুক চাউই। মফি মবোলসু মুশুক মুশুক মুই। মমায মমীৎ অমত্তা পান্দবগুম তৌই। কন্না কন্না লাউখোংই। নোংমৈ হৌনা হৌনা কাপ্পি। মী মযাম পঙচেন্দা চেন্নে। লম্পাক অদু অহীংগুন্নসু মম্মি।

তোম্বীমচাদি লাউবসু যাদ্রে, কপ্পসু ঙমদ্রে। মপাবোমদা তিংঙক তিংঙক যেংদুনা লৈবে। মপাগী মবৈ ককথৎখ্রে। চেনশীন্দুনা মপাবু কোঞ্জনীংই অদুবু কন্না ফাজিন্দুনা থমখ্রে, লেঙবা হাইবা ঙমখিদ্রে।

মপাবু সিফাই মযান্না মখোঙ মখূৎ পাযদুনা থাংগৎলগা পুবি। মপানা ফন্না চোংজৈ, অদুবু নাম্বোকপদি ঙমদ্রে। ইখঙ খঙহৌদনা চাউববু কোম অমগী মনুংদা লংথখ্রে। অদুদগী, মথক্তা লৈপাক খোৎচীন্দুনা হিংনা ফুমজিনখ্রে।

তোম্বীমচা, মচীন মেনশিনখিবনা খোঞ্জেল থোক্লা কপ্পদি ভমদ্রে। থনুংদদি ফুনগত্তুনা হিক হিক লাউরি। কোম মনুংদা মপানা ফ্রিং ফ্রিং চোংবা মাগী নাকোংনা তায়। তোম্বীমচা ফুনগৎলক্রে, স্বব হোনবা বাবক্রে। সিফাইদুনা মাবু থোক থোক হাইবি। তাঞ্জা অমদগী সিফাইদুগী মখুত্তগী খংনান নাম্থোকই। চেল্লি। খোঞ্জেল থোক্লা থরায শোক্লা কপ্পি। কপ্পা কপ্পা চেল্লি। যাম্না কন্না চেঞ্জে, মঙমদি শান্দে।

"ইবেম্মা ইবেম্মা" মমাগী খোঞ্জেন তাবকই, "নমীৎ পাঙথোকউ ইবেম্মা। তাবব্রা নঙবো?"

তোম্বীমচা তপ্পা তপ্পা মমীৎ পাঙথোক্লম্মি। মমাবু উজরম্মি। মমানা হংলকই

— নমঙদা কবি তৌবে? ইবেম্মা কাব উর্বম্মি?

তৃম্লুবী তোম্বীমচাগী মমাত্তা াপ শিঙ্গুবিবদ্ মমানা উই।

— কৈদৌবে ইবেম্মা নমঙদা

মমানা অমুকসু হংলকই। মমীৎ পাঙথোক্লকসু তোম্বীমচা মঙওই হাওই তৌবি। মমাদা কপ্পুনা তম্মি

ইমা বাবাদ্ ফুমজিনখ্রে। সিফাই মযান্না কোম মনুংদা পাবাবু ফুমজিনখ্রে।

তোম্বীমচাবু মমানা কোনবিবম্মি। লোন্না কপ্পম্বদগী মহাকসু খোঞ্জেল থোক্লা কপ্পকলে। কুইবে মপুবোইনবু উখিদবা। শিখ্রে খঙদনা চঙলি খঙদনা। নোংমৈ পাযবা পাখঙ মচাশিংনা হন্দক মবক সিফাই খববু কাপ্পুনা হাৎখ্রে। সিফাইশিংনসু পাখঙ কয়াবু কাপ্পুনা হাৎখ্রে। সিফাইগা নহাবোলশিংগা কাপ্পবে হাযবগী পাউ নুমিৎ খুদীংগী তায। কাপ্পবদা লম্বীদা চৎপা অঙাং অমা পান্দুনা শিবে মযূমদা লেজবী হনবী অমা নোংমৈনা পাল্লে, ওপবেসন তৌবদা নুপীশিংবু যামনা অত্যাচাব তৌবে, ইর্নজিনিযাব অমা কাপলমলে ওফিসাব অমা হাৎলে, বেঙ্কতগী শেল লাকখ্রে তলব যেন্নবা শেল মূনখ্রে, অশিবা অমা লম্বীদা তাদুনা লৈবে, লৈশাবী অমা মচেৎ মচেৎ শেগাযবগা গুন্দোকলমলে — অসিগুম্বা বা অমা নত্ত্রগা অমা নুমিৎ খুদীংগী তাবা যংনৈ। মাপুম খুদীং থবক হুনগৎনৈ। খ্বাইবম্বন্দ কৈথেল তোযনা তোযনা কাযদুনা চল্লে। যুম খুদীং চঙদুনা থিবা হম্বা ফাবা পুনবগী থবক লেপ্পা লৈতে। লৌ উদ্না লৈজবা চহী যাঙখৈমঙা শুববা চাউবগী মবাল কবিনো। মাগী ইমুংগী মী অমত্তনা খঙদে। লৈকাইনসু খঙদে, খুন্নসু খঙদে। যাদুনা পৃখি। ফাদুনা

পুখিবদগী কদাইদা লৈত্রবা কনানসু হাযবা ঙমদ্রে। শাংলবা মতমসি চাউবগী নুপী অমসুং মচাশিং নুংবংননা লৈবক্রি। ঙসি তোম্বীমচানা মঙলিবা মঙসিবু কবিনো খল্লুবগা চাউবগী নুপীদু হেন্না হেন্না কপ্নীংলকই। মমা মচা কোন্নদুনা হৌনা কপমীন্নবকই। মমা মচানা কপ্লকপা তাবদা অঙাং অতৈসু হৌগৎলক্লে। কবি হাযগদগে খঙদনা মমাবু যেংলদুনা, পাখঙ মচাশিং লৈশাবী মচাশিংদু তূমিন তূমিন লেপ্পুনা লৈবি।

।। ১৯৮২, নভেম্বৰ ৫ ।।

মচেত্তা লোইবা

যুম অসিদা নুমিৎ থোক্লিঙৈদগী বৈথেল কাবা হৌই। পাখঙ মচা পাখঙ যাগংলবপা চহী কুম্থ্রাগী মখা, কুম্থ্রাগী মথক, নীফুগী মযা, নীফুগী মথক। মখোয মযামগী মবক্তগী অমনা থোঙ হাংদোকপিবে। মীৎ পাঙথোকত্রিঙৈদা শেল হান্না থুগৈ। শেল শেল শেল। শেলবু লৈববদি পূম্নমক লৈবে।

শেলবু লৈববদি পূম্নমক লৈবে। শেল পাযবতনা বাজানি।

চুম্না?

চুমদে। শেল লৈনা লৈনা দশা অচৌবা অমা তাবে। গাড়ী মপুশিংনা স্ত্রাইক তৌবদগী গাড়ী চেনখিদদুনা পোৎ ফংদ্রে। লৈবম্বা খবদুসু লোইথোকখ্রে। যেংহৈবা মতৌ নত্তে। নুংঙাইনবগীদমক উৎ-পাৎ তৌবা যাম্না হৈবা নুপাসি খম থেংনা বাবে। মযাদগী মতিন অব অব তাবদুনা মৈচাক খাঙলম্বদগী হৌগত্তুনা চংখি। কদাইদগীনো ফংনবা থিবনি হাযবন্মি।

অথেঙবা অহীংনি। কনানো অমা থোঙদা থীল্লকই।

তামো তামো হো তামো থোঙ অমুক্তা হাংদোকপিযো। ননাও সুভাসনে ননাও সুভাস। কবিমত্তা চিংনবিগনু। থানা মন্ত্রী কনানো ঐ ঙাঙনজগে। ননাওগী গুণ খঙবিবা নল্লো

চুম্মি। থানানা হন্না হন্না ফায। পুং খবগী মতুংদা অদুম থাদোবকই। মন্ত্রীনা থাদোকপা যাদে হায হাযদুনা নোংমদি থাদোবকখিদে। অদুবু নুমিদাংবাইবন সুভাসনা পুদুনা লাকখি। মন্ত্রীবু সুভাসনা ঙমখি। ঐনা থোঙ হাংদোক্লগা কৌকই

সুভাস

ইতৈমা ননাও শিবা তাবে। অবৈবা খবা পীদবা যাদ্রে। ননাওবু নুংশিবিযু

কমন্দৌনি তৌবিসিদি। মবীক অমফাওবা লৈত্রবনি হাযমি সুভাস নঙবো। নহোয় তামোসু

দনা চংখ্রবানি। হল্লক্তব' ঙসিগা হুন্নি শুবে। কদাইদা লৈখ্রবনো খঙদে। শিখ্রবা চঙলিববা

পীবিদবা যাদে। অপাম্বা পৈশা পীজনি

পেশাগী বা নত্তে হাযমি সুভাস

ননাওবু অমুক্তদি নুংশিবিযু ইতৈমা। তবাগী পপ মচা অমত্তা ওইববসু

ঐদি কম্মায তৌসিগে। কবিমত্তা থাজদব্রা সুভাস নঙবো

হাপু মবক্তা লোংপদু মযোম মচা অমত্তংকা চীংথব্রা যেংবিযুবা ইতৈমা। ফক্লাংগী চেক কাবক্তগাদুসু পপ মচা অমকা চাংথ-নাম্বুহৌবম্বা যাই। মনাওবু কবিমফাও নুংশিবিদ্রব্রা ইতৈমা। ননাও খাঙবা যান্না বাবে। খাঙবা ঙমদ্রে।

নহোয তামোনা কোযথি থিদুনা তক্কুনা শীজীন্নখ্রবনি। মাসু ঙাওদুনা চংখ্রে হাযবসি নঙ থাজদ্রেনে

অদু ওইবগা খাংলা ব্রেদলা অমা পীসু ইতৈমা নাযসি লেনখাযগে। ঐ যান্না বাবে ইতৈমা, এ যন্না বাবে

ঐগী খোঙদা ভুথবকই, ও খোংনা কপখংলকই।

নোং ঙাল্লে।

সুমাঙদা মখোয অনীঙম অনাঙম লেপ্পযাও ফম্বযাও লৈবি। যুমসিদা অশি-অনা থোকপগী

মতৌনি। ৱা ঙাঙনদে। য়েংবফাও য়েংনদে মখোয়শিংদু। পুবা থাংবা ঙমজদবা মশা মশাগী চৈনা অমমম খাঙলিবা শুরুপ কায়রবা শকফমশিংনি। মখোয়, যাম্না ৱানা মখোয় ময়ামগী তামো হুন্নকপা ঙাইরি। কনানো অমনা পাউ পুরকপনি — তামো ঙসি অয়ুক পোৎ পুবগা লাক্কনি। গ্রাম তরাদং ওইরবসু য়ৌরক্কনি।

অসুক শক্তি লৈখ্রবা অঙৌবা মকুপসি কদাইদগী থোর্বক্লিবা! মসিনা তৌরিবসি করিনো? মমায়শিংসি য়েংবদা অহিংবা মী অমত্তসু মান্দ্রে। শীগং কংলবা উপালগী কেম্লবা উনাগুম্লে। কনানো অমা সাইকল তোংলগা লাকই, মহাক্না ময়ামদুদা হংলৈ

নখোয় তারব্রা? সুভাস শিবে।

করি হায়বা!

হৌজিক অয়ুক থৌরী যান্দুনা শিরমলে।

কবিনো হায়বিবা ৱা অসিবো। কদাইৱাইদা শিরমলিবনো?

মাগী কা মনুংদনি ইতৈমা।

সুভাস শিরবা। ঙরাং অহীংদমক, নত্তেনে, পূং খবদংগী মমাঙদনি ঐগী খোঙ কোন্দুনা কপ্লম্মি 'ইতৈমা ঐ য়াম্না বাবে . . . ঐ খাঙবা ঙমদ্রে' অদুদগী খম থেংনা নীংবা কাযবদুনা চৎখি। নীংখায়রক্লিবা য়ুম অমগুম অমম্বদুদা মখোঙ থাংখি। ঐ উপাই লৈখিদে। অৱাবা অদুদগী মাবু কনবিনবা ঐঙোন্দা কপ্তুনা হায়জর্বম্মি। সুভাস' নঙনা শিবমদাইদা ঐবু শোয়দনা ৱারৌরমগনি। অদুবু ঐ লানখিদেকো সুভাস, ঐ নঙোন্দা লানখিদে। পোত্তু লৈরম্লবদি ঐ শোয়দনা পীরমগদবনি

ইতৈমা

হুম

ঐখোয় তামো কৈদৌঙে চৎখিবনো?

নহান মমাঙদু ওইরমগনি, ঙসি মরিনি শুবে।.. নখোয তামো ঙসি লাকনি হায়দি কনাদা হায়রকপনো?

ইতৈমদা করিমত্তা হায়বমদব্রা?

করিমত্তা হায়রমদে। পোৎ ফংনবা থিরুনিদমক হায়বম্মি।

মখোয় পুন্নমক তুমিন তুমিন লৈনৈ। ঐনা মখোয় খুদীংমক্কী মমাযদা মথং মথং য়েংই। কংলবা উনাগী মশক্তু নত্তনা কবিসু ফংবা ঙমদে। কবিগুম্বা অমা মখোয়দা হায়নীংবগুম পূক্নীংদা ফাওবকই, হাযগদৌবা বাদুদি থোবকখিদ্রে। মখোযগী মবক্তা মপী তৈথোকপা য়াওবি।

২

"হিংববু বানবগীদমক হিংগদ্রা?"

মহাক্কী খোঞ্জেলদু যোৎচাবীগুম তৌখি। ঐবু পিশক পীকপা যেত্তুমগুম্না যাম্না লাযনা [illegible] মশক উকব্বদগী হেন্নদুম নপশীনখ্রে। নাম্ভোকখিদ্রে। মহাক কনানো ঐ খঙদে। [illegible] তাদা কৌই ইনেদা ইচে কৌই। কবি মিংগৌনোনে — ইথন্তা [illegible] খোঞ্জেলদু ইহান হান্না হেক তাবা খুদক্তুদা মশক যেংনীংবা পাকখি। [illegible] মদগী লোন্না যেংলুই। 'মশকসু যজৈনহে। ইতোমতা হবাওজখি। মোবাদুদা [illegible] নোকফেৎ নোকফেৎ তৌবদুনা ঙাঙই। মানা ঙাঙলগা মমান্নবশিংনা তাবগী শকক [illegible] যাম্বা মতমদা [illegible] হেন্না নোযনবত্তে। মবক মবক্তা ঐখোয় মাম্মসু মখোযগা [illegible]।

নো মদি মাম্মসু লেতে। মমাংবা অমগা মাগতা থকই। ইনেনা মনাক্তা ফমদুনা মখোযনা [illegible] পীবি লৌট্রী [illegible] খাই অমা নোইশিনখিদৌবে। ঐখোযগীদি কাববাবনি। [illegible] থকগগা ঐখোযদ [illegible] অদনু মহাকা হেন্না হেনজিন্না থকচীনখিবদি ঐঙোন্দা মাঙজবগুম পূক্নীংদা [illegible]।

[illegible] হদ নোইশিনখে।

[illegible] খঙহৌদনা [illegible] অম [illegible]। ইনেগা মমান্নবদুগা ফুক যুক [illegible] মাদি অদুম ফমদুনা [illegible]। মাবু উবদা স্তাব অম বাবা থানাদুনা মঙোন্দা সলাম [illegible] য [illegible] না [illegible]। খুম্মি ঙহাক সুম পোথাজবম্বনি থোকচবব [illegible] হাযব্রা?'

এ যানি অদুম পোথাবিযু। অদু [illegible] এক্যাইভসু হাওবি ইচেদি ঙাক যৌকসি'

ইনেদু মমায মমীৎ ইমক মবশীনখ্রে। অমদ অমুক অমদা অমুক তিঙক তিঙক যেংদুনা

লৈরি।

মহাক তপ্পা হৌগৎলকই অদুগা ত্তার কাবদুগা মপান্দা থোকমীন্নখি। থানা অতৈদুসু থোকপ্রে। অদুদগী চৎপ্রমানে মখোন মবা তাখিপ্রে। ইকুই কুইদনা মা অমুক হনজিল্লক্রগা ফম্নরে।

মফমকাসু চাউবজাৎনিদনা — ঐ খঞ্জখি।

মাগা লাকমিন্নবদুনা হায়,

চৎলসিনা, ঙসিদি য়াম ইকাইপ্রেবু।

ওহাক ফমখিসি। (ইনেদা ওনশিল্লগা) ইচে অচেপ্পী অমত্তং পীবিরকখো, মদু লোইরগা চৎলগে।

অমুক নে না তানা ফমথখ্রে।

করিনোনে ইকাইবকা হায়দুনা অমুক তৌরকইদুনা। ইকাইবা হায়দুদি পঙলিবী লৈশাবীশিংগীনি। হৌজিক্কান্দি লৈশাবীফাওবা য়াম্না শিংনরবনি

হাইমা কৈনোনে মা ঙাঙইসিবো। ঐনা লোন্না য়েংবসি খঙলদুনা ঙাঙইজাৎলনে।

ঐ য়েংদ্রে। ফম্মুংদা তপ্পা ফমথরে। মানা ঙাঙবদুদি তারি

ইকাইনীংঙাই করিসু লৈতে। ইকাইবা হায়বদুদি ঐনা তৌজরিবা থবকসি ইশানা য়ানীংদ্রবা, অরানবনি হায়না খঞ্জরবা — মতমদুদা ইকাইবনি। চুমব্রা? অদু ওইরবদি নুংঙাইবসু ফংঙোই। ইশানা চারিবা চীঞ্জাকসি ফত্তবনি খন্না খন্না চারবা, ঐনা তাল্লিবা শেনদানসি চুমদবনি লৌজরবা — অদু ওইরবদি নুংঙাইবা হায়বদু সুকফং ফংলরোইদবনি। ঙাইখো ঐখোয় মীওইবনা হিংলিবসিবু করিগীনো? ৱানবা হিংলিব্রো

অমুক্তা পায়শীনখো, অদুগা লেকচরদু চৎথবিয়ু।

ও য়েস

ওহাক্তং তুম্মিন্না লৈখি। মাগী য়ু শরুক্তু থক্রমগনি। থক্রমগদবা মওংসু মীত্তা উই। নোক্লা নোক্লা য়োৎলমগনি। অদুদগী ঙাঙবা হৌরক্লগনি। মানা ঙাঙবসি মী লোইনা তানীংবজাৎলা। মানা ঙাঙলগা তুমিন্না তাগদবা মীতমক খল্লগা তিন্নবজাৎলা

ঐখোয় মীওইবনা তাল্লিবসি নুংঙাইবনি। পুন্সি হায়বসি নুংঙাইনবা লম্বী থিবনি। মুনি ঋশি লম্বোইবা তুবোইবা পূন্নমক মানা মানা পামজবা লম্বীদা নুংঙাইবা তাল্লিবনি। নত্ত্রা? মীনা অহানবদা হিংনবা পাম্বে য়েংই। হিংনবা পাম্বে লৈরবা মতমদা নুঙাইনবা লম্বী থিরকই।

হিংনেনবা অদুগা নুংঙাইবা ফংনবা তৌবিবা থবক খূদীংমক অচুম্বা ঙাক্তনি। মসি গান্ধীজীবুসু য়াহন্নীংই। ওফিসাব শেল চায, মন্ত্রী শেল চায়, থানা শেল চায়। কেবানি ফবানি সব। চাবা তাবনি। নুংঙাইবদা শেল চঙই। শেল ফংনবা পাম্বে খূদীংমক অচুম্বা ঙাক্তনি।

মদু ফাওদি য়ানীংদেদা

য়াবুদি যানীংঙম্মোই। অদু, মসি জগৎকী নিযমনি। মীদি লাযবদুনা তীল-কাণ্ড ফাওবা নুংঙাইবা পাম্বনি। মশা নুংঙাইনবগীদমক অঙম অঙম্বা হাৎলগা চাথোক্লবিবদুনি। মসি নহোয ঈশ্বব হাযদুনা শেম্বা নিযম্নি। ঈশ্ববগা চেলেঞ্জ তৌবিগে হাযব্রা?

ঐখোয মীওইবসু তীল কাণ্ড ওল্লসি হাযব্রা?

ওল্লোই।

যু থক্লিব্রা, মবৈ ঙমদ্রব্রা কবিগীনো তূম্মিন্না লৈম্লিবসে। মীনা ঙমখিদৌবজাৎলা। ঙাঙবা যান্না কন্দাইনে মসিবো। ব্রাহং অমদা মহাক মাযথীবে। মীনা ঙমগদৌ ওইববদি ঙাঙদ্রসু মতোকউ হাযবা।

তোক্তেনহে

কবিগী তীল-কাণ্ড ওন্দৌবিবা। মীনা শা পূন্নমক্তগী শিংবা হেল্লি। নত্ত্রা? অদুনা, শা-ঙানা হাৎতোক্লবদগী হেন্না তমথীনা হেম্না ফজনা ঐখোয মী মশেল হাৎতোক্লগদবনি। ঐদি মীগী মথ্বায হেক লৌথোকপদি পামদে। চলাক তৌনদুনা অঙম অঙম শেৎতৎনবা পাম্মি।

খৎনবক তোক্লবনি। ঙল্লবা ঙাঙবদা মীনা শাউনীংগদবা ব্রা ঙাঙদ্রবদি যাদ্রজাৎলা। মমান্নবসি যান্নবু ফরিনে। নহালমখৈদি মসিবু পূকচেল যান্না চাউবগী ব্রা ঙাঙবনি। ঙসিগীসিনা কদোমদগী নুংশিৎনো। শের্লাদ মাদনা পুথোকই। মীনা থেমদুনা চাথোকপী। ঙাঙথোবকইসিণা। মবল কাযম্নবু লৈদুনা তৌবিবা কলেজানো। তাঞ্জা ফংঙদি অমুক্তা হাযবু হাযবিগেনে। ইনেতোয মাম্মাহোয লৈব্রিঙৈদা অমুক্তং লাকঅদি ফর্নি। ঐ অমা য়ুমসিদা লৈ হাযবসি খঙবু খঙলমগদ্রা।

তাঞ্জা অদু ইশানা শেমজদুনা হন্না হন্নো ফংলবদসু হাযগে খনখিবা ব্রাদুদি অমুক্তং ফাওবা কাঙথোকহৌদনা ইনে মাম্মগী যুম থাদোবকখি। মতম অদুদা, মাগী মনাক নকশীনবদা তনীক তনীকখিবা, লৈযেংফাও হেক ফাইখিবদু, হৌজিক্লা ওনশিন ওনশিন্দুনা ঐনা মঙোন্দা

লাউবি। অদুগা মানসু। নুংঙাইবা বা ঙাক্তা ঐঙোন্দা হায়খিবা মচীনসিনা ঙসি ঐবু থীনা থীনা চৈবি।

ঐবু ইনেগী মনাক্তা হলহৌবসিবা। ঐনা তৌবিবসিবু কবিনো। চাম্মবক, লীশীংলক, লীশীং লীশীংলক খনখি। লাইবক হায়বদুবা। পঙবা হায়দুবা। পঙবনি। পঙবদগী থোক্লিবনি। ওম্থোক্লা পঙইদকো ঐসে। ইথক্তা হিংনবা লম্বী অমা যেংহৌবনা চুমলোইদ্রা। য়ুম অসিদা সুম লৈবদি চুমদ্রে। খন্না খন্না অঙাং অনী শুজিল্লকখি। অদুদগী য়ুম অসি নত্তনা ঐগীখোঙদাফম পূন্নমক মাঙখিবগুম তৌখ্রে। হৌজিক্তি অঙাং মবি।

মহাক হুবানবনি, ফুবিংখাউ চপ্পনি খঙলকপা মতমদুদদি ইচা অহলসি পুক্লুংদা লেঙ লেঙ চৎলক্লে।

ঈশ্বর ইবুংঙো, হেক পোকপগা অঙাংসি শিহনবিযুকো। থা খবগী মমাঙদা খঙলল্লবদি পুক্লুংদা সুম লোইশিঞ্জবমগনি। বিষ্ণু বিষ্ণু। কবিনো ঐনা খল্লিবা বাসে। ইচামক্কী মোংফম ঐগী ইবুকমক্তা ওইহনবা। মদুনা হেন্না ফত্ত্রা? ফৈ হেন্না ফৈ। ঐগী ইচা হুবানবগী মচা। ঐগী ইপুবোইবা হুবানবা। বিধি চাম্মনা তন্নকপা ওইববসু মসিগী লাইবকসি পামজদ্রে। কনানবু পাম্লুগনি। কনাসু পাম্মোই। পামদবসিমক অসুম ওইদুনা চহী অমগী মথংদা অমা সুম সুম হৌজিনখি। য়ুমসিদা থানা যাম্না তেংযনা লাকই, মাবু পুদুনা চৎখিবসু যাওই। হল্লক্লগা হাযবৈ

ঐনা হাযদ্রা? শেলবু লৈববদি লোইনমক যাই।

শেল কবন্না পুগদগে, কদাইদা হাপকদগে খঙদবা গধাশিংদুদগী ঐনা লৌথোকপদা কবি লানবগে? তাবম্বা খুনবগা চপ মান্নে। ঐঙোন্দগী থানানা অমুক লৌবিসিনি। মী লোইনমক ইকোম কোন্না ফংবা শেল পাম্বনি।

অঙাংশিংগীদি কবিমক্তা য়েংলবোইদ্রা? মখোযনা চাউবক্লগা কমদৌদোবি?

মদু খল্লুবগী কবি কান্নগনি? ঐনা ঙসি ওইবিবসি ওইননবা ঐগী ইমা ইপানা খল্লগা ওইহল্লকখিব্রা? ঐনা ঙসি ওইবিবসি ঐনা পামজদুনা শেম শাজবগা ওইবক্লিব্রা?

অদুদি কনানা ওইহল্লিবা?

তানীংদ্রে তোকও। তানীংদ্রে।

৩

কৈদৌবদগী য়ু থকপা তোকখিবনো খঙদে। য়ু থকখিদবা কুইরে। নোংমা ফমুংদা লোংনা হিপ্নগা তুমিন্না লৈবন্মি। মাগী শকফমদু উবদা করিগুম্বা অৱাবা অমা তারবা মাল্লি। ঐনা তপ্না চঙশীন্দুনা মনাক্তা ফন্নগা হংলুই — কৈদৌরে?

মমীত্তুনা ঐঙোন্দা হাইরপতমক য়েংলকই। খরা খরা নোকপগুমসু তৌই। ঐ মাবু মুন্না য়েংলম্মি। অসুম্মাইনদি কয়া তৌদবনি। কৈদৌরবজাৎনো! করিগুম্বা নুংঙাইতবা অমদি থোক্রুল্লগনি। অদুবু মঙোন্দা করি হায়গদবনো খঙদে। মঙোন্দা বা হায়বা য়াম্না লুই। ঐনা ঙাঙলুবা বা খুদীং মাগী নাকোংদা কৌজেং হারৌনা খোংবগা অমহানি। বাখল্লা নল্লবা মাগী মমায়দু উরগা বাদবসু ঙমদে। তৌফম খঙদনা মাগী থবাক্তা তপ্না তপ্না নাল্লুই। মখুত্তুনা ঐগী খুবামদা পায়শীল্লকই, অদুগা নোকমি নোকমি তৌরদুনা হায়রকই

উৎ-পাৎ তৌবদা কৈসু লান্দে। অসুক কুইবসি উৎ-পাত্তা তৌদুনা হিংলক্লি। মী পুন্নমক তৌনবিবা ঙাক্লি। মওং খেন্নবগী বাদনি। অদুবু, ঐ নুংঙাইনবগীদমক ইচাশিংদসু উৎ-পাৎ তৌবা তাব্রা, নমথাক তৌবা তাব্রা — মসিদি ঐ ফল তাবা ঙমদ্রে। অঙাংশিংসি, ঐনা নমথাক তৌবিখিবা মীশিংদুগুম্বনি, মীগী মী অমহানি হায়না খল্লগসু পুক্নীংনদি য়ানীংবা ঙমদে।

মপান্দগী কনানো অমনা কৌরকই, ইবোবী মাল্লি

তামো, তামো লৈত্রো?

ইবোবী। লাকঅব্রা?

ফুক হৌগৎলগা ফুরিৎ অমা পায়রগা থোকখি। থোকখিবসিনা করম্বা মতমদা হনজিল্লক্কদগে হায়বগী ঠিকানা লৈতে। মচাকাদি নুংশিবা খরা খরা খঙলক্রমানে। হে ঈশ্বর মাদা অফবা মী ওইহনবিবোগবা।

৪

য়ু থকপা তোকখ্রে, মচা নুংশিবগী বাখলসু খরা খল্লক্রে হায়দুনা হরাওরুরগা কানিরোমদা ওনখৎপা ওইরম্রে। লমদা থক্রুম্বদগী য়ুমদা বাকতঙ উতোং খিন্দুনা থকপা হৌরকই।

থকমীন্নবা মী অমা লাক অনী পুল্ল ইকুই কুইদনা কানি থককম কানি য়োনফম ওইরে ঐখোয়গী য়ুম।
অঙাংশিংদি নোংমে নোংমগী চাউশিন্নক্রি। মানা তৌ শারিবসি করিনো। অঙাংশিংসি পুরগা ঐবু কদাইদনো অমা লৈষ্ত্রসিরা। কদাইদনো লৈক্লগদবসে ঐনা। ঐবু থৌরী য়ান্দুনা শিরশিরা। শিরগদা বাই শংলনি। ঐ শিঙ্গ্রগা ইচাশিংনা কমদৌহৌবা। ইমা ইচা ঐখোয় পুন্নপ হু চাদুনা শিঙ্গ্রবদি মা নুংঙাইহৌনিসে। অসুম্না কয়া কুইনদি হিংবা ঙমখিনি।

কুইর কুইরগা য়ুম অসি ঐঙোনদা মঙ হাগা চপ মান্নরক্লে। কানি থক্লম্বদগী নম্বর ফোর। হেরোইন। করম্বা মতাঙদা ওনখিবনো ঐ খঙহৌদে। কানি তোকখ্রে। হৌজিক অমুক নম্বর ফোরগী মফম ওইরে।
মানা হায়
শিবা হায়বদুনা খ্বাইদগী নুংঙাইবা ওইরবদি, মসিনা শিবগী হেক মথংদা লৈবা নুংঙাইবনি।

অদুদি মসিগী নেশাসি ঐদুম শীজীন্নরসিরা। অসুক মমল তাঙবা নেশা উখিদ্রি। য়ু য়োনফমদগী হৌরকপনি ঐ। কানি য়োনবী ওইরুরে। হৌজিক্লা নম্বর ফোর য়োনবী হায়বদু নমদুনা ওইরে। পাউদর মানবা মকুপ অসি লিক্লামুক্তং য়োম্বা ময়োম মচা অমদা লুপা তরা। তরাগী ময়োমসি তরা লৌখিবা য়াওই মঙা লৌখিবা য়াওই অমত্তং লৌখিবা য়াওই। লৈকাইগী লৈশাবী খরসু নেশাসি শীজীন্নবা য়াওরম্লে। ঐঙোন্দগী লোন্না লোন্না লৌই। মখোয়গী মতৌদু য়েংবা ঙমদবদগী ঐসু পীরে। পীদবা ঙম্বা নত্তে। হিদাক অসিগীদমক কার তোংবা, স্কুতর, মোতোর, জীপ তোংবা য়ান্না লাকই। মশা নাল্ল নাল্লবা কয়া চঙলকই। মফি মরোল জুগোৎ চাদবা লায়র-চুদহনবা মানবা কয়াসু নেশা মকুপ অসিগীদমক্তদি শেলগী অবাৎপা লৈতবগুম্মি। অয়ুক নুংথিল নুংদাং কাংদে। নোং ঙান্দ্রিঙৈদগী হায়রৈ — খরা পীয়ু। অহীং অথেঙবা, নোংঙাল্লমদাইফাওবদা হৌদোক্লে, মখোয়গী মৈচাক্তু ফোঙদোক্লে — লৈবা য়াদ্রে। অপাম্বদু ফংলবদা হরাওনা য়ান্না হরাওনা চৎখি।

৫
স্ত্রাইক লোইরে। গাড়ী চেনবা হৌবা তরুক্লি শুরে। নুংঙাইবা পামবা নুপাদু গাড়ী অমতনা

পুদুনা লাক্তে। বীজয়না হায়

ইতৈমা নুংশা থীরন্নু। মী হায়বসি হেক শি য়াপোত্তে। ফত্ত নুংদ থোক্লবদি নহান্না পাউ তাবনি। কদাইদনো অমা নুংঙাইথোক্তুনা লৈরমগনি।

নুংঙাইথোকপা পাম্বা নুপানি। নুংঙাইথোক্তুনা লৈরমগনি। নেশাগী ময়াইনা সংসার পুম্নমক নীংশিংবিরন্দনা লৈথোক্লমগনি। নুংঙাইবগী লম্বীদা অসুম অসুম চঙশীনখিদুনা অমুক হন্দোবক্লবা লম্বী লৈরমদবসু য়াই। নুংঙাইবগী অরোইবদু য়ৌরম্বসু য়াই।

বীজয়না অমুক হায়বৈ,

ইতৈমা ঐখোয় পাউ লৌনরি। কন্না থিরি। বাক্নু।

নোংমা ময়োম অমা পীবৈ,

ইতৈমা মসি থাদোকউ। চোইনা থাগেবা, পূন্না থাগেবা ইতৈমনা অপাম্বা তৌ। মহৎতমক ... লকউ। শেন্দোংদু ইতৈমা শীজীন্নবিয়ু। অঙাংশিং চবা হেলহনবা যাদেকো।

বাজযনা ময়োম ময়োম পীববসি মবিবক শবে।

নোংমনা হাযবম্মি.

ইতৈমা পোৎ পীব পীবগা থাদোকখো। তামো হল্লকত্রিফাও মী অমত্তা ফমহল্লগনু।

নোংমনা অহীংদা হৌদোক্লে.

ইতৈমা পুলিসনা ঐবু কোযতান তান্নবে। তামোবুসু কন্না থিবি হায। মদুগী লোত্তুনা লৈবা ওইবম্লগনি। ঐসু নোংমা নীনীদি খবা লাপ্পা লৈরুদবা যাদ্রে।

ঙসিদি?

খঙদে ইতৈমা, যুমদসু লৈবা যাদ্রে। ঐনা থোকপা তৌ তাবি

সিদা লৈথ্রোদনা

মদু যাদে ইতৈমা, তামো লৈত্তবসিদা মীনা ভাব অমা খনখিনি, লুপা চাম্মখত্তদি পীয়ু। ঐ হেক হল্লকপগা পীগে।

লুপা চাম্মা লৌবগা চৎখি।

অহীং অহীং তুম্বা য়াদে। ওক্তবা নুপাদুগী ব্লাববোই খনবা ঙমদে। বীজযনা হাযগুমদনা শিবা নাবা থোক্লবদি পাউ মতাবগনি। থানানা ফারবসু পাউ ফংলগনি। অদুগা কদাইদনো

মানা লৈথোক্লিবসে। ইনম্মা ইন্দুনা হায়বা মাইবীদু শেল হল্লুগদ্রা।' শিদ্রবদি নুংঙাইনা লৈথোক্লমগনি শোইদনা। ঐ অসিবু অরাম খৌরাংবকা করিমত্তা পোকত্রবা উকংগুন্না খন্দুনা মানা নুংঙাইনা লৈথোক্লিবা। মশাগীতা খনবা। মাগী নুংঙাইনবতা খনবা। ঐবু মী নত্ত্রবগুম। ঐবু নুপী নত্ত্রবগুম। কদাইদনো ঐনা মাবু থিরুগদবা।

মঙলাক-হংলাক্লদুনা তুম্বা য়াদনা হৌখ্রে অহীং মথং মথং।

লুপা চাম্মা লৌরগা চৎখিবা বীজয় হল্লকলে। লুপা চাম্মদু অমুক পীররে। মহাক্লা ঐগী অবাংপা পূম্নমক মেনবিরি।

বীজয়না হায়

ইতৈমা, তামো শোইদনা হল্লকখিনি।

।। ১৯৮৫, আগষ্ট ১২ ।।

উপাই লৈতবা

অয়ূক্কী পুং মাপল মখায তাখ্রে। মাপল মখায়দগী মিনিট মবি মঙাবু হেনখ্রে।

ইবেমহল মফি মবোল শেৎপা লোইবদুনা জ্ঞানেশ্বরগী মনাক্তা চঙলক্লগা হায়রে, "ঐ চৎলগে। কবি কবি তৌরমখোগে।"

হংলিবদু খুমদনা, নোকমি নোকমি জ্ঞানেশ্বরনা হায়রকই, "হো অদুম্মাইনা খরা খরা কেনা চৎলুদনা।"

ইবেমহল শকফম হনজিল্লি, শেৎলিবা মফি মবোন্দুদা হছ্না য়েংলগা হায়, "কেদেদা। কবি তৌবমখোগে?"

জ্ঞানেশ্বরনা মোন নখাদগী ঘড়ীদু পুথোক্তুনা য়েংলগা হায়রকই, "এঃ থেঙঙেনে। পুং তবা তাদৌবে। থেঙঙে চৎলো। মীনা রা মথক থোংদনবা হোৎনগদবনি।"

ইবেমহলনা মপুবোইবদা মীৎকুপ খবদং চিংনা য়েংলগা "অদুদি চৎলুখিগে" হায়রম্লগা থোকখ্রে। সাইকল ইষ্ঠোকখ্রে।

মাগী নুপী ইবেমহলনা থব্বক তৌবা থা তরুক শুজিল্লকলে। য়াফম অসি জ্ঞানেশ্বরনা খংনীং নীংশীংলজুনা লাউরকই, "হাই অমুক্তা হল্লকখোহাই।" মহাক্না লাউরিবদু মাগী নুপীনা তারমগাদ্রা তারমলোইদ্রা চিংনদুনা তুমিন্না ঙাইদুনা লৈরি। ঙহাক্তংগী মনুংদা ইবেমহল চঙলক্লগা মমাঙদা লেপ্লরে। জ্ঞানেশ্বরনা তহা তহানা হংলকই, "হাই, নঙগী রেগুলরাইজেসন তৌবগিদু করি হায়রে?"

"হায়দেদা; তল্লিদা ঐ হৈনদে।"

ইবেমহলগী পাউখুমদুদা জ্ঞানেশ্বর ঙহাক বাখল তৌই, মাগী নুপীদা মুন্না য়েংই, অদুগা হায়রকই "নত্তেনে, তনববুদি তল্লসু হায়দা য়াদবনিনে। তঙাইফদবা হায়বা অমা লৈ। হায়দ্রগদি সুকতৌ তৌরকওইনে। হায়রফাওবদা তৌদ্রকানসিদা নঙগী দরখাষ্ট চেজেন্তুনা চৎনপোত্তে।"

"ঙসি হায়রগে" ইবেমহলনা তপ্না খুম্মি।

"হায়য়ু। নীংথীজনা মেন তানা ঙাঙনৌ। মখোয়না করি পাম্বগে হায়বদু মুন্না খঙদোরকউ। চৎলো থেঙঙে।"

করি হায়গদগে খঙদ্রবগুম বা ঙাঙদনা ঙৈহাক লেপ্লন্নগা ইবেমহল তুমিন্না থোকখ্রে।

য়ুমসিদা জ্ঞানেশ্বর মথন্তা ঙায়হৌরে। ইচীক চীকহৌরে। পুং মাপলফাওবদি য়ুমসিসু ইংখোলনুংসিসু ইরাঙ লাঙলম্মি। পুং মাপলমখায় তারকপদগীদি খরনা ওফিসতা, খরনা স্কুলদা, কলেজদা মাগী মাগী থোকপা চৎনখ্রে। নহানমখৈদি মমানা মরক মরক্তা চঙলজুনা অবাৎ অপা হংবিরবনি। মমাসু ঙসিদি অয়ুক ঙন্তাদগী শামুরৌদা ময়ুম পানবা মচননুপীদু অঙাং উনদৌরে হায়দুনা চৎখ্রে। হৌজিক্তি য়ুমসিদা মথন্তা ঙায়রে। অরাংগী য়ুমদা লুহোংলকপা কুইদ্রিবী মনাওনুপী অমগা লৈ: লোইরে, ইংখোল্লুংসিদা মী হায়ববু মখোয়নী মঙায়রে।

মীওইবগী দশা হায়বসি অঙকপনি। মশা মউ শেংবা, নিয়ম নিতি নাইনা চৎপদা লৈকাইসিদা খুমহ্নেম জ্ঞানেশ্বর হায়নরিবনি। অদুবু, মপাগী ফিরোই নুমিত্তুদা, য়াঙলেন্দা কৈনো অমা তৌখ্রে হায়দুনা হিপখিবদগী ঙসিফাওবা হৌগৎপা ঙমদ্রে; চহী অমা হেনজিল্লক্রে। মাগী হায়ববু লোংনা হিপলিবসিনি। মীনা ঙাকখৎপীরগা ফম্বা ঙম্মি। মখোঙ অনী পাল্লি হায়বা মঙায়রে, খজিক্তংফাওবা লেঙবা ঙমদ্রবনি।

'মসিবু করি ইপাপনো' জ্ঞানেশ্বরনা খল্লি। বাহং কয়া মথন্তা হংজে। 'ঐবু কনাদা করি

ইবাল লঙজপ্রবগে? হে ঈশ্বব! ঐনা কবি লানখ্রবগে। ঐনা খঙবদদি ঐনা কনাদসু কবিসু লানখিদে। কবিমত্তা লানখিদে। মসিবু নহান মপোক্কী কর্ম্ম ফললা। নহান মপোক হাযবসি লৈদ লৈবজাৎলা।'

মহাক, খল্ল খল্লগা সুম সুম ভাব তাশিল্লক্লমদে। বাফম কযা অসি হনজিন হনজিন চহী অমবোমসি খল্লক্লবনি। অদুবু পবীং নাইনা কবিগুম্বা অমত্তসু খন্থবা ঙমদে। অমদগী অমা লামশিললকই। অমগী মনুংদা অমা যেৎশিল্লকই।

'লোইবে। ইহাকথক লোইবে। নুপীগী লীক-কোন, ইনাওগী গাডী, ইমাগী মবল তুম্লেদকো। ঐগী হাকতক্তা ইমুংসি তুম্লেদকো'

জ্ঞানেশ্বব যাম্না খোযবাং খোয়শাওনবকই। মর্মীত্তা ঈবা চেল্লকই। অশেংবমকসু, মহাক্তবু শবশদি হাযদুনা মাগীতা নত্তনা মনাওগী, মমাগী, নুপীগী লৈজ-লৈজবা পুথোক্তুনা লাযের্ংখবনি। মনাওনুপাগী লৈজবদা ঙাযবিবা স্কুতবফাওবা যোনখিবনি। নুপী অঙাংগী লীক-কোন মচেৎ অমা তাহৌদ্রবনি। শুবে, ভাবতকী হাযনবা মফম, লাযেংশঙ পূন্নমক থুংলুবে। অসিমঙাই। সিদগী হেন্না যেংনীংঙাই লৈদ্রে। ভাবতকী ৱাংমদা লাইবক যেংগদবা মঙাযবে। মদুসু ইমুংসিগী শক্তিগী ৱাংমদনি। লাইবক যেংলবফাওবদা শবক্কনি হাযবদি কনানসু থাজদ্রে।

'অঙকর্পানি হে পূন্সি' জ্ঞানেশ্বরনা শ্বব মপী অমা শাংনা হোৎল্লে। মাগী বাখল কাঙলম অমা খঙদনা চোং শাল্ল। 'অঙকপনি হে পূন্সি। অঙকপনি তাইবংপান। ঐখোয মীওইবসিবু অসুক তোনব্রা। অঙক অঙকপা থাজবা ঙমদ্রবা কযা পাঙথোক্লবা, বিজ্ঞানগী অঙকপা যুগ, লাইগুম্লবা হে মীওইবা। নহাকপু অসুক শোনব্রা। নহাক্কী হৈ শিংবা স্বাইদা সুম লাইবব্রা। অৱাবা তাববা মীবু কন্ননবা শক্তি, জ্ঞানগী পূক্কে অসিখক্তবা।

যাম্না বাৎলি। মীওইবনা যৌগদবা লম যাম্না বাৎলি। মীওইবগী জ্ঞানগী ৱাংমদা পোৎ কযা চাইদুনা লৈবি। চহী কোটি কযা চৎলক্লবা তুংদা ঐখোয ঙসি অস্বাযদা থুংলবে। মসিদগী চৎখিগদবা যাম্না ৱাৎলি। তাইবং মী মতম শাংনা ৱাখিবা তাবি।

ওম্বোকর্পানি হে মীওইবা। নঙবু কবমনা ওইবক্লিবা। ঈশ্বরনা শেম্লক্লিব্রা। কবিগীদমক শেম্লকলিবা? তাইবংপান। মীওইবা। মসিনা কনাদা কবি কান্নবিবা। অবেস্বনি পূন্নমক অবেস্বনি। মাগী লীলা শান্ননবগীদমক ঈশ্বরনা জগত অসি শেমলির্বান হায বেদ শাস্ত্রনা। লীলা আসদা মী কযানা তমথিনবা চৈনা খাঙলি। মসিদা মহাক্লা নুংঙাইবিবা। কযাদা

তমথিল্লবা কয়াদা মীনুংশি খঙখিদ্রবা। মাগী নুংঙাইনবগীদমক থব্বায কয়াবু ওত্তুনা শান্নবি। অদুদি ঈশ্বব হাযবসি হিংচাবনি। মীওৎপনি। তুক্কচৈ, ঈশ্বব নঙ তুক্কচৈ। নমাযদা ত্তিন শিংচিন্নীংই।'

জ্ঞানেশ্ববনা ঈশ্বববু তমথিনা নিন্দা তৌকববগা অমুক খত্বকই — 'নত্তে, মীওইবনা ফংলিবা পূন্নমক মাগী মাগী তৌজবা কর্ম্মগী ফল ঙাক্তবা? অদুদি ঐনা কবি তৌখ্রে? ঐনা কবি লানখ্রে? ঐগী ৱা তোকও। চহী অমগী অঙাংদুনা করি লানখি। মাবু পোলিওনা নাহন্দুনা মপুন্সি চুপ্পা শোইনাইহল্লিবদি কবিগীনো? অঙাংদুগী মবাল কবিনো? নহান মপোক্কী পাপকী ফল। মদুদি ঐ করিমত্তা খঙদে। নহান মপোক্কী ৱাদি কবিমত্তা খঙদে। নহানমুক্কী মপোক হাযবদু লৈবম্বা তাববসু, নহানমুক্কী মপোক্তুদা ঐনা কবি তৌখিবগে? কনানসু খঙবা নত্তে। ঐনা কবিমত্তসু খঙদবা নহানমুক মপোক্কী ৱা হাযজিল্লগা ইবাল পীশিন্দুনা হন্দক্কী মপোক্তা ঐবু অৱাফমদা তাহনবা। কযাদা লোজিক যাওখিদ্রবা ৱাফমনো। মসি নমফ্গনি। নমদুনা নঙোন্দা নবাল পাশিনবনি। চাউখ্রবা নমথাক অর্মনি। অদুদি নঙনা অয়াবা নংলিবদি কবিগীনো? নঙগী কর্ম্ম ফল নঙনা তোজবগী মহৈ। কবম্না? হূবানবা অমা ফাবে। জেলদা লৈবে। মদু মাগী কম্ম ফলনি। হূবানবা অমদি ফাদ্রে। নিংথৌগুম্না পাখ্রি। মসিসু মাগী কর্ম্ম ফল। কযাদা থোক্কীখ্রবা। চপ মান্নবা কম্মগা পূংওন ওংবা ফল অনী। মদু মাগী মাগী মবাযবক্কী বানি। মবাযবক? চপ মান্নবা কম্ম অমগী খেন্নবা ফল যান্না লৈগনি। কম্মদুবু পাঙথোক্লিবা মা মাদুগী মতুং ইন্না, অঙাগী মতুং ইন্না ফল যংগনি। মসিবা লাইবক হাযবিবসে। লাইবক হাযবসি কাবনো? তোঙান তোঙানবা একান মযামগী অপুনবা ফল অমা নঙনা ফংই। মদু নঙগী লাইবকনি। নঙগী অকোযবদা নঙ নশানা খঙবা নত্রগা কবিমত্তা খঙদবা শাক্ত কযামকম লৈবি। শাক্তিশিং অদুগা নঙগা মতম পূন্নমক্তা থেংগাইনদুনা লৈবি। মসিদগী থোবকপা ফল অদু নঙনা ফংলি। মদুনি নঙগী লাইবক। মসিদগী নঙ নাম্ভোকপা ঙমদে। অদুদি মাওইবসি কযা শোনখ্রবা। কযা উপাই লৈজখিদ্রবা। পূন্নমকসি অবেম্বা ৱান। জগত সংসাব অসিগী কবিগুম্বা মবম অমত্তা লৈবা নত্তে। কবিগুম্বা মবম অমগী শেম্লকপা, ওইববপা নত্তে। ওইবিবা থোক্লিবা পূন্নমক তাঞ্জা অমদগা চান্স অমদগী ওইবা ঙাক্তনি। নুমিৎ থা থব্বানমিচাক পূন্নমক চান্সতগী ওইববপনি। অদুদি পূন্নমকসি কনিদগী ওইবক্লিবনো। নুমিৎ থা থব্বানমিচাক গ্রহ উপগ্রহ পূন্নমকসি কদাইদগী পোক্লকলিবনো? অহাঙবদগী। মদু

ওইথোকপ্রা। অসুক য়াম্বা মপাল নাইদ্রবা জগত অসিদু অহাঙবদগী হেক্তা ওইদ্রকপা য়াব্রা। মসিবু কনানা খঙবা ঙম্নবগে? ঐনা খঙবা ঙমগদ্রা? ওইথোক্তবনি।'

চয়েৎনববা বাখলশিংগা য়েৎশিন্নরদুনা জ্ঞানেশ্বরগী মীৎ অনীদুনা সিলিং মথক্তা মুন্না য়েংলি। ঙহাক্তং মাগী পুক্নীংদু ইহাঙ হাঙবগুম তৌই। মমীৎ উইশিন্দুনা পোখাগে হোৎনৈ। কদাইদগীনো য়াম্না পীক্লিবা অশিবা অঙাং অমা উবকই। মুশুক মুবা অশিবা অঙাং অমা মহাক্কী মনাক্তা তাদুনা লৈরি। খোমগী অঙাংনি। জ্ঞানেশ্বর মমীৎ পাঙথোকই। সিলিংদা অমুক য়েংই। করম্না অশিবা অঙাং অমা উরক্লিবনো খল্লি। খম্না খম্না সিলিংদা মখল মখলগী মূর্ত্তি কয়ানা লেঙ ওৎপা অমুক উরকই। মখোঙ অনীমক য়াওদ্রবা চাক্লিবা অমা কালেনগী মৈশাদা ফন ফন চোংদুনা চৎলি। অচৎ-অঙক খুদীংমক্তা শেল নিরি। সোরোক্তা মী ময়াম প্রিক প্রিক শৌই। নুপা নুপী কয়া হবাওনা নোক খেদুনা চৎলি। মখোঙ য়াওদ্রবা চাক্লিবদুনা মীশিংদুদা তিঙক তিঙক য়েংলি।

'কবিগী শিদ্রিবা' নঙদি করিগী শিদ্রিবা। নমাঙদা চেক্লিবা টাটা গাড়ীদুগী মমাঙদা থরো থরো ওনশিন্নগা শিদোকত্রিবা করিগীনো। নঙগী হিংনবগী ময়াইদু কদাইদগীনো। ঐনা নঙগী মফমদুদা লৈবন্নবদি ঐদি নহান্না শিদোক্লগনি। নঙোন্দা হিংনিংবগী ময়াই অমা য়াওবিবদু কদাইদগীনো হে চাক্লিবা।'

চাক্লিবদুবু উবদা জ্ঞানেশ্বর যাম্না নোংক্লিংলম্মি। খঙহৌদনা কনানো অমা নোকখিবগুম তায।

'ও! ঐনা হিংলিবসিনা করিগীনো। ঐনা শিদ্রিবসিনা করিগীনো।'

জ্ঞানেশ্বর সিলিংদা অসুন্মক য়েংলি। চাক্লিবগী মূর্ত্তিদু উখিদ্রে। মথক্তা হন্না হন্না হংলি, 'ঐনা হিংলিবসি কবিগীনো। ঐনা শিদ্রিবসি করিগীনো।' সিলিংদা মূর্ত্তি অমা থোরকই। মমি শামিবা মূর্ত্তি অমা। শ্রীকৃষ্ণগী। কেলেগুরদা য়েকপা শকফমদুনি। কোক্তা বাহোং মতুগী চুরা থেৎপা, খুত্তা বাঁশি পায়বা, নোকফেৎ তৌবা চীনবান। মহাক্লা হায়বগুম তৌরি — "পুন্নমক ঐগী লীলানি; ঐগী লীলাগীদমক শেম্বনি পুন্নমক।" মূর্ত্তিদুদা মুন্না য়েংলি জ্ঞানেশ্বর। মূর্ত্তি অদু মশক ওন্নকই। হিটলর। হিটলরনা ময়া ইহি হিগত্তুনা নোক্লি। য়াম্না তুক্কচবা শকফমনি। উবিবা শকফমশিংদু করম্না থোরক্লিবনো ভাব তাবা ঙমদে জ্ঞানেশ্বর। অঙকপা অমা পোক্লা য়েংলি। হিটলর নোক্লি। অদুদগী হিটলর অদুনা তপ্না তপ্না অচৌবী ওইরকলম্মি। অচৌবীনা ময়া হিগত্তুনা নোক্লি। ময়াশিং ইঙাঙ ঙাঙই, কা মকুপ মকুপ

পকই, খয়াঙ্গী কোদাং শিন্থরি। কোদাং অদু মীওইবগী ঈ ওইনা উরকই, শায়রিবা কাদুনা নুপীমচাশিংগী শাদোং মচেৎ মচেৎ ওইরকই। জ্ঞানেশ্বর খাঙবা ভয়ক্লে। মমীৎ উইশিন্দুনা মকোক্তু ফেৎ ফেৎ হাইরম্মি।

তশেংনমক জ্ঞানেশ্বরনা অচৌবীবু য়াম্না তুক্কচৈ। মখোয় অনীমক ষ্টাফ অমত্তদা লৈমিন্নবনি। অচৌবী চুম্নগী দিলিং ক্লার্কনি। অদুবু অচৌবী য়াম্না চাউই। ষ্টাফকী মী পুম্নমক্না ফাগি তৌই — "প্রোজেক্ট ওফিস হায়বদি অচৌবীবুনি। অচৌবী হায়বদি প্রোজেক্ট ওফিস হায়বনি। ফজবা, নুংঙাইবা, অহাওবা পুম্নমক অচৌবীগীনি। অচৌবীগী লুখাক সাহেবনা চাবনি।" ময়াম ব্বা বা নোকই। জ্ঞানেশ্বরদি য়াওদে। মহাক অচৌবীগী মরমদা কমেন্ট অমত্তা পীদে। অচৌবীগা ব্বাসু ভাঙনদে, কৌসু কৌনদে। অচৌবীগা খৎন-চৈনখিবসু লৈতে।

ইবেমহলনা জোইন তৌবা চৎখিবা নুমিত্তুদা জ্ঞানেশ্বরনা বামেনখি, "অচৌবী হায়বা অমা লৈবদো কৌনবা য়াদে, ভাঙনবা য়াদে, মায় ওনশীন্নবা যাদে। খঙঙব্রা?"

ইবেমহলনা হংখি, "করিগীনো অদুদি?"

"করিগীনো নত্তে, ঐনা য়াদে হায়রিবসিনি।" জ্ঞানেশ্বরনা লাউহৎখি। জ্ঞানেশ্বর, মহাক্কী নুপীবু ওফিস অসিদা থবক তৌহন্নীংখিদে। ওফিস অসিদতা নত্তে, ওফিস অমত্তদসু তৌহন্নীংদে। 'ওফিস খুদীংমক্তা পৈরিবা অমোৎপশিং অদুদগী নুপী অমনা কয়াম কুইনা লাপথোক্না লৈবা ঙমগনি।' অদুবু উপাই লৈখিদে। ফনা লায়েংদুনসু মহাক্না ফগৎলক্তৃবদা মাগী মহুৎ ওইনা ইবেমহলবু চঙহনবা তাখি। মচা অহুম শিবা য়াদে। মহাক্না খনখি — ঐবুদি শিরবগুম্বনি। করিগুম্বা মতমদসু মাগী নুপীদা ফাগি তৌরুই, "অশিবা মীনা চাক চাবা উরব্রা? ঐ অসি চাক্তি চাবা অশিবা মীনি।"

মহাক্নবুদি নোক্কুনা ভাঙজরুই। অদুবু ইবেমহন্নদি মুন্না য়েংলন্নগা বা ভাঙদনা থোকখি। পুম্নমকসি জ্ঞানেশ্বরগী মমীত্তা তরং তরং উরকই। অদুদগী মথত্তা নোকফেৎ তৌরকই। য়াম্না নোক্লীংবা অমা নীংশীংলকই। ইবেমহলনা নোমো ওফিসতগী হুন্নক্লগা লেঙবা ভমল্রবা মপুরোইবদা শাউরে, "ইবুংঙো সাধু। চেঙজঙবা। লৈকাইদনা মহা সাধু। ওফিসতকাদি লাই ওইবিরম্মিপোৎনিনে।"

জ্ঞানেশ্বর য়াম্না নোক্লীংখি। হৌনা নোকথোকখি। "কৈদৌবা কৈদৌবা? ওফিসতদি লাই ওইরম্নবা। হায়য়ুনে হায়য়ুনে ময়েক শেংনা হায়রকউনে নুংঙাইরিনে"

"হায়রকঅদি শাউনিদা"

"শাউরোই শাউরোই হায়রকউ"

"কৈনোদো। রঞ্জিতাদো। মশক য়াম্না ফজে হায়বা।"

"ফজবনি ফজবনি।" হায়রগা জ্ঞানেশ্বর হন্না হন্না নোকখি।

রঞ্জিতা মশক ফজবী নুপীমচানি। জ্ঞানেশ্বরনা রঞ্জিতাবু মশক খঙলকপদি কুইনগী মমাঙদগীনি। খঙনবনা রঞ্জিতানা মাগী ওফিসতা রিসিপ্ট ক্লার্ক ওইনা লাক্লবা মতুং কাইনথংদনি। ওফিস অসিদা চঙলকত্রিঙৈদা রঞ্জিতাগী মরমদা ৱা কয়া তাখ্রে। মদু জ্ঞানেশ্বরনা থাজবসু ঙমখিদে থাজদবসু ঙমখিদে। খঙনবক্লবা মতুং নোংমা চা থকমিন্নবদা জ্ঞানেশ্বরনা হায়খি, "রঞ্জিতা ৱা অমা হায়গে।"

"হায়বিয়ু তামো"

"নঙনা, লেসিতেসন কম্পিতিসন অমদা নশানা ইজবনি হায়বা পোইএম অমা রিসাইত ৈ নীংশীণ্লি।"

নাঙ্গ ন। ৃুময়ম খঙদদুনা জ্ঞানেশ্বদা মুন্না য়েংদুনা লৈ। জ্ঞানেশ্বনা নোকমি নোকমিদি তৌবগা সিবিয়স ওইনা ঙাঙই, "মতমদ্দা নঙবু চুন্নগী নুপীমচা অমা ওইনা উখিদে।"

"কবম্মাই উবিখি তামো?"

"লীক্লা ওইনা। অয়ুক্কী লীক্লা ওইনা, যাম্না তক তবব্না, য়াম্না শেংনা"

"হৌজিক্তি তামো?" রঞ্জিতানা খবা ৱাবৌনগী খোঙ্গোক্তা হংলকই।

"হৌজিকসু মদুমাইনা উনিংই। ঐনা হায়নীংবা অমখক্তংদি — নখোয়গুম্বা ওঙ্গোক্লা ফজখ্রবা, কন্নফাওবা য়েংবা পাম্মুবা নুপীমচা কয়ানা জুগোৎ চাদবগী ৱা য়াম্না তায, য়াম্না ন্যংঙাইতে। মীওইবগী পুন্সি অসি যাম্না ফজহনবা য়াই। নখোযদি অদুগুম্বা বদনাম লৈহন্নাংদে।"

রঞ্জিতাদু জ্ঞানেশ্বরদা মুন্না য়েংই, অদুদগী 'ইস তামোগী বাতাসিদি . ." হায়রম্লগা চাদু তংখাইমুক্তং থক্লগা চৎখ্রে। জ্ঞানেশ্বরদু হাইফেৎ ইকাইহৌই। নোংঙানবগা পাউ অমা তায। ষ্টাফকী মী পুন্নমক কিরুপ কিরুপ য়েংনৈ। "তূমিন লৈয়্ তূমিন লৈয়্। মী শিবা যাবা ৱানি।" হায়নৈ। তশেংনমক 'তুমিন অদুম লৈনখ্রে। নুমিত্তুদগী জ্ঞানেশ্বর রঞ্জিতাদা ৱা অমফাওবা ঙাঙখিদে। মহাক্লা হেক তৌখিবা হায়ববু মখোয়গী ওফিসার সাহেবতুগী মমিংদু চেবাং অমদা ইবগা মতিন পুন্নবা শাৎচিনখি অদুগা নালাদা হুন্দোকখি। অচৌবীবু হান্না তুক্কচবম্বগী মথক্তা য়াম্না হেন্না তুক্কচবা পোকখি।

থৌদোক অসি জ্ঞানেশ্বরনা মাগী নুপীদা তম্খি। মদু তারগা ইবেমহল্লনা হায়, "অদুবু নঙগী নখৌ করি লৈগে? মা মা থোক তৌজসনু। য়াওবিরুদ্রগা তিন্নবিরুদ্রগা লোইরে।"

"মদুবুদি চুম্মি। মী পুম্নমক লোইনা ফগদবনি হায়না খল্লুরিবসে য়াম্না থীনা পঙবগী বানি। মসি ঐ খঙবা কুইদ্রি।"

থৌদোকশিং অসি নীংশীংলুরগা জ্ঞানেশ্বরগী পুক্নীংদা চিংনবগী মমি অমা তারকই। মাগী নুপীনা অদুগুম্বা লমচৎতি কৈদৌঙৈদসু চৎকদবা লৈতে। মদুগুম্বগী মমি খজিক্তং ফাওবা মাগী বাখলদা তাগনি নীংদে। অদু ওইরবসু তম্বা ঙম্না। বাহং অসি কদোমদগীনো জ্ঞানেশ্বরগী মপুক্নীংদা লীর্শিন্দুনা মকোক থিংজিল্লকই। তাঞ্জাদুদা মচানুপা অহল চঙলকই, "পাবুং ইমা লাক্ত্রিব্রা?"

জ্ঞানেশ্বরনা হাইফেৎ খংবগুম করিগুম খুম্মি, "হল্লকত্রিমানেনহে, পুং কয়া তারগেনে? নঙবু লাকপা কয়াম কুইরগে?" ডাঙনা ডাঙনা ঘড়ী লৌথোক্তুনা য়েংই, "পুং মরি তারেনে। নঙ লাকপা কয়া কুইবে?"

"ঐবুদি লাকপদা ঙায়রবি। বেমবেমহৌইদি?"

"তাই! খঙদেনে। মখোয়বু স্কুল হল্লকখ্রবনে। অমুক্তা য়েংঙু অমুক্তা য়েংঙু।"

নুপামচাদু মচল অনী থিবা থোকখি। পুং মরি তারে। ঙসিদি ইবেমহল থেঙই। পুং মরি মিনিট অনী চৎখ্রে। নহানমখৈদি পুং মরি তাফাখ্রিবঙৈদা নত্রগা পুং মরি হেক তাবগা থুংলবনি। নুপামচাদু অমুক চঙলকএ,

"পাবুং বেমবেমহৌই চাকথোংবী শান্নরি। ইমাসু লাকর্জনি। ঐ দোবেনহৌইদা অমুক্তা চৎলুখিগে।" হায়রম্লগা চৎথোকখ্রে। "অমুক্তা চেপ্লম্মু" হায়গে তৌর্বনি, নংহৌদ্রে। ঙসিদি লোংইবসিদগী হেন্দ্রে। য়াম্না বারে। নহানমখৈদি মমানা ঙাকপীরগা ঙহাক অমুক চেপ্পানি, ঙহাক অমুক ফম্বনি। নোংমাইজিংগুম্না ছুতি নুমিত্তনা ইবেমহলনা সেবা নাংর্থীনা তৌই। "ইবেমহলসু হল্লকত্রে কমদৌরিজাৎনো" খন্না খন্না ঘড়ী অমুক লৌথোক্তুনা য়েংই -- পুং মরি মিনিট অহুম। "কৈদৌরজাৎনো ঙসিসিনো" খল্লি। খন্না খন্না মমীত্তা তুক্ক-তুক্কচবা ঙাক্তা উরকই। অচৌবী, রঞ্জিতা, ওফিসার সাহেব, ফাইল মপৈ, স্তোর-রুম — ময়াম অসি মাগী মমীত্তা তুক্কচবা পোৎ ওইনা লেঙ গুৎলম্মি। মখোয় ময়াম অসিনা মাগী নুপীবু য়াম্না হংগোইবা থবক অমা পাঙথোক্নবা হোৎনরি। ইবেমহলনা উপাই লৈতনা তাশিন্দুনা খাঙলি। জ্ঞানেশ্বরগী মকোক অদু চেৎখায়গদবগুম তৌক্লেম্মি। মমীত্তু উর্তাশিনবসু ঙম্নমদে,

পাঙথোকপসু ঙম্নমদে। মহাক খূদক অদুদা শিনিংবা ফাওরকই। ঘড়ী থাংগক্তুনা অমুক য়েংই। পূং মরি মিনিট মঙা। তাঙ্গাদুমক্তদা সাইকল ইনশীন্নকপগী মখোল তারকই। শ্বর হোন্দোকই জ্ঞানেশ্বর। ইবেমহল চঙলক্রে, চঙলকপগা, "ইস। অসাইদগী সুম লোং লৈরবা। বাবনা লোইরম্মনি চেপকম্রা ফমগদ্রা সে . . ." হায়রদুনা ফমুংদা ফমথরকই। নংগন্দুদা কোন্দুনা চেপহল্লি, অদুগা হংই, "ফমসিরা?"

"য়ারে য়ারে ঙহাক্তং চেপখিগে।" জ্ঞানেশ্বরনা খুম্মি। অদুগা অমুক হায়রকই, "য়েংঙোই অঙাং অনীদো কদাইদনো শান্নরি হায়বনি কৌশিল্লুচো।"

"অং, ফি অমুক্তা হোংদোকখিদে। ইবুংঙোচৌবদি কূম্নকত্রিব্রা?"

"লাকঅম্মবনি। কদাইদনো অমা চৎলুগে হায়বম্মি।"

"ইবুংঙোচৌবসি কোয়বকা হৈরেকএ" হায়রল্লগা ইবেমহল থোকখি। জ্ঞানেশ্বরনা য়েংহৌই। কবিগীনো খঙদনা মমীত্তা ঈরা চেল্লকই।

।। ১৯৮২, জুলাই ২১।।

ওজা দিনচন্দ্রগী মঙ

মীৎকপ খংথোক থোকই ওজা দিনচন্দ্র। ঙহাক্তং মমীৎ মনা শিংনবা হোৎনৈ। হৌজিক্তা মঙখিবা মঙদ্রু অমত্তা চীৎথদনা মথং মথং নাংশীংই। মোন মখাদগী খুদাং ঘড়ী লৌথোক্তুনা যেংই। পূং অহুম মখায় মিনিট তবামাথোই। নোংঙাল্লমদাই হাযবদু চপচানা ওইবে। নোংঙাল্লমদাইদা মঙবা মঙ। শোযদনা চুমগনি।

মঙখ্রিবা মঙদু অমত্তা চীৎথদনা অমুকসু হন্না নীংশীংনবা হোৎনৈ। নীংশীংলবা তুংদা লাইনিংধৌ কাচিনলোমদা মমায থম্লকই। হিপ্না হিপ্না মখূৎ লোন্নবদুনা লাইনিংধৌবু খুরুমজববকই; মঙগী অফবা ফল ফংহনবিযু নিঙ্গে। লাই অতৈদি কন্না থাজবা ঙমদে। লাইনিংধৌবুদি চেৎনা থাজে। ফোংনমক্তি নত্তে। নুপী অঙাংশিংদা ঙাঙবদা লাই-তীন থাজবা অজা পূজা তৌববু যান্না চৈ-থাংবা ওজা দিনাচন্দ্রনি। মচা অহল কন্না নাশিবা মতমদুদা মমানা কোযচেন চেন্দুনা লাই-তীন যাম্না খুরুমখি। পাঞ্জি যেংদূনা সুমাঙ লা তাখি। মদুদদি ওজা দিনচন্দ্র চৈ থাংবা তৌখিদে। মতাক মশাসু লাইনিংথৌ কাচিন্দা লোন্না লোন্না চঙদুনা

হন্না হন্না খুক্কমজখি। ফিবম লুনা লৈব্কববা অঙাংদু তপ্না তপ্না ফবকখি। মদু লাইনিংধৌগী থৌজানদগীনি খঙ্গখি। হৌজিক্তি পাখঙ মচা হাযবদু ফাবক্লে। ক্লাস নাইন তমলে।

মীৎকপ থোকপদগী মাগী কোক মনুংদা বাখলনা চোং চোংদুনা শান্নবকই। অমুক তুমথবা যাদ্রে। নহান মৈতৈবোল খববগী চযোল বাশি ফলদু নীংশীংলকই। ফনা ফখিবগুম তৌই। ঙবাং ইংলিস খববগী সন্দে মেগাজিন্দা যাওবা বাশি ফলদসু ফখি। অদুগা অমুক ঙসি নোংঙাল্লমদাইগী মঙ। খল্লি — ঐগী মতম লাকদৌবমাক্লে ঈশ্বরনা চানবিদৌবমাক্লে। কবিগীসু চানবিবোই। ঙসি ফাওবগী মনুংদা অবানবা অমত্তসু তৌখিদ্রি।

হৌজিকসিদা অবানবা তৌব, ঙাক্তনা নুংঙাই যাইফবা যাইতোং খমদোংবা হাযবদু ওইদুনা লৈবে। অসুন্না খল্লকপগা লোযননা অবাংগী মধুচন্দ্রবু নীংশীংলকই। তৌবগীবুদি মহাক্না মধুচন্দ্রবু যান্না তোযনা নীংশীংই। মধুচন্দ্র অসি মহাক্কী ছাত্র ওইখিবনি। মেত্রিক্তা অনীবক ফেল ওইখি। অহুমক শুবদসু সবজেক্ট অনী ফেল ওইবদগী সপ্লিমেন্তবি ওইনা থাবগা চি লাউনা পাস তৌখিবনি। বি এ পাস তৌই হায তৌদে হায কেবানি ওইনা থবক চঙখ। মধুচন্দ্রনা কেবানি ওইখিবা মতমদুগা ইকান কান্নদনা মহাকসু ইন্সপেক্টবগী ওফিসতা যুতিলাইজ তৌদুনা কেবানিগী থবক পুবক্লি। ওজা দিনচন্দ্র মেত্রিক্কী তলব ফংজববসু মশাদি বি এ নি নত্তে এম এ নি। ওজা ওইনা ওইনা এম এ থাদোক্তনা পাস তৌখ্রবনি। মহাক এম এ নি হাযবসি কনানসু খঙবিদবগুম তৌই, বি এ নি খঙবিবসু মী খবদনি। অদুনা ওজা দিনচন্দ্রনা মী অনৌবা অমা ব্রাবা হেক শাবা ফংবদা মহাক্না এম এ থাবকপগী অহীংদা লাইবিক পাবকপগী ব্রাবী হেক্তা হৌদোকই। ওফিসকী থবক শুবিঙৈদসু তাঞ্জা চাবদা মহাক এম এ নি হাযবসি খঙহন্নবা হেক হেক ঙাঙই। ইন্সপেক্টবনা তৌবা ড্রাফট মহাক্না শেমদোক শেমজীন তৌরুবগী চোপ্পা নংবসু যাওখ্রবনি। ওফিসতা থবক তৌববসিদসু মহাকপু কনামত্তনা 'তামো' নত্ত্রগা 'দিনচন্দ্র বাবু' হাযনা কৌবিদে, 'ওজা দিনচন্দ্র' হাযনা অদুম কৌবি। মসিগীসু থবায় নুংঙাইতবনি, অদুবু মচীন্দদি ফোঙদোক্তে।

মধুচন্দ্রদি কেবানি ওইখিবা মতুং ইকুই কুইদনা মাগী দিপার্টমেন্তদা এসিসতেন্ট ডাইবেক্তব ওইনা প্রমোসন ফংখ্রে। মেত্রিক্তা হন্না হন্না ফেল ওইখিবা, বি এ পাস তৌই তৌদে মফম খঙদবা মাগী ছাত্র অসিনা কদাইদা লীংশীল্লগা কদোমদা চোংলগা এসিসতেন্ট ডাইবেক্তব ওইখ্রিবনো খনবদা ওজা দিনচন্দ্র মমই। মধুচন্দ্রনা প্রমোসন ফংলমদাইদা মপানা থম্বিবম্বা লৌ পবি অমখক্তু চৎখ্রে হাযবফাওদি শোযদ্রে। ওজা দিনচন্দ্রনা খল্লি,

ঐগীদি লীৎশীনফমসু লৈতে, চৎখিনবা লৌসু লৈতে। মঙাংম্বাইদা লৈখিদ্রবা মমা মপাবু নিন্দা তৌনিংলকই। মশাগী মরায়বকপুসু রারৌজরকই। পি. দবলিউ. দিদা কেরানি ওইবা মমান-মমান্নবা আর. কে. বাসুদেবা, ময়ুম শাৎ হৈদুনা শাগ্রে। ঙরাংগী অঙাং মধুচন্দ্রগীসু শাগ্রে। মপানা থম্বিরম্বা চহী কুম্ল্লা নীফু পেক লাউখিরোইদবা উগী দুইতলাদু থুদেক্লগা ইনৌ নৌনা চেক্কী য়ুম অমা শাগ্রে। মথোল অহুমগীনি। লৈকাই অসিদা মধুচন্দ্রগী য়ুম্না খ্বাইদগী বাংবা ফজবা য়ুম হায়বদু ওইগ্রে। কলর টি. ভি. লৈবসু মখোয়না ইহান হাল্লি। রেফ্রিজরেটর খিনবা ইমুংদি মখোয়গীতনি।

মধুচন্দ্র ওজা দিনচন্দ্রগী ছাত্র ওইখি হায়বসি ওজাগী নুপীনসু খঙই। অদুনা মধুচন্দ্রগী ইমুংদা হেক তৌরিবা খুদীং ওজাগী নাকোংদা হাম্না য়ৌরকই। "ঐখোয়গী ইমুংদা টেপ পীক্কনাও অমফাওবা লৈত্রিডঙেদা আ নখাগী অঙাং মধুচন্দ্রখোয়গী কলর টিলিভিজন অচৌবা অমা খিনগ্রে।" "মধুচন্দ্রহোয়গীদি রেফ্রিজরেটর অমা লৈরক্লে" "মধুচন্দ্রগী ভি. সি. পি. অমসু লৈগ্রে। মারুতি কাব অমসু লৈগদৌরে হায়।" হৌজিক মাগী নুপীগী মপুং ওইবা থবকসি মধুচন্দ্রগী ইমুংদা করি তৌরিবগে করি অনৌবা পোং পুরক্লবগে হায়বগী রেকোর্দ তৌশিনবা অমসুং মদুগী রিপোর্ট ওজাদা লানখৎপনি। মসিগী মমাঙদদি লৈকাইসিদা সনা শাখিবা সনা লেপখিবগী রিপোর্ট য়াম্না পীরম্বনি। তোম্বগী নুপীনা শল অহুম মখায়গী খুদোপ অমা শাখিবা, বীরেনগী নুপীগীনা মোহোর নীপালগী লীক অমা লেপখিবা, খ্বাইদগী মমল য়াম্বা রাণী ফি অমসু লৈখিবা — মসিগুম্বগী রিপোর্ট ওজাদা য়ৌরকখিদবা ফনা কুইরে।

মধুচন্দ্র ইমুংগী পাউ পীবগা লোয়ননা কোচি অমমম কোৎলি. "নঙনা তম্বিখিবা নখাগী অঙাং পেতরাসিনা মারুতি কার তোংখিদৌরে, নঙনা লুনা চিদেকপীসিফাওবা শেমজীল্লগা তোংবা ঙমজদ্রেনেকো? লৈবীরুবা ঐনা লানবনি।"

লুনা মোপেদ অমা লৈরিবসি চহী অমগী মনুংদা থা অহুম মরিদি তোংদে। ব্রার্কশোপতা লৈ। হন্দক্তি ফনা কুইনা য়ুমদা খিন্দুনা লৈরুরে। মসিসু মাগী নুপীগী চক্রীদগী লৌখবনি। মহাক্না লৈবীবনি হায়নফাওবা ফুতানি তৌরিবনি। মধুচন্দ্রনা স্কুটর অহনবা অমা তোংলকপা মতমদুদা ওজাগী নুপীনা হায়খি "নঙগীদি সাইকল হনুবসিদগী হেনবা ঙম্লরোই। ঙরাংগী অঙাং মধুচন্দ্রফাওবা স্কুটর অহনবা অমা থৌগ্রে।" মসিগী মতুং থা অহুম মরি লৈরগা মরূপ অমা ফাওরকখি লুপা লীশীং অমা চামঙা তাবা। তাঞ্জাদুদা বামোন নিতাইনা

মাগী লুনাদু য়োম্ছোক্লগে লৌহৌরো হায়দুনা গৃ গৃ তক্লখি। তশেংবমক্তি মহাক লুনাদু থোইনা পাম্মখিদে। মাগী নুপীনা মব্দপকী ফাওরকপা শেলফমদু পুল্লপ্পা পীশীনখিবদগী তঙাই ফদনা লৌখিবনি। অবাৎপা লুপা চানীপালনা থা থাগী চনী চনী পীবগা লোইশিন্নখি। মব্দগু মাগী নুপীনা যাওবনি, মাগী মিংদা ফাওবকপনি, শেলদি মঙোম্দগী লৌবগা হুনবনি। অদুবু, শেলদু মহাকনা চোম্লপ পুথোক্লগা লৈবীবগুম মাগী নুপীনা ঙাঙই।

লুনা লৌববা মতুং থা খবদি ফন্দুম নুংঙাইখি। লুনাদু তোংলগা মতৈ-মনাও কৈথেন যান্না কামীন্নখি। মচাশিং খঙহন্দনা সিনেমাসু মঙা তকল্লক যেংমিন্নখি। খবা লৈবগদি লুনাদু খোন্দা অমা তৌবক্লে। লুনানা খোন্দা অমা তৌবকপগা, লৈকাইগী নহাবোল পাখঙ মচাশিংনা মখোযবু উবগা চিবোন চিবোন তৌনবা, নোকমি নোকমি তৌবা উবকপগা, মাগী নুপী, কৈথেন কামিন্নকসি, সিনেমা যেংলুসি হাযনা হৌবকখিদ্রে। "স্কিম যাওব্রা লোন লৌব্রা কৈনো অমা তৌবগা স্কুটব অমত্তং লৈসিবা" হাযদুনা চিফেৎ চিফৎ ঙংবনোমদা চৎথবকখি। ঙংবদু তানীংদবদগী স্কিম অমা যাওশীল্লুবে। ফাওনগী ৱাদি লৈতে।

নুপীনা ঙংবসু ঙংবনি, মহাকসু স্কুটব অমফাওবদি তোংনিংই। স্কুটব নত্তে, শেংনা হাযববদি কাব তোংনিংই। তক্ক তকবা ফজবা চেক্কী যুমদা লৈনিংই। কবক্সা পাম্বৈনা শেল অমুক্তং পাযগদগে হাযবসি মতম পুল্লমক্তা খল্লি। লৈকাইসিদা তৌনবিবা মযামসিদগী অমুক্তং হেন্নিংই। মধুচন্দ্রনা কাব লৈদ্রিঙৈদা মানা হান্না লৈদুনা তোংনিংবনি। অদুনু ফুবিৎ অমত্তং তৃগে খল্লকপা থা ৱবেৎ শুবে উপাই লৈতে। তৌবিবা থবক অসিনা গুস ফংবদি লাযবদুনা চা যাওবা যৰ্বিৎখাউদগী পুথোক্লগা থকচৰ্বিবনি। নোংফাদোক কনাগুম্বনা চা গ্লাস অমা লৈবম্বা, ক্বা মতপ অমা লাল্লম্বা যাওবদি থংননা ফন্মীন্নবিবা হেদ ক্লাৰ্কনা লক্নে, "ঙসিদি কান্নেকো, কোলাস মঙাযদা হানৌ চোংইকো।"

যাববদি থবকসি তোক্লীংলবনি। শেল পাযনবা কাববাবনি খঙদে কবিনো অমা তৌনীংই। বলন্টবি বিটাযবমেন্ট লৌথোক্লবদি চোম্লপ্পা লুপা লীশীং কুন্থা নীফ্ ফং গনি। অদুগা কবি কাববাব তৌগনি। মৈতৈ মচাদি কাববাব পল্লদে। কাববাব হৈতে। মুৎপনা হাল্লি। অদুনা থবক হেক তোকপা যাদে। তশেংবদি থবকসু চাননা তোক্লীংবা নৎত্রি। কবিনো উপাই অমা তৌদুনা ওফিসাব অমত্তংদি ওইনীংই। মী যান্না ওইনৈ ওফিসিযেটিং বেসিসতা। মাগী নুপীগী মমাঙদা ওফিসাব অমা ওইনা অমুক্তংদি মখৌ পোঙনীংই। লৈকাইসিদা 'ওফিসাব ওইবেযে' হাযদুনা ৱা বা লাউহন্নীংই। মদুগীবুদি মাগী নুপী লৈবি। ওইগদৌবেদং

হায়বদা শাৎখিবনা হানগনি। পুন্নমক অসি শেলবু লৈরবদি হেক্তা ওইথোকই।

শেল পায়নবা ইহোৎ হোৎনখিদবা মীদি নত্তে। এবিযাব লুপা লীশীং মঙাবোম ফংখি। মদুনা চাওথোক্লবা হাযদুনা ঠিকা তৌবা যাওকই। তৌমিন্নকব্বা মীদুনা মহা চলাক ওইবমদুনা শেল হাৎলগা মাঙথোকখ্রে। লোৎখ্রে। উগী কাববাব অমুক তৌখি, মন্দোমচানা পোকপা মনাওনুপাগা পুন্দুনা। জি পি ফন্দদগী লুপা লীশীং মবি পুবগা পুথোকখিবা শেলফমনি। অহানবগী ত্রিপ অমুক অনীবক্তু কান্নবদবোই নীংখি। চহী অমগী মনুংদা যুম শাবা ঙন্নগনি হায়দুনা হিসাব তৌকই। খবা লৈবগদি মনাওনুপাদ্‌ মোবেদা নুপী অমা লৌবগা লৈথোকখ্রে। উগী কাববাবসু তোকখ্রে, শেলসু মফম মবাঙ অদুম খঙখিদ্রে। মসিগী মতুংদদি মানা খল্লকখি — ঐগী ইবাযবর্কসিদা শেল পাযযু ইনাক খুল্লু তন্নমদ্রবজাৎনি। নোংমদি হেদ ক্লার্কনা হায, "শেলদি তাল্লুনো বোন্ধু। তাল্লবদি চেনখিবনি। শেল পাযগে হাযবদি তাল্লুনো কৌশিল্লো" টেলল মথক্তা লৈবিবা মমাঙদগী চা গ্লাসতু ঠম্‌ন চুপ্পগা হেদ ক্লার্কনা মখা তাবর্কখি "যেংঙোই, মীওইবগী লাইবকসি ৱানা হোৎনবগা নুংঙাইবকপা অমা। সুকবা হেক বাদনা নুংঙাইবা জাৎ অমা। মখল মখল লৈবনি। বোন্ধুসু যন্না যাম্না হোৎনকবেদনা, কান্নদ্রেদনা, তোকথোকও হোৎনকব্বনু। হোৎনবগা নুংঙাইবু হাযবা লাইবব নত্রে। খদ্রক মদ্রকসু হৈবা মী নত্তবনিনা ইরা বাদনা নুংঙাইযু হাযবা লৈবম্না যাই। লোটবি যাও। থা খুদীংগী চিঠিখেলা টিকেৎ থমমমখত্তুং ককউ। নুংবু নুংঙাইযু তম্নম্বদি যো মবাইনা ফাওজবর্কনি।"

হেদ ক্লার্ককী বাসি মাগী মযমদা মন্ত্র ওইনা থোর্কখি। হান্নসু চিঠিখেলা ইগাও যাওদবা নত্তে। হন্দক্লা থৱায চঙবা চেনগৎলি। থাজবা অমা যাওই।

ঙসি ঙবাংদি বাশি ফলসু যাম্না ফৈ। অসিগী মথক্তা ঙসিগী মঙসি অচম্বা নত্তে। অসুম্না ৱাখলনা চোং চোংদুনা শান্নবিঙৈদা নোং ঙাম্ভোবক্রে। ফমুংদগী মখোঙ থাংথগে হেক তৌবদা কবিনো অমা খংখন খল্লক্তুনা মখোঙদু শৎ চিংখর্থখ। লৈপাক যৌহনখিদে। নাতোনগী শ্বব কদোমদা লৈবগে কামদুনা যেংই। যেৎ ফন্দুনা লৈবমলে। ঙহাক ঙাইবগা অমুক যেংবদনা নাতোন মখুন অনীমক হোবো হোবো চৎলম্মি। হৌগৎনীংবনদি লোইরে। খবা থীম্বববদি ফমুং চোৎপগী ফীবম যৌরে। তাঙ্গাসিদা নাতোন অনীমক পুংহো হোবিঙৈসিদা হৌগৎপদি যাদে মঙ্গল অমম্ভা লৈবোই। যেৎ হোবা ঙাইবদা ফমুংদা লৈবা যাবক্রে, ওম্ভোক্লা ৱাবে। উচিন নাচিন্না ওইথংবা নাকন্দ্‌ খবা ফুনবগুম তৌবকই। তাঙ্গাসিদা

মখোঙ য়েৎনা লৈপাক্তা হাপ্না থাবগা ফমুংদগী কুমথবকই। মপান থোবক্লগা য়াম্না থুনা মখূৎ জুব তৌবদুনা সুর্যদেব খুরুম্মি অদুগা এনখাবোমদা হোৎচিনখি। মচাশিংনা মপাগী মওংদু উবগা ঙকই, নোকফেৎ নোকফেৎ তৌই। অন্ধবিশ্বাসপু য়াম্না চৈবা, লাই থাজদবা মপানা ঙসি তৌবিবসি কবিনো? মচাশিং ঙক্তবা ঙমদে। মচাশিং খঙদে, মপানা অয়ুক খূদীংগী নুমিৎ খুরুম্মি হাযবসি। নহানমথৈদি ওজানা সূর্য খুকম্বসি মপুক্লীংদা লোম্না খুকম্বনি, মী উহন্দবনি। ঙসিদি ফোংগ্রে, মচাশিংনা উথোকখ্রে। হাইফেৎ ইকাই। অদুমকপু মহাক্কী পুক্লীংদু ব্লাখল অমদা পুবা লুপখিবনা ইকাইবদু কুইখিদ্রে।

ঙসিদি মহাক ব্লাখলসু হক্চাংসু যাম্না শেংনিংই। য়াম্না শেংনা ইকজথোকই। ফি অশুবা ঙাক্তা শেৎলি। ঙসিদি চাক চাববোই, বর্ত তৌবগেসু খল্লি। অয়ুক অঙনবদুদা লাইনিংথৌ কাচিন্দা চঙলগা দণ্ডবত তাদুনা খুরুমনিংই। অদুবু মচাশিং উখিগদ্রা খনবদগী মাবৎ নাবৎ যেংলগা শকৃৎ লোম্নদুনা খুরুম্নম্নগা প্রপ প্রপ থোবকই। শ্বব যেংলগা শেমজীনবা কুইদ্রিবা লুনাদু ইথ্রোক্লগা যাত্রা তৌবক্লে।

খ্বাইবম্বন্দ বৈথেনগী পাওনা বাজাব, থাংগাল বাজাব বি টি বোদ লোইনা থুংলে। কাঙজৈবুঙ মনীং খুযাথোংদগী হেন্দোক্তুনা আব এম সি বোদ যৌকবে। মানা পাম্বা টিকেট নম্বরদু থিবদা। মাগী পোকপগী তাবিখ, থা, শোক ফৈনা তিনশিল্লগা ৮ তাই। মসি মাগী লক্কী নম্ববনি হ য পাঞ্জিনা। টিকেটকী নম্বব ফৈনা তিনশিল্লগা ৮ তাবা থিবদা শাৎলে। চুম্লগী টিকেটতবুদি মযাওবমগনি। অদুবু মানা থিবিবদি বম্পবগীনি। হন্দক্কী দাউসি লুপা লাক্ষ অমদা মাঙহনবা যাবা নত্তে। লাক্ষ অমা ফাওবগা লাক্ষ অমসু ফংলোই। লাক্ষ অমা ফংলবফাওবদা লাক্ষ অমনবু কবি তৌনগনি। কবিমত্তা কোম্নদে।


নীংজবসি থুংবু থুংউ হাযবা লৈববদি টিকেট সুকসোয শোযদনা ফংগনি। কোংবা বাজাব, কাকৈথেন শীংজমৈ, থৌবাল মোইবাং য়ৌনবা চৎকনি। অদুবু লাপ্পা চৎলুদ্রে, লাইনা চাপ্লে। ইবায লাযনা নুপা কৈথেন মচীন্দা ফংলে। দিল্লীগী দিবালি বম্পব, টিকেট নম্বব এম 109674। ফার্ষ্ট প্রাইজ ব্লান কবোব। টিকেট নম্বব ফেনা তিনশিল্লগা যেংবদা চপচানা ৮ তাবে। টিকেট নমল লুপা তবা। টিকেটতু লৌবা মতমদা মখূত্তু হাইবপ নীকই। শেল পামমুকম্বগী নত্তে। চাম্মা পীবম্মু হাযববসু পীবগদবা তাঞ্জনি।

টিকেটতু ফুবিংখাউদা চেকশীন্না হাপচল্লগা নুংঙাইবা ব্লাখলদা তাউবদুনা মযুম মাযগৈ পাংলকই। নোংঙাল্লমদাইগী মঙদু হন্না হন্না নীংশীংইঃ চীং অমদা সুম কাখৎলম্মি,

চীংদোম্দু লিন ময়াম্না কোযশীল্লম্মি, খঙহৌদনা লিনশিংদু মাঙখি, মনাক্তা লংত্রিক লংবা পুংঙান ঙানবা মতৃম অমা তাদুনা লৈবদু উবকই, অবংবা মতৃমদু মহাক্না খুনগংলম্মি। মতাংদুদনি মীৎকপ থোবকখিবা। মঙদু নীংশাংলগা মপূক্লীংদা মথুম মবাঙ হৌই। অসুক ফবা, মঙ্গলগী মশক ওইববা মঙ অসি মমাঙঙৈদা অমুক্তসু মঙখিদ্রি। অৱাঙবসু কাবম্বা, লিনসু উবম্বা, মণি অমসু ফংলম্বা। চৎনা চৎনা চৎলি হাযবা কাউই। বাখলগী মশা পাল্লকই, মশাদু খপ্তুনা পাইবকই। ফুবা দলাল অহাও অথুম ঙাক্তা মমীত্তা উই। অসুন্না লাকপদা গাডীনা থেংগে তৌবা, তক্কে তৌবা অনীবক্লি। অকোনবগী জীপ ড্রাইভবদুনা চৈবম্মি "হোর্ন অসুক কন্না খোংবসি ননাদু তাদ্রো? তকখাযবদি নথ্বাযদু মাঙনিদো" অদুদগী মৈখু পূমম মন্না কামশিল্লম্নগা খংথৌ থৌখি। ইকাইবগা শাউনীংবগা যান্দ্রে। অদুবু খল্লি — এহেঃ জীপ অতেকপা অমা থৌবগা ফুতানি তৌবেদা মমাঙদা মাকতি কাব থৌগায়গদৌবি হাযদি খঙলম্মোয। ইহে। টিকেট লৌবকপা মতমদা শান্নগদবা তাবিখতি য়েংলক্ত্রে। সোবোক্কী চিদাইদা হন্দোক্লগা টিকেট লৌথোক্তুনা যেংই। তাং ১৭ তা শান্নগদবনি। হংচিৎনি। অদুদি তাং ১৯ দদি বিজল্ট য়ৌবক্লগনি। কুইদ্রে। শোয ঙাম্বা যাবা নত্তে খল্লদুনা সোবোক মতাইদা ৩প্পা ৩প্পা চৎলদুনা মযুম যৌবকই। অযুক ফনা ঙন্না থোবকখিবনি, মযুমদা থুংলবদা পূং তবামাথোই মখাস হেল্লমলে। ঙসিদি ওফিস চৎলবোই বর্ত্ত তৌবগা লাই নীংদুনা লৈবগে খল্লি।

মফি হোংদ্রি, মাগী নুপীনা চঙশীল্লক্লগা হাযবৈ "মধুচন্দ্র ফাখ্রে হৌজিক অযুক। ভিজিলেন্স কেশনি হাযযে"। পাউসি তন্নগা খোঞ্জেলদি থোক্তনা মকা লাম্না নোকই। ওজা দিনচন্দ্রসু খঙহৌদনা মোমোন নোকখি। তাঞ্জাদুদা মচানুপা অহল চঙশীল্লকই অদুগা হংলৈ, "বাবা লুনাদি কদাই থনমলে?" হেক তাবদা ওজা দিনচন্দ্র স্বাই লাউই। কনাদা কবিসু হায়বমদনা নুপা কৈথেনগী লোটবি যোনফম যৌনবা শ্বব হোনবোই হোন্দবোই খোঙলৈ য়াঙনা চৎখি।

।। ১৯৮৯, দিসেম্বর ১।।



"Y. Ibomcha use a futuristic and post modernist style of narrative. Their stories are concerned with the loss of individuality and "genuine" elements in a world spiralling out of control."

(Angelie Multani : *The Book Review*)

"But then he is a modern writer with a difference."

—L.J. *(Indian Literature)*

যুমলেম্বম ইবোমচাগী অতোপ্পা লাইরিকশিং

- শফ্রেবী খোরঙ্কো সহম পোকপ্রেল শাবীগে (শৈরেং, ১৯৭৩)
  (মণিপুর স্টেট কলা একাদেমি এবার্দ, ১৯৭৪)
- [illegible] কুমারী অমসুং উচেক মচাশিং (শৈরেং, ১৯৯২)
- শীংনবা (ভোল্যুম ১/২, ১৯৭৪)
  (থাংজম ইবোপিশক অমসুং রনজিৎ নব্রিউশা পুন্না)